

যুগেশ্বৰ

মতুম্ তাশিল্লব য়োং

অইব,
মুগেশ্বর।

ইনা,

নখুয়া থম্বাল অনিদ

কৎচরি নচাগী

'মতুম্ তাশিল্লব ম্লোৎ'।

ৱাহৈ খর

পুথোকচরিবা (ৱারিতেনগী) লাইরিক 'মতুম তাশিল্লবা য়োং' মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ মশা থৌবালগী অনিরক শুবা খুদোললনি। ৱারীতেনশিং অসি ওজা য়ুগেশ্বরনা ইবা ঙাইহাক্তনি। খর অমদি হাম্না ফোংখ্রবা লাইরিকশিংদগী লৌখৎচবনি। অসুম্না চহি খুদিংগী লেপ্প-লৈতনা লাইরিক অমমম, পুথোকচবা ঙম্বসি ঐখোয়গী লাইবক য়াম্না ফবনি। মতুংদসু পুথোকপা ঙম্নবা পাঙ্গল পিবিনবা তাইবং মপুদা নিজরি।

সমোম রঘুমনি সিংহ
জেঃ সেঃ
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মশা থৌবাল।

থৌবাল ১০/১১/৯৫ ইং,

ৱারিগী মমিং—লমাই।



Date ...
...

লাইরিকসি,

পুথোক.প — মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মশা) থৌবাল।

নুমিৎ — থাংজ পোইনু ১৮ পাম্বা তাং ৯/১২/৯৫ ইং।

মশিং — ১০১০/-

মথুম. পুথোক.প অমসুং য়েকপ — লৈতাম্থেম মুক্তা,
থৌবাল.।

ব্লোক শাব — ইমেজ গ্রাফিক, কৈশাম.থোং।

নম.ফম. — বিঃ আরঃ প্রেসঃ থৌবাল. অচৌব।

ফংফম. — মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল।
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মশা) থৌবাল.।

মমল. — লুপা ৫৫/-

ফংফম থোকপ পুম্নমক তাইবঙীনি।

ভাইওলেট চবুন্

গোম্বাগী 'ইন্টরনেসনেল রেষ্টুরেষ্টুদ' লৈব মীওই খুদিংমক্ক নুমিদাংগী হরাও তয়াম্বগী জগে'ইদ শরুক য়ারি। ঐগী সোনিসু মপুরোইবগী লেংজ্মদ ভাথরদুন শরুক য়ারি। ঐগী থমোইন মহাক্কী মাইথোং উরুবদ ঈথক হৌরি; ইপোম কারি।

ভাইওলিনগী মেংলব শুরন কাদুগী মফম খুদিং শিঙ্গ থুংন শন্দোক্লি। নুমিদাংগী পুং ১১ তারে। মিহুৎথোং ম্লাংমদ ম্লেংথোক্‌লুবদ উরক্‌ই চৌংগু অমসুং ওক্কী উপাল্‌শিংন অমম্বদ মুশিক মুশিক মুন লেপ্লি।

থিরকপনি মহাকপু মতম কয়াগী মমাংদগী মরি মথোং হুমদুন মাদুন মরমদি মহাক উদব মফমদু ঐগীদমক্তদি লৈকংলানি।

ব্রেক্ট'ন মিয়ুজিক্কী মেংলব ঈশৈগী তাম্থাদুদ নেৎলদুন জগোই শারিব চীংলেম্নব মীয়ামদুগী মরক ঢি.ৎন লোম্ন লোম্ন ঐন য়েংজে লুপা থাম্নব য়ুম্বীদুগী মরুমদগী—ঐগী সোনিবু। মাংদ লৈরিব বোটলদু ময়েং অসুম তসুম তাথরকই : নিশাগী মরেপ অসুম অসুম য়াংখৎলকই ঃ অদুগ থমোই মৈচাক.সু অসুম অসুম হেনগৎলকই ঃ লোইনন মরেপ তম্নকই। নিংব কাইরব থমোইসি পুব ঙম্নকত্রে ঃ খাংব য়ারক্লে ঃ নাশোল ওইন হায়দোকলুই—"সোনি, আই লব য়ু।'

তৌফম খংদ নক্ক লৈরিব গম্নাদুগী লৈরাং লৈনাশিংদু মথৌ হাংলব ওইথংব খুৎশাশিংন পাইরুরি ঃ শিকলুরি ঃ নৈহৎলুরি।
—সার, প্লিজ ডোন্ট ব্রিক ড বিয়ুটি ওফ ড নেচর।
নক্ক লেপতুন লৈরম্ন ব্রেটরদুন হায়রকই। ঐ শ্বাই লাওই, শাওনিংবন লুতোন শাৎখি। ফুক হৌগৎতুন ওইথংব খুৎচাওসিন মথবাকতু শুপ্পাই পাইশিল্লি, খংচিং চিংশিল্লি, অচাকপ থমোইগী মৈচাক অপুম্ব মঙোন্দ হৈথরগে খললুই। মিকুপতুমক্তদ ব্রেটরদুন নোলুক্ক হায়জরকই,
—এসক্যুজ মি সার।

নোং ঙাম্লে। অঙম্ব অয়ুকতুদ মিহুৎথোং ফাওন য়েংথোকখিবদ উরকই—উপাল য়াপাল, হৈরাং লৈরাংতন য়োম্নব থেক্ক খোইন চৎলিবা লৈকোলগী লম্বীদুদ ঐগী সোনিন হরাও মথোই কান মপুরোইবগ খুৎশম্নন রেস্টুরেনটুগী য়াংমদ চৎখরি। লৈশিল্লকপদ অমুকসু হম্ন উরকই—ঙরাংগী ব্রেটরদুনা য়াহৌদ্রিঙৈদ থম্বীরম্ব গমলাগী লৈরাংশিংদু।

লৈকোলদ শাৎপ লৈরাংশিংদি নত্তে—কাচিন্দুদ : টেবলদুদ কাদুগী মচি'মদা ঃ তায়বঙন খংবী উবীদ্রবী তোর্ব্বান্দ য়োবী নুঙাইথক্কী ভাইওলেট চবুন'মন মঙাল ফুদোক্লি।

মোংফমদ থিব নুংশিব

‘থরাক্লে’

থরাক্লে কনানো ?

‘ঐবু হুন্দোক্লমদুন মফম কৈদ চৎলবগে ?’

কনান ইরম্বনোনে সিবো ? ঐ পুমঙক ঙকই।

ঙসিসে হৈহে হৈনিংদে। পুক্রিং ব্রাখল ইতাও তাওই। পোথাফম খংদে, লৈতাফম লৈতে। পোথাফম থিরকপদ য়ুমগী লাইব্রেরীদ তারকই অদুবু লাইরিক্তি পানিংব পোক্তে। মাংদ লৈরম্ব লাইরিক অমা তাপ পায়দুন লৌথোকই। লাইরিকতু কুইরে পাখিব, নহা ওইরিঙৈ, কলেজ তমলিঙৈ; অদুঙৈ পাখং ওইরিঙৈদ পাখিবনি। নুংবু নুংশি থনল্লুবদ। ফাকই, অসুম অসুম ফাকতুন য়েংই, পাদি পাদে। ইথং হেক খংহৌদন থেংনরুবনি, মরক্ত ইদুন থমলম্ব ব্রাহৈশিংসি। ঐগী থমোইসি ব্রাহৈশিংসিন পুমন্নাং লাংহন্নে।

থম্মালঙৌ শিরে !

পাও তাবদ ন্নুতোন শাইলি। অওইব ওইরমগদরা নজলা ইতৌ য়েংগে থম ফাগী তৌরিবরা ? চিংনদুন ময়ুমদ চৎলে, তশেংনমক মহাক শিরম্মলে। ঐন কমদৌবা !

লমফেল পাৎকী লাঙোল চীংখোংদ লৈব লমশি ময়াম হুন্দোকফমদু খুংনিং নিংশিংলকই। ঙরাং অহুক অঙম্বদ ঐখোয় অনি লমশি ময়ামদু য়েংব চৎমিন্নরুবনি। কয়াদি য়ামগ্রে, মী মকোক.....শরু শয়াং... মপৈ মপৈ তাদুন লৈরিবশিংদু নিংশিংলুব খুদক্ত তুং-চুংই, কিবন থমোইসি চেং-খৈবগুম নিকই। ওন্থোক্র হৈনখিদ্রব মওংনি।

মী তাদব অশুকপ উ-ব্রাশিংগী মরক্ত অচৌব শাশিংন চৎপগী মখোল নুংখিল পোবোবত অদুমক তাব ফংলে। শিবত ঙায়রিব মীওইবগী শদোং শেৎন খায়নবগী শাওনরকপ, মুন্নবগী খৎনরকপ, শিংনবগী ঙংনরকপ অনকপ চীংমাই নাপোমদদি হাকথেংনন অদুমক তাব ফংলে। অপিকপ লমগী শাশিংন মাংদ তুবৎ তুবৎ চৎলি। অশিব হকচাংশিংদগী থোরকপ অপুম্ব মনম্ন নুংশিৎ উতোং ফুনগৎলি, হিঙ্গাই মনম্ন শোর হোম্ব য়াদে। অঙম্ব অয়ুকতুদ মপুক লামলব লমহুইশিংন হৌন হৌন খোঙ্গৎলকই। মরক মরক্ত অচৌব শাশিংন নোং-খোং-বগুম খোংলকপদ চীংমাই নাপোমদু নিংখাইগদবগী থক থক নিকই। অহাংব অতিয়াগী মফম কয়াদ লংজাশিংন লৈ-লৈদুন পায়রি। ঐখোয় অনিন হাবুং মোংশোং মরকতুদ অসুম অসুম চংশিল্লি। হৈনরকত্রদুন ঐন হায়রুই,

—হল্লসিবা মরুপ? শা-কৈন থল্লব অপুম অশা মরকসিদ
  কৈদৌরুসি হায়রিবনো?
  মহাক য়াম্ন শাওন খুমলকই,
—নংশিমা নরিল লৈখিদ্রে।

পাওখুমদুদ মখাতাব ব্রাহং থমলুদরে। লিনগী মকোক্র চৎপ মফম খুদিংদ মমৈন মতুং ইন্নগুম, ঐসু মতুং ইন্ন তাখি।

ইঙা ইঙেনগী অচৌ অচৌব নোংদুমশিংন লাল্লোল চীংমাই নাপোম শিম্ন মুশিক মুশিক মুন কুপশিন্দুন লৈরি। পুক্লিংদ মওল মওল থল্লি—লমশি ময়ামসিগী শরু-শয়াং মতৎ মরাং-

শিংদু য়েংলগ করিবু কাংগনি? শা-ক্তেন থক্লব উমংশ্রামং হাবুং-মোংশোং মরকতুদ কোয়চৎ চৎতুন চৌনা ইৎপ, মমল য়াওদ থরাই য়োলমুবগী করিবু তোংজগনি? কলেজদ বাইও-লোজি তমলুবগী কাংয় ফংগে হারব পান্দম থমদুন শঙ্ক শয়াং য়েংব লাকখিব নত্তে। শরগী পোলাং কয়া ওকুপ্প মরোল তয়ব কলেজগী সাইন্সকী কাজাংশিংদ থম্লিবদু মোংনত খোইদান য়েংলুদে। পুশিংসদ ফনমক লমাহন ভুলেব থাক তৌজরবনু অশিঅনা য়েংবসিতদি ওলোক হৈনখিদে। অদুবু তৌরিব মতৌদু মহৌশাগী মহৌশা চোংলম চাব, থংশিব হৎক তৌরকপগী হৈনবীদু হংমক্তকগ ওমসদগী য়ানি। চোংনম চাদব! অশেংবনি, ঐগী মরুপ থম্বাংবৌদু ঐগী চোংলম চাদে, ঙাওই। হুরানবগ লোনবগ, শান্ুগ শান্ুগ, ভাবুগ ত বা-তিগ, থম্বালঙৌগ ঐগ তি ব মহৌশানি।

ঐগী মরুপ থম্বাংবৌ, খোংনে মেংন চেং-চংম শীনি। মান উশিৎপ মী লৈতে। চৌদাং ভুমিন নৈবন চন্দ্ ওমই হায়বদুনি। মশক্তি, থম্বালত থম্বানি। বুদ্ধ ঙৌই, নশা রাং চাওই। মৎং মতৌদু খজিক নুগি মাংগি হারবগী রাতনি। মশক মতৌমুন ওইরমাম্লে ইমা বাজিন মহাকপু থম্বালঙৌ কৌরমংবদু। অদুবু মহাক্র তৌথোরকপ থবক্তি ওস্লোক্র ভুক্তচনিংঙাইনি। মফমদুগী, মতমদুগী লৈকাই, শুসংশিংদ খুৱাইদগী চোংলম চাদব থবক খুদিংমক ঐখোয় তনিগী থৌরাং খৌশিল ঙাক্তনি।

তানজা য়েংদুন থেংন লাকপ মীওংশিংদগী পৈশা মুনব : পোৎয়োনবী ইমা ইবেলশিংদগী শেঙ্গাও লাকপ : সিনেমা হোল-শিংদ টিকেৎ ইন্নদুন যুরিখাও চন্ন : পুক থক চাথোক্লব মতুংদ হোটেলগী পৈশা পিরমদন চেনব : মশক ফজবী লৈকাইগী চনু-রাশিংবু মযাম মতম য়েংদন লক্লব : অকোইবদ লৈরিব ঙান্ খুনু হুরান্দুন চাথোকপ : অফংব ময়াইকাৰ খুদিংমক মহাও তংব......লোম্ন থুপ্ন করিমুক হায়রুনি তৌব য়াৰ খুদিংমক

তৌগ্নবনি। ফাদোক তাগদব খজিক্ত ঙাইরম্নবনি।

চৎলম্বদগী চপ লেম্নদুন মহাক্ত হায়রকই,

— ঙাইখো।

ঐহাক খংদ্রেক খংই। লরাইগী শম চপ যুংই।

— উব্রা ?

ঐন লৈদুন য়েংথোকখিবদ উরকই - মনাক নক্ত ব্রান শাব অমনব দোলাই'ম তাদুন লৈরি। অশিব হকচাং হন্দোক্তব পুরকপগী ওইরমালে। দোলাই ময়াদ ফুমজিনখিবগী অনৌব লৈপাক শিজিনব তোংখৎপ মফম'ম লৈ। মদু উবদ নিংশিংলকই - নুমিৎ খরনিগী মমাংদ লৌনব াদব ইনখৎলক্লিব পাখং লেশা অনি থৌরি য়ান্দুন ঐখোয়গী থংনব লৈকাইদ শিখি। মখোয় অনিগী মোংফম্নি। মখোয় অনি দি নুংশিবিদুন অশিব মশা পুরক্লিব মীওইশিংদুন শা-কৈন শোক্তনব লৈরোল চনবিরম্মে। ঐগী থমোই, মদু উবদ নিকখৎলম্লে।

ঐন খল্লি,

নুংশিবগীদমক থরায়বু মমল য়াওদ য়োম্থোকখ্রব ! গোকঙমদ্রব মীওইবগী মপোক্লি, পুশিবু তঙপ তরাইন খন্দোকপ চুম্বরনে ? মখোয়'নিদু ব্রাখল থেনমল্লি। অমরোমদ চুমই, পুশিচুম্ন ওম্ন থোইন মৈশা লাংদুন লৈদোই শরুক মিকুপ'মতং নুংঙাইন হিংলম্নগ কোক হেক শিদোকখিবদুন হেম্ন ফৈ।

নোংথাংদগী হেন্ন য়াংন পাইশিল্লক্লিব ব্রাখলশিংদুন থেংলরবদ পুক্লিংগ ব্রাখলগ ঐগী পিক্রব কোক মচাদুদ কম্ন মুক্রা শায়রমই।

— মরুপ লৈপাকসি হোৎতোকত্তুন অসিব হকচাংসি ম্নেংসি।

অসিগুম্ন লমশি ফুম্বদ সনা লুপা য়াম্ন হান্নি হায়নে।

ঐখোয় অনিন দোলাইদু শিদোক্লে। মদুদগী অক্লিংব পাম্মোম ব্রা অনি লৌরে। মোংফমদু মুকত্তুন খিন্দুন খোৎত্তুন তৌব হৌরে। পাম্নল থেক্ত মচিন তুম্ন ব্রান থিনজিন্দুন মুরুপদ

লৈমাইদু খজিক-খজিক চৎপ হৌরকে। অতুম্ব রাগী মচিন্দ লৈরোল চনখ্রবী মাইবক ফবীদুগী শম্নাংন য়েৎশিন্দুন মরি-মরি গক্কপ উবদ ঐগী মরুপতুন করিমত নাচুংদন হায়রকই
—য়েংউ শম্ন পল্লক্লে। ঐখোয় অনিন ঙম্মনি।
নংন রাসি, সিয়ৌন থিংজিনবু অদুগ কম্ন মুকখৎলু, ঐ খুৎ অনি লোনশিন্দুন ফুকৎকে।

ঐন মহাক্ক হায়ব তদুমক্ক তৌরে। মচিনতুম্ন রাদু লৈরোল-নুংদ মত্রাং অনি য়ৌন থিংজিল্লে, মতোন্দ খুৎপাই চেৎনে পাইদুন পাঙ্গল থেক্ক মুকখৎলি। থম্বালঙৌন মখুৎ অনি লোনশিন্নগ মথা চিকতুন লৈমাইদু মুকৎলি। হায়রকই,
— চৎলে চৎলে।

তশেংনমক ফোপ হাদুন লৈমায়দ শিরম্ব লৈপাকতু খজিক খজিক্কগী বক লাওন মুকৎলি। ঐগী মরুপতুন খংলাও লাওরকই,
— হুমঃ

থংনব মিকুপত পাইরম্বদু থাদোকতুন লৈমায়দ লোংন হাইথরকই। খজিক কাংখৎলুরব লৈপাকতু মহৌশাগুম লৈমায়দ খংয়ে য়েশিনখি। ঐন রাকোকতু খংথা থাদোকতুন মনাক্ত চোংশিন্দুন হংই,
—কৈদৌরে?

মরুপ থম্বালঙৌদু ঙহাক জ্ঞান মাংলুবগুম তৌই। ফিংন হৌগৎলগ খুম্নকই,
—নমখিহে! চৎলসি ভাই, সনা লুপাগ অমত্ত পামজল্লে। মশক অদু অমুক্তং য়েংনিংমনম্নদুন তৌবনি।

অদুদগী ঐখোয় অনি মোংফম থাদোকতুন য়ুমদ অদুমক হললে। মথজী অয়ুক অঙম্নদ লৈকায়গী মীয়াম ঙাংনরকই,
—থম্বালঙৌ শিরে।

থাজদদুন মযুম তান্ন চেন্দুন য়েংলুই, তশেংনমক মহাক শিরয়ে!

ঐন অসুম খন্নদ ঐগী চোংলম চাদব মরুপতু পুমথরকপ অশিব হকচাংদগী থোরকপ গ্যাসডুন নশাদ হাকথেংনন য়ৈখিমাল্লে, মহাক কন্ন ঙমখিদ্রে। কনা খংদব ঐখোয়'নিগী অরোম্ন থৌদোকতু ব্রায়াম্নরক্কনি খা নাকাং অনি শুন ফোংদোকখিদ্রে, থমোইনুংদ নমশিন্দুন চদুমক থমখি।

চহি ৪০ রোম হৌখ্রে। পুন্সিগী খাওমে মমশিল্লক্লে। অনৌব অহোংব কয়ান লম্ফেল পাৎকী মতম খুদিং লাঙ্গোল চীংমাই নাপোমশিং নিংথিরব বিলডিং কনান পুম্নং লংহনখরে। অদুবু ঐগী থমোইবুদি লংহন্ন ঙমদ্রি।
মহাক্কী লাইরিকতু কদোমদগীনো ঐগী মগী লাইব্রেরিদ থেংনরুই—'লব এন্দ লস্ট'। লাইরিকতুন ঐগী মরুপতু থংনিং নিংশিংহল্লি। মিৎসিদ মশকপু শং-শং তৈরবই, ব্রাহৈশিংদুন কাওঙমদ্রব থৌদোকভুবু ময়েক শেংন মসু শংলকই। অসুম অসুম ফাকপদ মচি'মদ ইরম্নদু ইথা হেক থাজদন থেংনরুবনি "থরাক্লে, ঐবু হুন্দোকলমদুন মফম কৈদ লেংবগে?" মচিন পারব তেন্ন থমোইসি ফাওরেং লেংবঙম ব্রাহৈশিংসিন ঐবু য়ৌন শোকহল্লে।

হৌজিক্ত ঐগী পংজরব থমোইসিন হায়রি, থরাক্লি কনানো? মহাক অদো নুংশিবগীদমক থব্রাইবু মমল য়াওদ য়োন্থোকখিবীদুনি।

অদুদি চোংলম চাদব, ইন্থোকপিরম্নব ঐগী মরুপতুগী নুংশিবগী চাং কনান লেপকনি? পুন্সিগী নুমিদাংব্রাইরমসিদ হৌখিব থৌদোক কন্না হঙৎন য়েংলুবদ, মিৎলুদ অশাব পিরাং ঈহৌরক্লে। তান্নবঙ কনান থংবিদ্রবসু ঐদি থংলে, মাগী নুংশিবগী চাং কয়াম্ন ব্রাংব! মরমচৎন মীরাইবিখ্রম মাওনগী থমোই চৈনা কনান থওইবিগনি?

থবা

মাসি, খুঙ্গংগী মংতান্দ লৈব য়ুমদোমংপোক অমগী মবেম্নি। অকোইবদ লৈরিব মীওই খুদিংমক্ক নুংঙাই য়াইফব ইমুং'ম শিংথানরকপদ হৌজিক্তি মহাক্কী ইমুংসিন তাইকোক্ত লৈরে। য়ুম্বান হৈবী মাসিগী ইমুংদ অৱাৎপ লৈতে। ফৌ-চেং হৱাই চেংৱাই, থুম থাও পৈদুন থম্মী। ইমুং মনুংগী নুংশিবন মহাক্কী থমোই চাংজৌ পাথোক্লিবী, মপুরোইবগী হমোইগী তৱা পোথাফম ওইরিবী মাসিনি। মিৱুপ অমত্তং নুঙঙক নুংজানৰ উবদ হংজে অহল ওইরব মপুরোইবন,

—কৈদৌরে নংবো ?

নশা ওমদ্রবরা ?

মাসিন খোইরুম তৌন খুমজ,

— করিসু তৌদে।

পাওখুমসিংখক্তন পেনজদে, নবশিংবই।

অহল মতৌ মাল্লক্তে। মাসিগী মচিন মেনশিনহি, অদুদগী মখাতাব ৱাহং লাকখিদরে।

খুঙ্গংগী লৌয়ামদু খোইদোক্ক-খোইজিনগ, ফৌবাল পান্নব হোৎনবদ চীংজিলগী মতমদদি থবক চিনখিবন মাসি নাব শংদে। মতমসিদ কন্ন হোৎনহৌদ্রবদি পোইনু লৌরোকপদ চং-থোকপ লফোই গেরান লাইরেম্বী থাদুনসু কান্নব ফংলোই। কুম্মীফৌ অঙনবদু লোকপদ লৈকাইগী অন্নাৎ অপা মেন্নব থোংজিন্দ লেপ্পরিব মচেম মনেমশিংগ ন্নারী ঙহাক শাগনি। মথোয়্নন লৌখিব ফৌগী হিশাব কোক্ত ইশিন্দুন থমগনি। ইংখোলদগী থোরকপ চুহি তিন ৬০০ গী পেশা যিভিদ চেৎন কিশিন্দুন য়ুমগী উপু অচৌবদ থমজিল্লি। মোরোক শংপাই ৪০ গী পৈশান ঙরাংত যৌদম্বি থাদোকখিবনি। শংপাই ৫ গী মমলদি মচেচৌবীন কৈথেলগী মমলদগী লুপা ১০ তান দিরকপগী হৌজিক ফাওব নিংদোল পোল্লি।

মরম ওকপ মপুরোইব নিংথৌন লৌ পরি ৪ মুক চাওব ইংখোলদুদগী পুথোরকপ মনা মশিং, শেবোৎ মাইরেল পাল হন্নাইনচিংব পুম্নমক মহাক্কীনি। কৈরোই লৈকাইদ মতেং মতেং ওইন লংথোকখিব শেলগী শেন্দোইতন কাইদুন চাবদ তুম্ব ঙম্নরোইদবী, কুচু কুমেন থোক্লবী মাসিনি। নিংথিরবী মাসিন সনান তেকথবমখৈ শিরগ কেদুন থোরকপদ লৈকাইন খুনিং কাংখৎতুন য়েংনৈ।

হৌজিক্তি মাসি, মহৌশাগী ওইব হৈনবী শাজৎ থাদোক্লে। ইংব তপ্প থোৎপ নৌব লমচৎ নাইবী য়ুমগী নুপী ওইরে। লৈকাইন তমজনিংঙাই ওইরে, অদুন ওইরমাল্লে হৌন থংবী মীনুংশি লৈবী শাগে জাৎকী মৌশিংন মাবু কল্লক্লে।

ঙসিদি ইখংহেক খংহৌদন মতৌ লৈরবী মাসিগী মাংদ ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা অম লেপ্পরে। মহাক হন্দক্ত মীরৈবাক্তগী লাইরিক তম্ব লোইরদুন থোরকপনি। সহরদগী তাম্নব খুঙ্গংসিদ মাংজপ্প্রবী মরি মতা অম থিরকপনি। ব্রাং চাওই, চুং ফিরাল চান ফজে। মঙোন্দ অন্নাৎপ লৈতে। নুপীমচাদু হেক উবদ মাসি পুমঙক ঙকখ্রে। য়াম্ন থগৎন হংলকই,

—কদাইদগীনো নংন তৌরকইসিদি ?

নুপিমচাদুন শকফম ইকায় কায়দন খুমই,

—য়াম্ন ব্লান থিরকইবনি।

—লাকও ইমুংদ চংসি। চান থক্লব থৌরাং তৌরুসি।

—ঐ চংলোই।

—চাক চখোম'ম চামিম্নরুসি হায়বনি।

—ঐ চাক চারোই।

মাসিগী মচানি খংলকপদদি লৈকাই অপুম্ব থবা য়েংব চেনশিন্নরকই। অয়ুক নুংথিলদ পোখাফম ওইব অচৌব কুমৈ ফিয়োং লৈতব খুঙ্গংগী লমদুদ থবাবু লাই মচাগুম য়েংনরক্লে। লাক্লিব মীওই খুদিংমক্ল থাগৎনরকই — ফজব হায়বদু অসিনি... ? চেপথ চেপথ য়েংনরি নুপী অঙাং খুদিংমক্ল। মাসিন মচা থবাবু লৈকাই মচে মনেমশিংগী মমাংদ লেন্নজরি।

মমাবু উব ফংজবদ পলেপফম খংদ নুংঙাই ঈপাক্ত তাওরবী থবা, মিৎফম হোংদ য়েংজৈ মমাবু। হৌজিক্তি মিৎলু অনিদ ঈরা চেল্লক্লে, থমোই নৌথোরক্লে, থিংব ঙমদ্রদুন খোঞ্জেল থোক্ল হিক হিক কপথোরক্লে। মদু উবদ মাসিন মচাবু মথানুঙদ চেৎন কোম্লদুন হায়রকই,

—করিগী কপ্লিবনো ইমাগী ইবেম্মা ?

নংগী নত্তৌ উবদ ইমাগী থমোই পুব ঙমদ্রে।

থবান শিন্থরিব পিরাংদু তৈথোক তৈথোক্ল খুম্নকই,

—ইমা, নহাক ঐবু থাদোকতুন চৎলিব করিগীনো ?

নহাক য়ুম পাল্লমদবন হেন্ন ফবনি।

থমোইনুঙদ লৈরিব ব্লাহৈশিংদু থবান মনিংতম্ম ফোংদোকপ ঙমখিদে। মহাক্ল পামজখি, মমা অমদগী মচা অমন ফংফমথোকপ নুংশি মিৎয়েংদু। অদুবু মদু মহাক্ল ফংব ঙমখিদে। অদুন ওইরমাল্লে মিকুপতুদ থমোই ফুকৎলকই; ল্লৈতোন

ফাজিনখি। ব্রা মচেৎ অমত্ত মখাতান ভাংথোকপ ওমখিদে। হিক হিক কপতুন অদুমক লৈখি।

চহি ১৫ রোম হৌগ্রবগী মতুংদ ভসিত অহান্ন উনবনি। অশুক নিংখিবী মচানুপী অমা লৈরি হায়ব কাওথোকলুই। থবান মমা মশক খংনিংলকখিমালে, মপাদ কয় তরুরুই। থবা পোকপ মপাবুংন থিংদুন থম্ম ওমদ্রদুন ভসিদি অপোকপি নমাদু উনজরুরো থারক্লবনি—'ইনাকখুনবী নুপীদু নমানি।' থবাগী মমান খল্লি, নুপী ওইবীশিংগী থমোইনুংদ লৈব অরোম্ন ব্লাবু মপাল থোক্ল ফোংলুব হৌনবরা? সনাগী তেজোত্ত হান্ন শরেংথোংবরু চানিংদব শংসারসিদ কনা লৈবগে?

খুম্নকই,

—অভাওবীসিদি, এ্রন তাল্লিব লন্‌-থুম সনা লুপাশিংসে নংগী ভাক্তনিনে।

থবান খোংফমদুদ চেৎন লেপ্লদুন হান্নরকখি,

—হুমা, এ্রহাক লন-থুম সনা লুপাগীদমক মফমসিদ লাকখিব নত্তে। ইমাগী মাইথোংদু অমুক্তং উজনিংদুন লাকখিবনি। হৌজিক্তি উব ফংজরে, নচা চৎচরগে।

মমাদগী লৈথোরকলবী থবা, মখোং তপ্ল-তপ্ল থাংদুন চৎপ হৌখরে। অপোকপী মমান থমোই কায়ন কৌজে,

—থবা......থবা...... ভাইথোমী নংবো।

খুম্নমদে, কপ্ল কপ্ল চৎখি—হুন্ন ক্ষাওব য়েংলমদে।

ইগো

মাংদ ঙৈরিব থোঙদু উবদ চপ লেপ্পী। তোর্ব্বান ব্রাংমদ লৈকোল'ম লৈ। লৈরাংশিংন ফুগাইন শাৎলি, থোইমুশিংন ঙংলরি। পুক্লিং থব্রাই হকচাং মঙোন্দ চেপথখি। লৈকোলদ লেপতুন কৌরকই মহাক্ল,
—ত্রাকওমি নংবো।
—লাকএ লাকএ।
লাম্থোকতুন চৎকে ত্তৌবদ থোঙদুন হায়রকই,
—পোৎলুম য়াওন লাপ্প য়াদে।
নিংশিংলকই কোকথোংনরিব থমোইগী পোৎলুম, উরকই নাকন্দ য়াল্লিব পুন্সি নম্বোদু। হায়জরুই চংশিন্দুন চানবিনব,
—নাকন্দ য়াল্লিব পোৎলুম মচাসিদতি পুজগে?
থোঙন খুম্মী.
—শুকয়া য়ারোই।
লৈকোলদুদ লেপ্লদুন ইগোন কৌরকই অমুকসু হন্ন,
—লাকও, থেংখিব তারে মতমসি।
থমোইবু ফাজিন্দুন থম্ম ঙমদ্রে। ইগোগী মশক উরুবদ পুক্লিং ব্রারকপ ঙমদ্রে। মালেমলৈদ থারে লব্রাইথক্সী কোকথোং, থন্সে নাকন্দ য়াল্লিব নম্বোসু। ইনিংতম্ম লানব হৌরে থোঙদু পোৎলুম য়াওব য়াদব। ময়াই য়ৌশিল্লকপদ খংতেক তেকথখি, ঐন পাখ্বন লাওখি,
—ইমা—!
ঈশিংদ জোম, ঐ মিকপ থোক্লে।

মুর্তিশিংন করি হায়রি

কাদ লৈরিব মুর্তিশিংদুন হৌন হৌন লাওরকই,

—ঐখোয়বু ফাজিন পুনশিন্দুন থম্মীরিব করিগীনো ? থুদক্ত ঐখোয় অপুম্ব থাদোকউ। ঐখোয় য়াম্ম ৱারে।

—করিনো নংন তৌরিবসি:বা ? নহাক মীনুংশি য়াওদ্রে, থৌজাল লৈত্রে। করিগীনো নহাক্ত ঐখোয়বু মীনাই ওইন য়োন্থোকপিরিবা ?

—মুর্তিশাব, নথন্নত হিংনব হে'ৎনবদ ঐখোয় অপুম্ব অৱাফমদ তাহল্লগে হায়রিবরা ? নথন্তনদি থুন্নাই'ম শেম্ব য়ারোইকো।

— নংন তৌরিবসিবু করিনো ? ইথোং অনিমক ফম্নাকসিদ ফাজিন্দুন থম্মীরে। ফাজিল্লিবসি থাদোকও, ঐখোয়'পুম্ব লেংব ওৎপ ঙমহল্লো।

—নহাক্ত ঐখোয়গীদমক করি তৌবিরবগে ? মপী·মপা ওইবীরগ তুমিন্ন লৈথোক্লিব করিগীনো ? নথন্তগী থনগনো, ঐখোয়গীস্ থর থনবীয়ু কৈদৌবগে ?

—নিংখিন শেন্নী শাবীব ঙম্মোইদব লৈরবদি কৈদৌবগী মপী মপা ওইনিংলিবনো ? কৈদৌবগী ঐখোয়বু মুর্ত্তি ওইন শাবিরিবনো ?

—তুমিন্ন লৈথোকপ য়ারোইঁয়ে, ঐখোয়গী পাওখুম পিগদবনি। নুংন থারকউরো; নোংমৈ কাপশিল্লকউরো; নথব্রাই মাংজনিকো।

—ঐখোয়গী শেৎনব পিগদবনি; চানব পিগদবনি; লৈনব য়ুম শাগদবনি। ঐখোয়দ থব্রাই হাঙ্গো, নত্রবদি খুৎ থোক্লুরক্কনিকো।

—ঐখোয়সু নখোয়গুম্ন হিংবগী মহাও খংন হিংনিংঙে। নিংব থুংদ চদৎনন হিংদোই সরুক ঐখোয় শিজখিবন ফরে। ঐখোয়বু হান্তোকপিরো, ব্রান থাংহনবিরনো।

লাওরিব লাংলিব ময়ামশিংদুগী মরক্তগী য়াক্ল নাইতোম থিনগৎলক্লিব ব্রাহৈশিংদুন মুর্ত্তিশাব নিপাদুগী থমোই পোথাফম খংহন্দ্রে। তুমিন্ন অসুম লৈথোকপ ঙমদ্রদুন ময়ামগী মাংদ থোরক্লে। খোঞ্জেল পৌন হায়রকই,

—তাও মুর্ত্তিশিং, ঐন নখোয় খুদিংমক নিংখিন শেন্নী শাবীরব ঙাক্লি। অদুবু ব্রাকৎ ময়াম'মসু লেপ্ন লৈত থাঙ্গৎলি। থাঙ্গৎলিব ব্রাকৎ খুদিংমক ঐন লোইন পিব ঙম্মোই।

নখোই খুদিংমক্কী নিংব থুংহন্নবদি ওইথোক্তে।

—অদু ওইরবদি ঐখোয়বু কৈদৌন পোকপিরিবনো ? ঐখোয়গী নিংব থুংহন্ন ঙম্মোইদব লৈরবদি নহাক খুদক্ত মুর্ত্তিশাব তোক্লো।

—মদু ঐ ঙম্মোই। ঙম্মোইদব ব্রাকৎ থাঙ্গৎলক্কনু।

—করিগী ঙম্মোইদৌরিবনো ?

—শিন্থাসি ঐগী থব্রাইনি। শিন্থাসিন ঐ হিংলিবনি। মসিন ঐগী ইমুং মনুং নুপী অঙাং থাক্লিবনি। মসি পাংব ঙমদব নুমিৎতু ঐগী অরোইব নুমিৎনি।

—অদুওইরবদি ঐখোয় খুদিংমক্তসু থব্রাই হাপপু। মুর্ত্তিশাব, ঐখোয়সু নহাক্ল হিংনিংলিব অদুগুম্ন হিংনিংলি হায়ব নহাক

থংউনে ।

ওহাক ব্রাখল তৌরব মতুংদ মওক নোম্নদুন মুর্ত্তিশাবদুন খুম্নকই,

— মদু ঐ য়্যারে ।

—ঐখোয় খুদিংমক, ঐখোয়গী অপাম্ব মওংদ লেপহললু ।

— মদুসু ঐহাক য়্যারে। অদুবু মসিমদি থংউ মুর্ত্তিশিং, অপাম্ব অম থনখ্রব কনাগুম্বন অতোপ্প অনিগুব অপাম্ব'ম হন্দুন খম্ব য়্যারোই ।

— মরমদি ?

—মরমদি মদুদ ঐহাক্ক থব্রাই হাপ্প ঙম্বগী শক্তি লৈতে ।

মহাক্কী ব্রাদু তাবদ মুর্ত্তি পুম্নমক্ক লাওনরকই, — য়্যারে... য়্যারে... ব্রাফমদুমদি ঐখোয় অপুম্ব য়্যারে । মুর্ত্তি অমন মরক থৎন হায়,

— মুর্ত্তিশাব, ঐখোয়বু লেংব ওৎপ ঙমহললু ।

মদু তাবদ মুর্ত্তিশাব নিপাদুন নোক্লদুন খুম্নকই,

— মদুদি কদাইদগী য়্যাগনি ।

— করিগী য়্যারোইদৌরিবনো ?

— মুর্ত্তিশিং, নখোয় মুর্ত্তিনি হায়ব নশান নশাবু কাওথোক্কনু । নপুক্লিংন খোইদাব শক্তমশিংদু নশা নশান পামজন থনজখিবনি । ঐন ঐগী পুন্সি শিস্থা পাংবগুম নখোয় খুদিংমক নশান নশাগী পুন্সি শিস্থা ফম্বাক মথকসিদ পাংথোক্কদবনি । লেংব ওৎপগী থবক কয়া অম অতোপ্প মুর্ত্তিশিংন তৌরি । মখোয়সু নখোয়গুম্ব নুংঙাইন ফম্বাক মথকসিদ লেপতুন লৈনিংই । অদুবু য়্যাদে, মদু য়্যাদে, শিস্থা ওন্নব য়্যাদে ।

মুর্ত্তিশিংন ফম্বাক মথক্ত করিগুম্ব'মগী মওং শক্তম লৌবদ মাল্লিব অদুমক থব্রাইনি । অদুন ফম্বাক্ত নখোয় খুদিংমক লেপকদবনি, মাম্ন লেপকদবনি । নখোয়ন ফম্বাক্তগী কুমথব; লেংব ওৎপ ঙম্ব; নখোয়ন লৌরিব শক্তমদু মাল্লকত্রব অমসুং

শোইমাইরক্লব নুমিৎতু নখোয় খুদিংমক্কী অরোইব নুমিৎনি খংই।

মদু তাবদ থমোই য়াম্ন শোক্লব অহল ওইরব মুত্তিমন হংলকই,

— মুত্তিশাব, তায়বঙপাল্লসিদ লৈরিব থবাইপান্ন অমসুং পান্দব খুদিংমক মশা মশাগী শিন্থাতমক পাংথোক্লব থারকপরা ?

— উম, মাম্নি থারকপনি।

—অদুওইরবদি নহাক্ল হৈ-শিংন ফম্নাকসিদ ঐখোয়বু লেপহল্লি অমসুং ফমহল্লি। নহাক্ল ঐখোয়দ ফিজেৎ পিরি; থবাই হাপ্লি অহিংবশিংগী মতৌগুম তশিব ঐখোয়দ অদুগ হোংব য়াদ্রব শিন্থা পিরি। মসিমক ঐখোয়ন পামজরুবনি খন্ন শিদ্রিবফাওব পাংথোকপ তারি। মরমদি ঐখোয়দ পিব হোংফদ্রব শিন্থানি। ফম্নাকসিদ ঐখোয়বু ফাভিন্দুন থম্লি; কুমথহন্দে; লেংব ওৎপ য়াদে। মরমদি মদু নহাক্কী তৌব ঙম্ন শক্তিগী ব্রাংমদনি। ফরে, হৌজিক্তি নহাক্কী ব্রাফম খুদিংমক ঐখোয় খংলে। অদুবু মসিমদি খংবিয়ু মুত্তিশাব, নংগী তৌব ঙম্ন শক্তিগী ঙমখি মতাং অসিদ লোইরে।

— করম্ন ?

—নহাক্ল ঐখোয় পুম্নমক্কী থবাই পিব নত্তে, থবাই লৌবনি। থবাই পিব ঙমদব নংন থবাই লৌথোকপগী অধিকার লৈতে।

— কমদৌন ?

তাৎ তৌব, ওইদব ভাংব, লৌনম তৌবগী মাইখুমদু লৌথোকউ। নংগী মিত্রংদুদ ঐখোয় মতম কুইন পংথদুন লৈব ঙম্লোই।

ঐখোয়ন পামজবদি অহিংব'মগী থবাইদুনি, হিংব মাম্ন থবাইদু নত্তে। নহাক্ল মতমসিগী, য়ুগসিগী অথোইব আর্টিস্ট, মুত্তিশাব নিপা'ম ওইজরবসু নহাক্কী চেতনাগী শক্তিন অশিবগ অহিংবগ খেম্নবদু উব ফংদ্রে। মতমচুপ্পদ শিরব, হিংব মানবশিংবু নংন থবাইপান্ন অহিংব ওইন লৌরে।

মসিমক ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

অদুগ মসিমসু ঐন উরি, থব্রাইপান্ন কম্নাসু থব্রাই য়াওদবগুম্ন। অদুবু থব্রাই য়াওদ্রব; লেংব-তৎপ ঙমজদ্রব; মখোং মখুৎ পুন্সিন্দুন থদ্বীরব মুর্ত্তিশিংসিদি মশা মশাগী শিঙ্খা লেপ্ন লৈতন পাংলি। লেপলি থব্রাই য়াওদ, থব্রাই য়াওব মাম ফম্নাক মথকসিদ শিব ঙাইরি। নহাক্ন মখোয়বু য়োন্দুন চারি, মখোয়ন নুমিৎতুবু ঙাইরি। মালেমসিদ নুমিৎতুবু ঙাইদুন লৈরিব মুর্ত্তিশিংসিন করি থব্লি? মুর্ত্তিশাব, মখোয়গী ব্রাখললশিংদুন নংগী লাইবক লেপকদৌরিবনি, চেকশিনজৌ।

মুর্ত্তিশাব নুপাদুন মখুৎত পাইরম্ন পাইজ নুংথং লৈমাইদ তপ্ন থম্নে, মুর্ত্তিশিংদুদ শংত্রিক য়েংলকই। অদুদগী ব্রাখল তৌরকই, মুর্ত্তিশিংসিন হায়রিব্রসিবু করিনো? ব্রাকৎ ময়াম'মন নাকোংদ শিংজান য়েরকপগুম তৌরকই। লৈমাইদ তপ্ন ফমথখরে, অদুগা মনাকোং মেনশিনখরে, মমিৎ উইশিনখরে, তুমিন্ন অদুমক লৈথোকখরে।

থম্মোই লাইনা পল্লবী

চিঠীখেলা য়াওদব মীদ চিঠীখেলা ফাওব হৌনদে। লমকোইবগী নুংঙাইব, কোইরুব মীতন খঙ্গদবনি, কোইব য়াওদব মীওইশিংন ফংব খক য়ারোই। রাখলসিন কোকসিদ থেংলব মিকুপতুদ হৌদোকলুই,
—ঐখোয়সু নোং-ফাদোক্তি ইনিং-ইখা তম্ন লম কোইরুব য়াই। নুমিৎচুপ্প ইমুং-মনুংগী, লৈপাক্কী, লৈত-লাইরগী রাখলদ পুন্সিসি ইফক ফকচিল্লে।

মনিংতম্ন ফংজদ্রব মকোক লুমথরব সাহিত্যগী মীফমদুদ য়াওরিব মীওই খুদিংমক মিৎ-না খংশিং শিংনরকই। মখোয় খুদিংমক্কী অপাম্ব ওইরম্মী। য়ৌ য়ৌ ঙাংনরকই কোইরুসি ... কোইরুসি ...। মীফমদুগী সভাপতিন নাতোন শুমাংগী কোইয়ামদু অমুক্তং রাংন থাঙ্গৎলগ অপৌব খোঙেলদ খুম্নকই,
—য়াইনা, নোং-ফাদোক কোইথোকতুন মহৌশাগী ওইব ফজবশিং লোম্ন অমসুং ফোংন লৈরিবশিংসি য়েংলগ পুক্রিং হুকচাং তেকখৎহন্ন তঙাইফদে।

সর্‌া দেবীন হংলকই,

—ঐখোয় পুন্ন চৎকদবর ওঝা ?

—চৎকদবনি।

—অদুওইরবদি ঐসু য়াওগনি।

প্রমোদিনিন মখা শমথরকই,

—খর নানব গাড়ি অম ব্রাইসি ওঝা। খোংচৎসি য়াম নুংঙাইনি, ফজব কয়া য়েংলুনি নুংশিব কয়া থিরুনি, লৈরম থোক্লবদি থমোই পেন্নিংঙাই ওইব অব্রাব থৌদোক কয়া, মদুসু লেম খক হুন্দোক্লমলোই। মরমদি, ঐখোয় সাহিত্যদদি পুন্নমক ইচন চন্নে।

লম-কোইবগী থাঙ্গৎচরুব ব্রাফমদু সভাপতিন অয়াব পিথোরকই। হরাওন নুমিৎ লেপথোক্লে, শেনখাই পাথোক্লে। শ্রীনোবেলবু অশিল অরাংগী থৌবুরেন হাপচিল্লি। পুকচেল খোইজেল তিন্নন পাংগদব থৌরম খুদিংমক খন্ন নৈনদুন য়াংশিল্লি।

নুমিৎতু খা হারম পাংন নুংঙাইরুব আশা অমদ গাড়িদু থৌথখি। সাহিত্যগী মীওই ঙাক্তনি, সাহিত্যগী মচাক থিব চৎলিবনি। চান্নরব মরুপ মপাং খরদি তাঞ্জান য়াদবন লৈহৌরে, অনৌব খরমন খুদোংচাব য়েংদুন হাপচিল্লি। ব্রা ব্রা নোকতুন চৎখি খোংবুদু নুংঙাইন। লৈহৌরব মরুপ মপাংশিংগী নুংঙাইতব ব্রাখলগী মমি হৌজিক ফাওব শ্রীরঘুমনিগী মাইথোংদ তাক্লিবদু উরদুন সুনিতান ফাগীদুম তৌরকই

খোংচৎসি নুংঙাইব ঙাক্ত নত্তে

অব্রাবসু য়াওরি।

মহাত্মা ব্রাদু তাবদ মচে সনান হংলকই,

—মচেৎ ময়াম পুনসিল্লগ শাব মপুমনি অসিরা ?

- হোই ইচেবেম্মা, অদুম্ন হায়সিরা? মচেৎ খরদি চৎলিব খোংচৎ অসিদ শিংকুপ শান কাইদুন লৈহৌরে।

-- কায়ব তোইবগী ব্রাসি থগুমসিদ ইবেম্মা, নুংঙাইতে।

শুনিতান মচেইবেম্মা য়েংলদুন অমুকসু হায়রকই,

—ইচেইবেম্মা, কায়ব তোইবগী ব্রাসি সাহিত্যদদি ওহোক্র ফজখ্রব মচন্নি।

—ইনাওইবেম্মা, ফনমক ফজব মচন ওইদুনসু পুন্সিমবু মচেৎ মচেৎ থোক্র থুগাইবদু ঐদি পামদে।

লমজাও য়ৌরকপদদি খোংচৎতুগী নুংঙাইব মপাল থোকপ হৌরকখি। সর্রা দেবীন খুদোঙ্গী থিত্তুন নরক থৎলবই,

—ইস! থম্বাল ময়ামসিদি!

কদাইদগীনো ঈমায় চোন হৌব থম্বাল ময়ামদু উরুবদ ফজব উব য়াদব লাইনা পক্রব ময়ামদুন লাওনরকখি — গাড়ি খামখো ... গাড়ি খামখো . । গাড়ি খাম্ব ঙাইঙমদ চোংথনৈ, লৌতাংশং তম্ন ফুজনৈ। মপাল নক্র হৌরিব থম্বাল ময়ামদু মান মান অপাম্ব খন্দুন ঈপাক্ত চোংথদুন হেক্ররক্লে। লাম্ব ফংদব অরুব ঈপাক্ত হৌব পোমশাৎনরব থম্বালশিংদু উরুবদ নিংব কায়দুন কাখৎলকপ নিপাম উবদ. হাঙীদুম তৌনরকই —
'মনাক নকপ খুৎন লাম্ব ফংব অপৎপ ঐখোয়দুম হেক্ররো।'
ঐন ওনশিন্দুন য়েংলুবদ মায়থোং থাজ ল্লোৎখি, মশক খংব ঙমহৌদ্রে।

থম্বাল ময়াম পুদুন চৎলিব ভুনাম্বদু উবদ প্রমোদিনিন হংল্লকই,

—নোবেল্ল, নহাক্কী থম্বালশিংদু কদাইদ পুদোইনো?

নোবেলন নোক:ফৎ তৌন খুম্লকই,

—ইচে, অকরুব মফম লৈতেদ। চুম্নতগী মীহৌ চাওবী'মগী থমোই মশক খংগে ত্তৌবনি।

পাওখুমদুদ প্রমোদিনিদু খোঞ্জেল হৌন নোক্লকই,
—রঘুমনি ... রঘুমনি .... ইপব্রাগী পাওখুমসি মরিক চুমই। থম্বাল পুরিংঙসিদ ফোটো অমত্তং কাপপু, নিংশিং খুদম থম্ব কান্নগদব মাব্রি।

রঘুমনি চেল্লকত্নন মাংদ লেপ্লরে, নিংশিংখুদম কয়া লৌরে। হল্লকতুন বস ময়া য়ৌরকপদ মফমদুদ হন্দুন য়েংল্লুই। খংহৌদন ঐগী ব্রাখলদ পুঙমদ্রব চৈথেং অম পাইথিল্লকই। "কদাইদগীনো ব্রাখংদব ফজবত পাম্ব সাহিত্যগী খোংবু'মন মফমদুগী ফজব ময়েং তাহল্রে। ফজব মাংহল্লগ অব্রাবঃ অথিবঃ হাংহৌরব শক্তম'ম থম্বীরম্নে। নিংব কায়রবী ব্রাকৎচব ঙমজদ্রবী, মপাং কায়নরবী থমোয়'মন অব্রাব ফিবমসি উরুবদ করি ওইন খন্নমগনি?"

কোক চিকখৎলকই, নিংকোক নিংকোক বসকী মথক্ত অদুমক কাখৎলে।

অদুদগী ঐখোয় পুন্নমক থুংলরে য়াওন শুরব লৈহাও লৈরেন মখোংদ। চহি ১০০ চুপ্প শিদুন লৈরুরব অকংব উপালনি। তম্ফা লাইরেম্বীগী লাইশং নাক্ত ইবুধৌ ব্রাঙ্ বাজিন থারম্ব অকংব লৈহাও পাম্বীসে অশংব ফিজোল হোংদোক্লম্নে। লৈহাও লৈরেন ফুগাইন শাৎলম্নে। উপালগী মখোংদ লোৎতুন থম্লিব অঙৌব মোইবুং'ম লৈরিবদুন থৌনাফব কনান খোংলগ করম্ব থমোয়বু শুম্নগদৌরিবা?

লমিৎ তুমিৎ থিগৎপদ থব্রাই কৎথোকচরব শ্রীমেঙ্গোরন হংলি, ইরি পাওখুম খুদিংমক অপৌব ময়েক্ল মশাগী ডাইরিদ।

—খুন্দিন্নখিব লাইশিংদু খংজব য়ারোইদরা খুড়া ?

—য়ানি ইবুংঙো। লৌরেম্নম খোংনাংথাব, কোনোক থেংগ্রা, মবুধৌ ইবুংঙো ৱাঙ্ব, ৱাজি, মোইরাং লালহাম্ব, শাম্মুরৌ চীংখোংলৈ, লাঙ্গোল লুখোই, অমসুং হিরু থাংমাইবনি।

—খুন্দিঃখিবগী মরমদি করি ওইরম্ব য়াবগে ?

লাইপান্নবদুন খুম্নকই,

—ইবুংঙো, ৱাঙ্ব খোংনাং অচৌব, তুরেল অচৌব ঈচেকথিংন তুরে, নোংপোক থোং হাংলনি নোংচুপ থোং থিংলনি খংলবরা ? ইবুধৌশিংন তাংখুল হুইজাওগুম উহন্ন পাম্ন কৈজাও তোংদুন সনা লৈপাক্ত শাফোংলরনি, কুইররোই। লৈপাক অসি ৱাদৌরিদ মরকসিদি।

লৈমাইদ চোইন তারিব লৈরাং লৈনাশিংদু খুল্লদুন পুক্রিং অনি লোংদ মৈতৈ অশৈবশিংদ থমোয় লৈকৎ তমজরিবী সর্লাদ হংলুই,

—সর্লা, করিনো ভৌরিদুদি ?

—খুল্লগ য়ুমদ পুগদৌরিবনি ওঝা।

—লৈনমবু চেক্লিবরনে ?

সর্লান নাতোন শুমাংদ থম্নগ মমিৎ অনি উইশিন্দুন নুংশা শোর শাংন চিংখৎতুন মনম নম্নগ মখা তান খুম্নকই,

—মনম মাংদরি ওঝা, অশেংব লৈহাও লৈরেম্নি।

মহাক্কী চম্নব ৱাহৈশিংদুগী মনুংদ চেক্লিব অর্থদুন হেন্ন ঐগী থমোয়ন নুংশি। অমুক্তং মতোল লোম্ন লৈহাও পাম্নীদু য়েংলম্নগ তপ্ন তপ্ন চীংখাদ কুমথরকই। ৱাখলদ মসিমসু লাকখি, ঐগী পংজরবী সর্লান মতমলৈবখিবিক্ত অর্থ অনি লোংব মৈতৈ অশৈবশিংগী ৱাহৈশিংদি মমৈ লোৎলি হায়ব খংলমগদরা ?

কৈবুল লমজাও য়ৌরকপদ মৈতৈ লৈবাক্কী শঙাই, য়েংনিংঙন কাখৎলুই অৱাংব চীংথক্কী টৱার, অদুবু উব ফংখিদে। নারক্ত শিংলক্ত লোৎতুন লৈরমগনি খন্না চেপথ চেপথ য়েংলুই হাবুং মোংশোং পাৎকী শিংমুৎ অমসুং পৎথ পুমথরব ফুমশিংদুদ। মরক মরক্ত খুঞ্জাগী শমোকশিংঙন শজিক চারিবশিংদু উবদ শঙাই ওইরবোই নিংঙন পুক্লিং লাংতক্লহল্লি। বসকী চিদাহৈদ ফমদুনা লৈহৌবী'মন হায়রকপদু অচুম্ব ওইরম্মে — "লৈকংলা ওইরবনি মফমসিসু য়েংশিনবিনব লৈতবন।" চুম্মতগী হকচিক লাংৱ লাকখিব নত্তে থমোয়দ মৈচাক হাপ্পব। য়েংনিংঙুন উননিংদুন লাকখিবনি মৈতৈ লৈবাক্কী শঙাই অদুবু থমোয়'নুংদ লৈব অরোম্ব ৱারিঃ ফোংদোকপ য়াদব পুক্লিংগী ৱাঃ নিংশিংলক্কনি, মৈশা লাংগনি অসি খন্না উননিংদ্রে মতাঙুম ঙম্মমক নাথৈদুন চৎখ্রমালে। ঐঙোন্দদি উনদবসিন হেন্না মৈশা লাংলে।

থাঙ্গ করাং ঈথিং পল্লান্ন চৎলি ফজব খিৱ। নিংশিংনৈ করাঙ্গী চীং উবদ, অদুঙৈ হাওব পাখং'মবু মশানৌ মান থিজখিব — "করাঙ্গী লফু মখোংদ থাম্বী মৈখু খুৱিব নংবু কনানো?" শ্রীরঘুমনিন হায়রকই,

—হংনিংলম্ব য়াই কাইনখ্রবী কনাগী থমোয়ন, — 'চান্নৱ মহাক অদুবু লোৎতুন হাওব পাখংগুম লৈরমখিগদরা চিন্নব করাঙ্গী লোকনুংশিদ?'

—য়াম্ন চুশিন্ন ফজখ্রবগী ৱানিনে? শুনিতান খুমকই, অদুবু ঐদি য়ুগসিদ থাজব ইঙম ঙমদ্রে।

—থাজব ঙাক অচুম্ব নত্তে। প্রম্মেদিনিন হায়রকই।

— হায়বদি?

—হায়বদি, লোক্তাক লাইজ ঈপাকসে লেপ্প খুম্ন নাইদ ঈনোৎ কারি, হানৌন লেং-লেং চৎলি। তাম্নব মফমশিংদ লমগী চেক্লাশিংন চাক্তাররিবসি উরবরা? য়েংও — উপাল ৱাপাল মনা মশিং লোইর্নে য়েনিং হুল্লে। মসিদ থমোই মশক তাক্লিংলোইদব; ঈহৌরকপ কনাগী পুক্লিংগী ৱা লৈরমোই খুম্নসিবু চুমগদরনে?

ৱাহৈশিংসি তাবদ শ্রীমেঞ্জরন মরক থৎলকই,
—সাহিত্যগী মীওই ভাক্ত ভাইরবনিন মতমচুপ্পদ ফজবগী কৈথেলত কাদুন লৈরে। চৎলসি সেন্দ্রাগী টুরিষ্ট হোমদ অমুক। সাহিত্যগী মথেল ওইব য়াব অনৌ অপেৎ থরা অমুক য়েংলুরসি।

সেন্দ্রাগী টুরিষ্ট হোমগী মচি মরুমদ নৌন ইনখৎলক্লিব পাখং লৈশাশিংগী মতৌ উরুবদ নুংথিল পোবোবত মংলাক্লরবী মচে সনান হায়রকই,

—চৎলসিব কৈদৌবগে। মোইরাংদ চাহুবী মরুপ'ম লৈ, মখোয়দ ওহাক চংলুসি।

মোইরাং কৈথেলদগী লৈশিল্লি হৈকক য়েল্লি। পোমিৎ উবী ইমা ইবেলশিংন পোৎকী মমল কাওখৎলি। লেপতুন লৈরম্মী থৌনাফব নেতাজী, ভসিংহাংব মরৈবাক্লীদমক খোংফম চেৎন। হায়বগুম তৌরি ঐখোয়দ করিগুম্ব খরা — 'করি ওইফম থোকপগে' ৱাখলদ থমোইসি লুমথরকই।

শ্রীরঘুমনি ইবুংঙোন মমি ফাজিল্লি খুরুক হাংদন, নিংশিং খুদম ওইনবনি খুম্ন। শক্তম তাব তাদব ঐখোয়দি খংদ্রে। মতৌদি ফন মানখিবনি — লৈম-নিংখৌগী মচা মগুম শরুক য়ারিব মীওই খুদিংমকতু।

হৌজিকশু নিংশিংলি, মিৎত শং-শং উরি — থাংজিংগী চীংখোংদ কাংবাই খুঞ্জাশিংগ শানখিব ব্লারী। চোকথরব খোংশাশিং লোক্ষী ঈশিংদ লুপশিন্দুন; চীংদোন্দগী ছুমথরকপ ইংলব মালংগ মাইয়োক্লদুন অব্লা পোথানখিব। মতমগী অরোম্ব; পুক্লিংগী ব্লা; লৌকোই পাৎকী ফজব; মরাল লৈরব থমোই; নুঙদ চেম্ব ঈচেল; খংদ উদব শাশিহব; তৌশিন্নব পুম্নমক কুমৈনি কুমৈ। লমাংদোংগী শোইবুম, কংলায়েনগী মহাও, ইতিহাসকী ম্বুখল হায়দোকত্নুন য়েংলুবনি বিষ্ণু টেমপল। নুমিৎন চীংয়া তম্নকপদ ব্লাখলগী মনিংতম্ব মাংখ্রগনি খল্লদুন ইরমদম তম্ন গাড়িদু নুংশিৎকী মঙাং থান য়াংন থৌরকখি। চৎন চৎন হংলকখি খোঞ্জেল'মন,

—ফজব হায়বসিবু করিনো ওঝা?

ফাগী তৌরুই,

—থীদবদু ফজবনি।

—মদুমক্ল মতিকচাব পাওখুম ওইগদরনে ওঝা?

—অদুওইরবদি তারো — য়েংনিংব খংনিংব অপাম্বগী ঈখৌলাংবন হন্থব লৈত্রব, অদুম্ব পোৎশক'মগী শক্তম্ন থমোয়বু রেম্ব খম্ব লৈত চিংশিন্দুনত লৈব পোৎশক অদু ফজব হায়বদুমক ওইরে।

ময়াম মরক্তগী অমন অমুক হংলকই,

—অদুওইরবদি ওঝা, ঙসিগী খোংচৎশিদ ফজব কম্নাম্ন উবিরক্লবগে?

—উরুব খুদিংমক ইফদ ফজেদ।

—ঐঙোন্দদি লৌকোই পাৎন থব্লাইদগী হেম্ন ফজেবু ওঝা?

—মুম্ন খন্থখোদ নংবো, থাঙ্গ কব্লাঙ্গী মহৌশাগী ওইব তোপ-তোঞ্ন মফজ লৈবনি।

ফজব পম্ব য়াদবী মৈশা লাংলবী অমন অমুক মরক থৎলকই,

—নখোয় ময়াম ফজৈ হায়নরিবদো ঐভোন্দদি অমত্ত ফজদে।

পাওখুমদুদ অমন অমুক খুমকই,

—কৈবুল লমজাও, থাঙ্গ করাং, সেন্দ্রা, কৌবরু চীং, লৌকোইপাৎ য়েংবদ ফজন উব ঙমদ্রবদি মিৎতু লায়েংদব য়াদ্রে।

পাওখুমসিদ থমোইদ মৈ চুবগুম থোক্লবী, খোয়দৌ শাওগৎলবীদুন হায়রকই,

—অদুবুদি খংগনি, মথংগী সাহিত্যগী মীফমদ নখোয়গী ফজবশিংদু ঐ লোইন মাংথোকপিগে।

এনবু হায়রুই,

—ইবেম্মা, ফজবদি অচুম্বনিঃ ফজবদি লেংদবনিঃ ফজবদি লৈখা তাব লৈতে। ইবেম্মন ফজববু মাংথোকপ ঙমগদব খুৎই অম মথংগী চেফোংদ পুথোকপিগনি হায়বসি তাবদ য়াম্ম নুংঙাইজ, য়াম্মসু থাগৎনিঙাইনি।

—ফজব হায়বসি ওঝা, থমোই থমোইগী মখা পোল্লি।

—অদুওইরবদি ইবেম্মগী থমোইদু লাইনা পক্লে। অদুননি ফজব কয়া ফজন উব ঙমদ্রিবদু।

ঐগী মরাল লৈত্রব ব্রাহ্মেশিংদুদ মহাক ব্রারৌখিমালে, মখা তারকখিদ্রে। থমোইদু নৈথেকতুন চাকপগুম তৌরকই। নিংঙমদবগী, শাওনিংবগী ঈন ফুকৎলকতুন মমিৎ অনিদু কোরিমুক ঙাংলকইঃ খাংঙমদবদগী মিৎলু থুম্ম ঈরা চেল্লকই। অদুদগী নুংশিৎকী মমাংথান চেল্লিব গাড়িদুগী নাকন্দ লৈথোকতুন অদুমক লৈত্রে, অমুক ওনশিল্লকখিদ্রে। ব্রা-ব্রা নোকতুন ফজব কয়াগী মরমদ লৈশি লৈথোম্দুন ঙাংনরিবশিংদুদ মহাক্কী শরুক য়াওখিদ্রে।

অরা নুংঙাইন পুন্সিন্দুন শাখ্রব পুন্সিসিদ শরুক তথ্যাই'ম মাংজগ্রবী, শোক্লব মহাক্কী থমোইদ নুংশিহৈতবগী শা:জেন কন্দুন মরমচাদ শান্নরুরিব করিগীনো ? মহাক্তি ফজব খিব লাকপদ থমোইদ চৈনা ফংলবী, নিংব কায়রবী থমোইদ লাইনা পক্লবিনি হায়বদি ঐখোয়দি করম্ন খংলুগনি। নুংশি ঈপাক লাম্বদ হিরুবাক্ত ফমদুন অতিয়াদ থোকপ থাজবু মতম্বাক্ত পমজগে খঞ্জরুবিনি, নোংদম্ব মহাক্কী তমথিন নোংই:ন হুম্নকপদ থমোইগী থাজদু নান্থোকতুন ঈরোলনুংদ তাংগ্রবী ; হিনাও শাবীনব লৈত্রবিনি হায়বদি ঐদি মিকুপসিদত গখংই।

উপু শো

'ইমাইপেম্ম, থবক য়াম্ম চিল্লিন সিদি! ঙক লৈথোক্লদে—মি! পুক্রিং ব্রাথল থব্রাই থবক্ত লোইন লুপশিম্নব!' ঙাইঙম্মকত্রদুন কুইন মাংদ লেপ্লিবীদুন,

—থবক য়াম্ম চিম্নীবরা?

—উমঃ চিল্লি।

ওক্তি হাইগৎলক্তে।

—ব্রা অমত্ত হায়জগে।

—হায়ম্নু।

—উপুসি শো অমুক্ত হাংবিয়ু।

—করম্ম উপুনো?

—মাংদ লৈরিসিনি।

হংকৎন য়েংলুই – হায়গ লাইত নিংথিন পিরব, লাওতক তৌব মিৎয়ানি, লোংথেক থেক্লব আই লিড'শিংন কুফেৎ কাফেৎ তৌরদুন, লৈশাবী শরীদুন মখা তারকই,

—অমুক্ত হাংবিয়ু কৈদৌবগে।

চিনপ্পব মতমদ য়েৎলবদুদ খোইদৌ শাওগৎলব নিপাদুন মিৎচিন হায়ফেৎ য়েংলগ শাওরপ্প চৈরকই,

—নশক্ল মরোল'ম ফজরিব, নতৌন মরোল'ম চৈরিব, নশান মরোল'ম ফরিব, উপ্পুদুফাওব হাংব ওমদ্রব ?

শকহেন্নীদুন হেন্ন নক্ল চংশিল্লকতুন খোঞ্জেল লুম্ম খুম্মকই,

—হো—ওমজদ্রে, অদুনবু হায়জরিবনি। কল্লকপ্রা ?

কলমদু টেবলদ তপ্প থম্লে, মিৎচাঙ্গন য়েংলুই। ওষ্মোকপনি ব্লাংতক তৌব চীংমাই নাপোমগী অমংব নোংলক্ত থোক্লিব থাজগী মেংলব মঙালন থমোয় মনুং ফাওজিল্লক্লব ! থহি, কলকই খুম্মবদি করি থোক্কনি ? কলক্তে হায়ন মতেং পাংবিদ্রব, করিদি ওইনি ?

জিং জিং ··· জিং জিং ---- জিং জিং···

—চাওব :

খংপ্রেক খংই। খুমজে,

—সার।

—কৈদৌরে ?

—উপ্পু শো, ঐদি হাংলোইদ।

ওফিসকী বোসতুন শাওরপ্প লাওরম্মী,

—হিশাপ অপুম্ব লোইন হম্মব তারে।

হেব এ গ্লাস ওফ ব্লাটর এন্দ টেক্‌ রেষ্ট।

মতুম তাশিল্লব য়োৎ

—কমদৌরিগে নংবো?

—নুংঙাইরি। মংদি?

খুম্নিংদ খুম্নিংদ খুমহৈ,

—নুংঙাইরি ঐসু।

—লাকখোদন ঙহাক্ত, চা গ্লাস অমত্তগু থকমিহৃখিসি। কুইরে উন্নখিদব, য়ুম হেক পানখিবদগী মিকুপ অমত্ত ফম্নিহৃদুন ৱারী শাব ফংখিদ্রবনি।

পোৎলেক্ত ফম্নিহৃদুন চায়োম্বীদুদগী চা লৌদুন থকমিন্নে, শিংজ্ বোরা লৈদুন চামিন্নে। নিংশিংনৈ অদুংঙগী কলেজ তম্লিঙৈগী পুন্সি ৱারি মতেক মতেক। নুংঙাইরম্বনি নহা ওইরিঙৈ, লৈশারিঙৈ, ছাত্রি ওইরিঙৈ। চা থক্ল থক্ল অশংন হংলকই,

—য়ুমগী লাইমিংথৌদুবু য়াম্ন ঙাওরে হায়ব পাও তাই, চুমক্লনে থাবল্লে?

থাবল্লন ৱাহংদুদ থমোই য়াম্ন হন্থুন খুমকই,

—অসুম্বনি।

—করিগীনো মচা লৈরব মখোয়্নন অদুক য়াম্ন ঙাওশিংরিবদি ?
অঙাওবী নংবু, মফম মতম চান হৈকৎ লৈকৎ অমত্ত ঙম্মীদ্রবরা ?

রাহংদুদ থাবল্লৈন অশংগী মাইথোংদ মিৎচানন চুমথ্রিং য়েংলকই। চিন্নান য়ৌন থাঙ্গৎলুরব গ্লাসতু টেবলদ তপ্প থম্নগ হংলকই,

—অশং, ঐঙোন্দ করি অব্বাৎপ লৈরে ? নং তশেংন অমুক্ত হায়্য়ু। শক্ত চুদ, ফিজেৎত চাকচাদ, নুপীওইবী অমগী লৈফমথোকপ গুনশিংদু ঐঙোন্দ অমত্ত য়াওদ্রবরা ? নংদি ঐগী মরমদ লোইন খংলিব নত্রা ? মহাক্ত ঐঙোন্দ অশুক য়াম্ন হন্থব মিৎয়েং থম্নিবসি করিগীনো ? মসি তশেংন নুংঙাইতে। অশেংব মরমদু ঐ খংনিংই। হায়্য়ু, ঐঙোন্দ করি অব্বাৎপ লৈরে ?

ঐখোয় পাবুংহনদু ফাগী য়াম্ন তৌগল্লি। মহাক্তী রাহংসিন পাবুংহলবু খংনিং নিংশিংহল্লি।

—লৈমহল, নচানুপী থাবল্লৈসি ইমৌ ওইজরগে,

করি হায়বগে ?

থাবল্লৈখোয় ইনেইবেম্মন খুমই,

—তায়বুংঙো, তাকপিরিবদো লাইবক য়াম্ন ফবনি নচলগীদি অদুদ লুরিবদি, নচলগী মুমসি নুপা ভাংই। মচাইবুংঙোদুবু নচম্ন ইচা শরু য়োকচব য়াগদরনে ?

নিঙোলমত্রা য়োকপগী রাফমসি য়ৌরকপদদি পাবুংহলগী পাঙ্গল লৌশিং লোইন ময়াই চমখি। অদুবু কদাইদগীনো শকখংদব নিপা'মদ থাবল্লৈবু থাজখি। জুহোংলব মতুংদ নিপাদু নিঙোলমত্রা ওইন থমখি। থাবল্লৈখোয়গী লৌ-ঈংখোল লন্-থুম; শমপতি পুম্নমক হৌজিক্তি মহাক্তী ওইব তারে।

নোংম রাবগাই চৎলুবদ পুরকপ থাবল্লৈ চারদু ঈংখোল মতোন্দ পাবুংহন্ন থাই। ঈশিং চাইন চাইন ইনেইবেম্ম উবদ অমুকসু ফাগী তৌই,

— লৈমহল, নচাদু ইমৌ ওইন ফংব ঙমহৌদ্রবনিন থাবল্লে অসিতদি ঈংখোল্লসিদ মথারম্নগে খুম্ন থারবনি।

ইনেইবেম্মদু ইকায় নুংশি য়াঙ্খিদুন তৌফম খংখিদে। উপাই লৈত্রদুন নোক্ল নোক্লগ খুম্নম্মী,

— খংদ্রেদ তাইবুংঙো, মরাইবক্লদি তম্নরমদ্রে মসিদ ঐখোয়্নন চোংল্লদুন করি কাম্ননি?

থাবল্লে ফজবনি। হেন্দোক থোইদোবপমক নত্রবসু মঙোন্দ নুপী'ম ওইবগী শুন শুন লে। মদুমক্ল পাবুংহম্ন ইনেইবেম্মদ মচা মমৌ ওইনিংবগী ৱাখলদ অত্থ্ম ৱাহৈন ফাগী তৌখিবনি। অসিথক্ত নত্তন থাবল্লেগী মনুংহঞ্জিন্ন অরোম্ন ৱারি বয়াশু লৈরি। হৌজিকপু মদো ফোংদোকপ য়া'রিব্রা? অদুবু মহাক্কী ৱাহং খরসিন ঐখোয়বু মীপাইহল্লি, তৎন থানব য়াদ্রব মরি অম তৎখিবগুম; শমজিন্নব য়াদবগুম তৌরে। থমোইনুংদ লোৎতুন থম্ন পুক্লিংগী ৱা খুদিংমক হংল্লুব লৈতন ঙখোরকই,

— অশং ঐগী থমোইসি কারবনি। ঐহাক হিংনিংদ্রে। হৌজিক হৌজিক করি তৌসিগে খল্পদ পোথাফম লৈতে। অহিং কয়া য়ুমদ হল্লক্তে। চাদ থক্ত, তুমদ হিপ্ত মহাকপু ঙাইবদ নোংঙানখিব খংহৌদে। হৌজিক ইশাসি খুবীমুক্ত ঙাইরবনি, শিব ঙমদবগী লৈরিবনি।

চুমই শাথিন ময়াং কংলে। ফজব মশক, মতৌ লৈব শাবান হৌজিক্তি য়াম্ন ময়েং তারে। য়ুম্নানবগী মৈশা লাংলে হায়বদু চুম্ন মশক তাক্লে। থাবল্লেন মথা শমথরকই,

— ঙরাং কৈথেলদ ইচানুপীদুগী ফুরিৎ মচা অমত্তং লৈবিগে লাকপদ চোংথামগী সন্নাহম্নীদু থেংলে। ঐগী মচাদি, মচা মৱা ফবনিন কুচু কুমেনকাসি সনা অহিংবনি। মহাকপু ঐগী পাংসি তমাল্লে হায়রম্মী—"মহাক লমচৎ চুমদ্রে। অদুবু থাবল্লে, নং ৱা ঙাংগনু।

নংন বা ভাংলবদি পুম্নমক কান্ননরগনি।"

অশংন মরক থহলদুন মখা তাশিল্লি,

- নিংভোল মরা য়োকপ হায়বসিদি ইবেম্মা, মমা গোত্তবীন মচা য়োকপগুম্বনি। হন্দোকসি মতোং, য়োৎশির্নসি মরু হায়বদুনি। খুনু মখোং শমলৌবগুম্বনি। অদুন ঐগু বা ভাংদবন ফনি খল্লি। ভাওদুনভাক লৈব য়াব পোৎ নত্তে, জ্ঞান তারক্লব মতমদ মরাইন ফজরক্কনি।

- মখোয়গুম্ব নিপাশিংসিন জ্ঞান তাব ভাইবদ ঐখোয় নুপীওইবীশিংদি থরাই থাখিবন হানগদৌরি। য়ুম্বাম্ব হায়বসি মীওই মপোক্ত তভাইফদবমক ওইরবগু অসিংম্ব য়ুম্বান থেংনগদৌবগী শরুকপুদি য়ুম পান্দহন হেন্ন ফে। ঐহাক মহাক্কী নুপিনি, মহাক ঐগী ইপুরোইবনি, ঐন পামই মভোন্দগী নুপিম ওইবগী ফংফমথোকপদু। অতৈ অম শেৎকে চাগে তানল্লুব নত্তে। অদু নম্রবদি হায়য়ু অশং, য়ুম্বাম্বগী অর্থ করিনো? পুন্সিসে নুংশিবগী মৈরিদ কয়ারক হন্ন চাকথেহল্লব মতুংদ ইমাগী নিংব থুংনবগীদমক থরাই হকচাংসে মভোন্দ মমল য়াওসন কৎথোকখিবনি। অদুগ মহাকন ঐবু হহন হন্ন! নিংভোলমরা ইম্বদ মাংজগদব লৈরবদি ফক্লিগীদমক ইনাক্ত মহাক্ক খৌনা ফন লাকপিল্লিবনো? তুং-মাং য়েংন রাখল তৌবিহৌদব কল্লিগীনো? মসিদ হেন্ন মাংজল্লিবসি কনানো? মখোয়ন ঐখোয় নুপিওইবীশিংবুদি মমল লৈতন খোঙাওমবিরে। মসিবু অচুম্ব লিচৎলনে? ঐখোয়সিবু থরাই পান্দব থমোই য়াওসব হংন শাব মীরা?

মহাক্কী বাদু তাব্বদ অশংন খুম্নকই,

— থাবল্লে, তপথখো। ঐগু থংই, মসিদ হেন্ন মাংজরিবদি নুপিওইবীশিংনি। য়ুম্বাম্বদ নুপি ঐখোয়দি খোংফম অমত্ত

শোইব য়াদে। অদুমওইনমক থবক তৌবদ শোইরুব খোংফমদুগীদমক তহা তহাব্দি চুমদে।

থাবল্লেন মপুক্লিংদ খল্লি, তহা তহাব। য়াম চাওরব লাঙ্গাও'ম হৌনিংবগী ইথিল কয়ারক হন্ন নাকল্লবনি অদুবু ইমাগী বা নিংশিংনুবদ থমোইসি চেৎন পাইশিন্দুন ইখুৎসিন খাংলিবনি। হৌজিক্তি খাংব ঙমকত্রে, শিংননিংবগী রাখল লাক্রে। অদুবু য়েংখিনি। অদুদগী মথা ভারকই,

— অশং, পুন্সিদ মোত চানদব; রাখল তিন্নদব; থমোই মশক খংদব নিপাগ য়ুম্বান্দুন লৈবমুক পোথাকম খংদব তায়বঙপাল্সিদ অম লৈতে। এবু করি য়েংদুন নুংভাইগদৌরিবনো ?

অদুঁও নহা ওইরিঙৈদদি ভাংনিং শক্লিংব ইনিংনি। চানিং থক্লিংব অথিংব লৈরমদে ইবেম্মা। হৌজিক্তি য়ুম্বালনুবদগী লৈতোনসে ফাজিনখরে, খোরি উতোংসে ফুনজিনখরে, থমোইসি থোইদিং মরুমুক্ত পিকশিনখরে। থলনু থলনুরগ য়াম নিংঙমকত্রে। লানজদ্রব মীগী মফমদ লংজরবগী অরাব নংলিবরা এসিবু ?

অশংন, নোকফেৎ তৌন খুমকই,

— হেরা নংসু পংথল মথল্লে।
— কমদৌরিবগে মহাকতুবু ?
— লাইরিক তম্ম লোইন্দুন থোরক্রে। থবক থিল্লিবনি। ফংগদব মাল্লি। খংদেদা, মীগী মচাদি মহৌশাগী মহৌশা তনৌ তনৌরি, মপোপ ইকায় কায়বে। নহান,ঙ থেংনৈ, হংলকপনি।
— হৌজিকসিদ থেংনব খোক্লবদি শিবন করে এদি। খংদেদা, কাওব ইওম ঙমদে। নিংশিং নিংশিংলুরগ এগী থমোইসে পুব ঙমল্লে।

— মাগী ঋাসি তোকসি ইবেম্মা। মুমগী লাইরেম্বদু শোইদনব হৈকৎ লৈকৎ তমদুন পুজা তৌ। ভাওহনগনু কৈদৌবগে

— পুন্সিসি ভৌদুন অমুক থম্মরোই অশং। লৈনিংদব লৈরগ চৎচখিসনু, অমুক থিংব তৌররোই। মখোং মখুৎ পুন্দুন থম্ম য়াব পোৎশু নত্তে। অদুবু ঐ লান্দি লাল্লোই, মফমদ লংজবী অমদি ওইরোই।

থাবল্লেন হৌখিব নুমিৎকী অহিংদু নিংশিংলকই। মহাক থেংন হল্লকই। নুমিদাংগী পুং ১ তারে। তংতাব ঋা অম ভাংনগে থল্লম্বনি অদুবু নিশান মশাদু পুব ভমদবমখি থকচিল্লকই। নুংশাশোর হোন্দোরকপদ নমথিখিবন মশাগী চাবখাও অপুম্ব পুমপৎ পৎলবোই নিংই। হংজৈ, 'অসুক থেংন লাক্লিবদি কদাইদ চৎলুরে?' খুম্বীপোৎ নত্তে। মরেংজুমদ য়াল্লিব কোটতু লাকতুন লংশিনখি। মমিৎ-মনা ইভাং-ভাংদন ফমুংদ মফি মরোল লৌথোক্তন শন্দুন তাখি। মশা নোমদুন হংই— 'চাক্ চাররোইদ্র?' পাওখুম পিরমদন অদুমক ভুমথখরে।

থাবল্লেন মথা তারকই,

— ঋাভাংদব মীগী লৌ তৌব লিচৎ শাজৎসি থাংবদ ওম্থোক্ল ঋাপ্রে; হৈনদে, য়াম্ম হৈনদে। মরিল লৈরগন নিপা থোক্ল ময়মদ পুরো, ঐসে মাগী নুপীনি। ইমাগীশু ইমাগী থোকপ হায়বদুনি। অদুসু ভমদব। মতা'মনিদ, লোইনব ওম্থোক্ল ঋাপ্রজাৎনি। নিপার নিপা নত্ত নুপীর নুপী নত্ত।

থমোইবু হেম্ম ঋাব ঈপাক্ত চিংথখিব থৌদোকতু মমিৎত খংশং উরকই,—

ইচিক হল্লব অহিংদুগী কনালৈত্রবু কাদুদ চাও-শাংলব হকচাংদুন মাংদ শন্দুন তারি। মদু উরুবদ মরাল লৈত্রব থমোইগী মৈচাক হেনগৎলকই; অপাম নুংশি মৈরিন

লুতোন [illegible] লৈরি ? থৱাইগ হকচাংগ শেৎনহন্নসিবু করি মতৌনো, মসিবু হৌনবরনে ?

অদুদগী খোঞ্জেল থোক্ল হায়রকই,

— নখোয়দি ইবেম্মা, লাইবক ফবী ঙাক্লি। হৌজিক্তি নখোয়গ ঐগ চাংদম্নরুব য়াদ্রে, সমক্তগ লাংখোঙ্গ তারে।

অশংন থাবাল্লগী মাইথোংদ মিংয়েং থম্মদুন, অব্রা অনা কোক্লব নুংশাশোর অম শাংন হোন্দোক্লগ হংলকই

— অম্মুক নুংথিল লোইনবদি কমদৌই ?

— ব্রা ঙাংনদে।

— অদুদি, খুদোম্বীদ, ইঙ্গিৎত, ইরাংদ অদুমক চৎনরে ?

— উম চৎনরে। অম্মুক অঙম্বদকা হৌদোক্লবসিদি নুংঙাইখ্রপোৎনি ইবেম্মা। ফম্মাং খৌগল য়াওদ্রবদি লেংখৎপিব পোৎ নত্তে। ইমান মরোল'ম লৌ-ঈংখোল শিংদু য়েংশিলহন্নিংই। লৌ পরি ১২ নি ইমাগী লৌচা, ঈংখোলতন পরি ৪ রোম চাওরি। থবক শুবমক হাওবিদ্রবগু শিন্দোক চিঙ্গিন ফাওবদি য়াওবিব চুম্বনি। ময়ামসি পাম্নবদ কয়াম্নদি ব্রারব ! করিগুম্বদ হায়জরুরবসু য়াম্ন লাইন খুমদোরকই— 'ঐসে নখোয়গী অরৈব মীনাই নত্তেয়ে।' মীন তারগ করি ওইন খনগনি ? পাওখুমদুদ ঐদি লুতোন শাৎন কোকচাওবী কাই। খংদেদ করম্বগী লাইবকনো ঐসিবো ? য়ুম্বাম্বগী মহাও লৈত্রে, ঐ শিনিংলে, অম্মুক হিংনিংদ্রে ! ঐন অহাম্ব ফংজব ইচাদু নুপানি, থা ৩ শুরকপদ লৈখিদবনি ! মহাক লৈজরম্নবদি— ।

থাবাল্লগী খোঞ্জেল নৌথোরকই, মিৎলু অনিদ ইহৌরকই। মসিমসু অচুম্বনি—মদুদি মখোয় অনি খংন চাংদুন য়ুম্বানখিব নত্তে, অহল, মশেল হায়ন শিংনদুন লুহোংখিবনি। পুন্সি চুপ্প লৈমিন্নগদৌরিব নুপা'মবু পুক্লিংগী ব্রা খংদোক্লদন য়ুম্বাম্বদ

তশুপ তরাইন লৌথোকপ চুমদবনি। মিকুপতুদ মুখ খুত্থৌদবন থাবল্লগী পুন্সি হৌজিক্তি ত্থা ঈপাক্ত তারে, মৈশা লাংলে; অদুন ৱাকচিংগী উনলেম ফুদেক্রব লৈরাংগুম ওন্ন থোইন খাংলিবনি।

নিংঙোলমৱা ইম্ম হায়ব অসিন নিপাওইব মহাক্কী মনিংতম্ম মাংহল্লে হায়ন থাবল্লগী মপুরোইবন খোইশাওনরি। মনিংতম্ম মাংজরিবদি থাবল্লগুনি, মখোয় অনিমক্তি। নুপিওইবীশিংন য়ুম্মানবদ মশাগী মম্মুম থাদোকত্তুন নুপাওইবশিংগী মম্মুমদ চৎনরি। মহৌশাগী ওইব চৎনবীসিন হোংলকত্তুন, ত হোংব নাইব তায়বঙপালসিদ নুপাশিংন নুপিওইবীশিংগী মুমদ চৎনব খোক্লবদি করম তৌব তারে? পুন্সি সি চৎনবী অমগী মথাদ ঐখোয় অপুম্ব হিংনি। হিংলিব ঐখোয়পুম্বগী নুংঙাইনব চৎনবী অসি খর কোমথোকহন্ন, খর চেৎশিনহন্নদ করি অকায়ব লৈবগে? ঐখোয় অপুম্ব হিংব পাগই—নুংঙাইন, হিংবগী মহাও খংন। হিংলিব ঐখোয় অপুম্বগী তায়বঙপালসিদ হিংনবগী অধিকার লৈ হায়ব কাওথোক্লিবসি করিগীনো?

থাবল্লন ৱাখলগী পরিং থৎলদুন হায়রকই,

— অশং, য়ুমগী মৌ অমা ওইবদ ঐগী বরি ৱাৎলি? ঐ মৈতৈ নুপিনি। ইচা ইৱা থাক্লব, য়ুম পান্ন ঙম্মব, মৈতৈ নুপি অমন তৌব ঙম্ম শিন্থাশিংদু ঐ লোইন তৌব ঙমগনি। মনেম মকুন, লৈকায়ন, মপুরোইবন য়ানব চৎপ ঙম্মগী থৌনাদু ঐঙোম্দসু লে। অদুমওইনমক নিঙোলমৱা ইম্মদ পাওথোংদুন ঐবু মহাক্ত হন্থন ন্নেংব, ঐগী ঈজৎপু মাংথোকপিবসি ঐ খাংদুন লৈব ঙমদে।

— হো ইবেম্মা, মচা ফত্তব চাওব ঙাইব, মৱা ফত্তব শিব ঙাইব হায়নদুনি। মসি নুপিওইবীশিংগী শোইগ্রব লাইবক্কী ৱানি। কনাদ তাইনরুদোইনো?

নুমিৎচুদ মতম কুইন থমোইদ ওমদুন লৈরুকপ পুক্লিংগী ব্লাশিং লোইন ফোংদোক্লম্মী। হৌমিন, কামিম্নরকপী, থমোই তিম্নবী চাহবী মরুপ'মগী মফমদ অল্পা পোৎলুম থাদুন মনিং তম্ন কপন্মী। অসুম থনবদ মহাকতু মাগীওইবী মরুপ'ম থেংনজবদ নুংঙাইজখিমালে মিকুপ থরদংদি।

মতম থরগী মতুংদদি মহাক্নী আশাগী থাওমৈ মমথরকখি। মপুরোইবন মহাকপু হুন্দোকপিরমে। মাগুম্নী নহা ওইরিবী কয়াদি মনেম মকুগী মিৎয়েং মথাদ মপুরোইবগী মথানুঙদ নুংঙাইন য়াওন্দুন লৈজবী ঙাক্লি। নোংদম্ন মহাক্ন নৌন মখোক লোইয়ু তম্নকপগুম থোকপ্রে। অমরোমদন নুপা লৈতব নুপিন মুম্নান্নন ফজনিঙাই করিদি লৈরি। কম্ন নোকপ য়াদবী, য়াংনগু চৎপ য়াদবী, মচু থোকপ শেৎ চাবদ মীশৌ চংবী, চন্দোল ভৌন থিম্নদ মিৎয়েং চংবী, নুমিদাংগী অমম্ন থাবলদ শাৎপী, লৈনম চাওবী থাবাল্ল হায়বদু মহাক ওইখি।

পাওদু তাবদগী নুংঙাইতদুন নোংম মম্নুমদ চৎলুই। মহৌশাদগী কোইনদবগী কোইনদব হাকথেংনন হংলুই,

— অনৌব আশা'ম লৈত্রবরো নংবো?

— করি করম্ন আশানো অশং? আশা থমলুবন এ্রেঙোন্দদি হেম্ন মৈশা লাংহল্লি।

মহাক্নী ব্লাইহশিংসি য়াম্ন মতিক ময়াই লৈবগুম থোকখি। চম্নব ব্লাহে থর অসিন পুন্সিগী থেওথাং কয়াবু নিংশিংহম্নগুম তৌই।

ইনেইবেম্মদুন লোম্ন থুপ্ন অনৌব নিঙোলমব্লা থিরি, মহাক্ন কাচিন্দ তাশিন্দুন মমাই মমিৎ খুমজিল্লগ কপ্লি, মপান হর্ম য়েংবীদ্রবী মচানুপিদুন ফিজি পাইদুন য়াংহরি, লৈকায়গী মীনোক

মৈশান মাইকৈ খরিদ পলোন ৭ খারগ লাঙ্গোই চন্নুন থম্মি। মসিদ লাইষকখিবীদুগী নাক্ত লৈনম পুব মালংবন করম হায়ন খোংদোইরক্কনি ?

অদুদগী মহাক্ক য়াম্ন লোম্ন হায়রকখি,

— ঐ থা লেপখ্রে।

— করিনোনে নংন হায়রিবদুবো ? অচুম্বরনে ?

— ঐনবু নঙোন্দ ফাগী তৌখিগদরা ? মসিবু ফাগী তৌব য়াব রাফম্না ?

মহাক্ক হায়ব অদুমক অচুম্বনি। থাবল্লগী পোকমিঃদব মচে'ম লৈ। মচেদু লৌব মতৈদু নোংম ইথা হেক থাজদন অথেংব অহিংদ মাগী কাদ চংলকখি। নুমিৎতুদ মহাক মমং অনি শুবী হায়বদু ওইখি। মহাক্ক খংখি, খৌশিলদুদ অহল-লমন খুদিংমক্কী খুৎ য়াওই। মহাক নাম্ভোকপ ভমখিদে।

পুম্নমকসিগী মথক্ত খরাইদগী হেন্ন লাইবক খীবদি ঈকুই হেক কুহদন মতৈদু শিখিবদুনি। লৈকাই মীনোক মৈশা মরক্ত নৌন খুনগৎচরুরব আশাদু অশিব কৌব লাইন মুন্দুন পুবীখি। লুখ্রা ওইরবী মহাক্কী মবুক্ত লৈহৌরিব তায়বঙ মংফাওনদ্রিব অঙাংদুগী লাইবক্ক কমদোব ? লেমহৌরিব পুন্সিগী শরুক খরদুস কৈথক্ত ভৌদুন শিরো তম্নকখিমালে।

শোরাৎ নুমিৎতুদ থাবল্লেন হায়খি,

— অশং, ঐহাক, ইশান য়ানিং য়ানিংন মোংফমদ খোং থাংজিনখিবদি নত্তে। ঐ লুখ্রাবীনি, পুন্সি মতেক খরসিদ ঐনু মসিমতং, খল্লি, মমিৎ মমাই পাংদ্রিব অঙাং অসিমতং নিপা ওইন ফংজব। ঐগী নিংবদি কাইখ্রে, অদুবু ইমাগী নিংবদি থুংলুসনু। অদুওইরবদি য়ুমক্লোইনব নিপা'মতংগী ইমান রাজবদুদি কোক্লেদন।

অশংগী মচিন্দগী ব্বারীশিংসি য়াম্ম থেংন ঐগী নাকোংদ য়ৌরকখি। ঐগী থমোইবু মচেৎ মচেৎ থোক্ল থুগাইখি।

ঈচিকহল্লব অহিংসিদ থাজন নোংমদোল অতিয়াদ কোক্তোন লোম্ম হায়্নগৎলকই। লৈকোলদ হৌব থাবল্লৈ লৈনম্ম মিহুৎথোংদগী লিৎশিল্লকতুন থমোই মনুং য়ৌশিল্লকই। খাংব অমুক ঙম্নকত্রদুন মপালদ থোরক্লে। "থাবল্লৈগী মচাদু নুপানি, মমাদি কম্ব ঙমহৌদ্রে।" – ঙসিগী অতিয়াসিসু নুমিৎতুগুম্ম মকত্রি। অদুওইরবদি মরাইবক থীরব অঙাংদুগী লাইবক্তি কনান লেপকনি? ব্বাহংসিন থেংলবদ ঐ পোথাফম খংদ্রে। অরোইবদ ঐন অসুম্ম লেপলে, মরাইবক থীরব অঙাংদুগীদমক থমোইসি ঙসিদগী কায়ব য়াদ্রব মতুম তাশিল্লব য়োৎকুম্ম লৈরসনু।

কাচিন লাইমু

নুমিৎ ১৫ নি শুরে ফংদব। কোক ভাওরে থিবদ। লুপা ৫০,০০০ সু পিথোকখ্রব! সিঃ এমঃখী চিঠিসু য়াওখিবনি। ইস : ওর্ডর থোক্লমদাইসিদ তৌরিসিবু করিনো?

— মরুপ অরিব, ব্রাস্থুরিবদুবু করিগীনো?

— ভাই, ঐগী ওর্ডরদু থোক্কদৌরবনি। ফাইল মাংখ্রে, থিব ফংদ্রে। ঐ কোক ভাওরে।

— হে হে অদুগী ওইরে। নংবু নোংমৈ য়াওদ্রো?

— য়াওরি ভাই।

— মরুদি?

— অদুগীদি ব্রাৎতেনে।

— কাপপুদন মরু হাপচিল্লগ।

ঐ ভ্রান থংতা তাই।

— তামো, ঐসি অফিসসিদ অমুক লাকপদ লুপা ৫০ চংই।

নুমিৎ খুদিং লাকপসিদ ননাওগী দম অপুম্ব লোইরে। হয়েংদু ননাও লাকচগে, ফাইলদু থরাই য়াওন অমুক্ত থিবিরমউ।

ফিফটি এমঃ এমঃগী বুলেত মরু ·৪ দং নোংমৈ মনুংদ হাপ্লগ কাপশিল্লমলে। ঐ য়ুমদ অদুমক হল্লক্লে।

মথঙ্গী অয়ুক অঙন্নদ ঐ হেক উবদ কৌরকই,

— ইবুংঙো, নংগীদো লৈরমমেহে। আ—কাচিন্দ নপশিন্দুন লৈরম্বনি। থিবদ কয়া রাগ্রে।

ঐন ফাইলদু মখুত্তগী লৌরদুন হায়রম্মী,

— চুম্মী তামো, মসিগী ধাচিন লাইমুসি নপশিন্দুন কাচিন্দ লোৎলগ হেক হেক লৈগল্লি। মান ঐবু কয়াদ রাহল্লব! তামোদু নোকফেৎ তৌরকই।

ডাক্তর ডুবাই

ডাক্তর বাবুগী মিং ডুবাই, ওর্থোগী ইস্পিসিয়েলিষ্টনি। শরুগী লাইয়েংদ মঙোন্দগী হেন্না লৈত্রে। মমিং তারকপ কুইরে, ঙন্না চন্নবদি উন্নব ফংহৌরোই। লাইয়েংব লাকপ মীন ঙম্না অয়ুক্কগী কিয়ুদ কুক কুক ইন্নরম্লগনি।

খোংসি নহান্না নুমিদাং অমম্বদ খুবম চাদ তুশিনলুই, ক্রোক লাওখি, অদুদগী থাংব হেক্ত য়াখিল্লে। মনুংদ শরু তেকপ য়াওরব জাৎলা?

চিংনদুন এক্সরে লৌরুরে, 'করি থোইদোকপ অশোইব য়াওদে, ডাক্তর কান্টন হায়রকই। 'মোডেক্স নম্রগ আইঙদেক্স তৈরগ হিগা য়েব, মৈ য়াইব কাম্নগনি। মতম খরদি লেংখোৎপ তৌবিরুনু।'

মহাক্ক হায়ব অদুমক লোইন তৌরবনি অদুবু চিকপন অহিং তুমদে। নামনগ্রবদুদদি থমোইসি পিকশিন্নকই— হৌদোং মচা অমুক্ত। পুক্কিংদ মওল মওল খল্লি, ওর্থোগী ইস্পিসিয়েলিষ্ট ডাক্তর অমত্তং তান্নব চুমগদব মাল্লে। নম্রগ, করিবু তৌসিনো?

খোংসি থাংব ইয়া য়াদে। অহিংচুপ্প নাহেদুন থাংই। য়ুমগী নুপিন ভাংই — 'পাংসু পাংখিদ্রে, অনাব থাংব হৈতে, নিপা মান্দে।' ব্রাহেশিংদু তাহদ ইকায়রপ তৌই। চৈগু পাইদুন থেক-থেক চৎপ উবদ মখোয়গী করেম্নব মিনোক মওং মতৌন থমোইসি হেন্ন ব্রারৌহল্লি। লিন্ন চিকত্রিব মীন লিনগী হু মশক খুংব হৌনদে।

অচুম্বনি মীন কুক কুক ইন্নরম্নী। ইচানুপা অহন্দুগ মমাগন চেন-চোংদুন হোৎনবদূদ ঐগী মিংদু খর কাখৎন কৌরকই। ডাক্তর বাবুন থব্রাই য়াওন লায়েংব হৌরে। অহান্ন ওইন খুজেংদ পাইরকপদুদ ঐদি অদুমক ব্রান্থরে।

লায়েংব লোইরমদাইদ ডাক্তর ড়ুবাইন মচিন্দ মুরুম মুরুম শোল্লি,

—খোংজেংদ কক্‌কদরা, খুদ কক্‌কদরা, ফাইগনদ — ?

মহাক্কী ব্রাদু তাবদ য়ুমগী নুপিন পাখৎন হংলকখি,

—করি হায়ব ডাক্তর ?

ডাক্তর ড়ুবাইন খুম্নকখি,

—কক্‌পগী ব্রানি।

ইচানুপা অহন্দুন মরক থৎলকখি,

—কত্তব য়ারোইদ্র ডাক্তর বাবু ?

ডাক্তর বাবুন ব্রাখল ওহাক তৌরগ মীনুংশি য়াওরব নুংশাশোর অম হোন্দোক্রগ খুম্নকখি,

—য়েংশি।

মপুরোইবগী মাংজপ্রগদব খোংগী শরুক খরদুগী ওইরমাল্লে য়ুমগী নুপিদু গুৎ গুৎ কপ্লকই। ইচানুপাগী মমাই কাহৎন মকশিনখি, ঐগী থমোই য়ৌন শোকখি।

ডাক্টর ডুবাইন অইৰ চে'ম পিরদুন তাকপিরকই,

— হিদাক ৫ রক কাপকদবনি। শিদ লাকউ, ঐ কাল্লিগে।

খোংলক্কী শরু মরক্ত অশাংব য়েতুমদু থিংজিন্দুন নুমিৎ ৫ নি চৈনা ফংহন্নব মতুংদ লাইয়েংদু লোইশিনখি। অমেরিকাদগী চেম্ন হিদাক, লণ্ডন্দগী চেম্ন য়েতুম্ন ঐবু কয়াদ য়াম্ন মৈশা লাংহনখিব! খম্নদ মম.ই।

নোংম ঐগী মরুপকী মচানিপা হন্দক্ত শরু-লাইয়েংদ ডাক্টর পাস তৌরকপদু ঐগী য়ুমদ কোইরকই। মদুদ ঐগ কোক-হেক থেংনরুরে। হংলকখি, ঐগী শিককৌ শিককৌব ইতৌদুদ,

— পাবুং, খোংদু করি তৌরবগে?

— ইবুংঙো তুশিললুবদগী তেক্লবরা করিনো থংদ্রে ইপাগীসি।

ঐবু নিংথিন ফমহন্নগ মহাক্ল য়াম্ন চেকশিন্ন য়েংলকই। ঐন হৌখিব বারি অপুম্ন লিদুন তাহল্লি। অমেরিকাদগী চেম্ন হিদাকতু; লণ্ডনগী য়েতুম্ন শরু মনুংদ থিংজিন্দুন কাপ্লফাওব ফব ঙমদবদুদ মহাক ঙকখি। হায়রকখি,

— ম্যুতিলেসন সর্জরি তৌগনি হায়ব! অঙকপনি, শিংলি পোম্বগী অসিগুম্ন লাইনাসিদি চাং নাইন হিগাখক্ত মৈরবসু অদুমক ফগনি। ডাক্টরশিংন অশুম্ন ঙইদব ঙাংবসি চুমদবনি।

চিক.প ফনব টেবলেত অম-নি চাখি। আইওদেক্স তৈদুন হিগা চাং নাইন য়ৈখি, নুমিৎ খরনি লেং-ওৎপ তৌখিদে। অদুদগী অনাবদু ফখি।

হৌজিকসিদ ঐগী মিৎত উরিবদি ডাক্টর ডুবাইগী নিংথিরব হৈক্কোল লৈকোল, ইশাইক্লুদ য়োকতুন থমহৌব ঙম্নু ঙক্লাশিং, মখোল মখোল নোংমদোল পক্ল য়াংখইথরিব বিলডিংশিংদুনি। মখোয়শিংদু শাবদ ঐগী য়ুমগী নুপাগী পিরাংসু য়াওখিবনি।

কিস্তখ্রব থমোই

ঐগী মরুপতুগী মিং নোংদাই লোইতোম্ব। মহাক্কী ষুম, মাম্নি খাইদনি। কুইরে উন্নখিদব, কাওব্রু কাওরে; কদাইরাইদনো মখোয়গী থোঙ্গালদুবু? পুমহোং হোংলসে মখোয় খাইসে, ইঙাও ঙাওরে ঐদি ঙসিত নৌন লাকপসিদ।

কোইচৎ চৎলিঙদ শবন খ্রাংমদা কৌরকই।

— ভামো জেক্ত নঙ্গো? কদোমদ লেংউবনো?

— নং, মং খিনারা?

— মানি ভামো।

— আই, মংদি খ্রাম্ন চঙরম্মেনা।

ঐদি নং উবদ মন্নুম থোক্লে।
সিদ থবক অমগী লাকপনি, য়োৗরক্রগ চংলমব্রবনি নুংঙাইতে। কমদৌরি মিঁনা?

— নুংঙাইরি তামো। লেংশিন্নকখো, ঙহাক্তং পোথাখিসি।
কুইরে উম্নখিদব।

— উম, কুইরে, নখোয় তামোদি?

— লমদ লৈখি। চা থকখিসি, ঐ চা লোললুগে।

মখোয়গী য়ুমদু পিক্তক চেংতক লু-নান্ন ফজে। চমই, য়াম চমই য়ুম্নে কৈরেদি। বেটিং রুমদ ফম্ন ফম্ন বাখল তৌই — ইমুংসিগী মওং মতৌ লোইন হোংলম্নে। ইন কুপ্প য়ুমজাওদু লৈরমদ্রে। মমাংথংব ইংখোল অচৌব মীগী ওইরম্নে। নুংঙাইরম্বনি চেন, চোংদুন শান্নব, বারব চোকথরব মতমদ হৌরম্ব উহৈ বাহৈশিং হেকতুন চাব। পুন্সিসি ওন্থোক্র থুন হোংখ্রেদ!

ঐগী মরুপতু পিশক পিক্লিঙৈ, মঙাঙব তম্নিংঙদগী তিন্নরকপনি। ঐ নিংশিংলি, চালুক অমত্তদ তিংদুন চাক চামিংনিংঙৈদ ইমান ইনশাং হাপ্ন হাপ্ন হায়খি —'নখোয়'নি হয়েং চাওরক্ষাওব তিম্নদৌনিকো। ইচাশিং চাওরগ ঐখোয় নুংঙাইদোইনি!' মখোয় বাবাদু মবুক ফখ্রবনি। হোৎনব কন্ন আশা য়াম্ন চাওব নিপানি। মতমচুপ্পদ ঐখোয়দ পাওতাক পিরকখি — 'ইচাশা, লাইরিক কন্ন পাউ, কন্ন হোৎনৌ। লাইরিক হৈত্রবদি চন্নফম অমত্ত লৈতেক্তো।'

অদুবু ঐন ক্লাস সিক্স তম্নকপ মতমদ ঐখোয় অনি কায়নখি। মহাক্ত সিদ তমহৌরে। অদুগ ঐন ডেলহিদ চৎখি।

ঐগী মরুপতু লম্বা লৈতন লাইরিক ফবনি। পরিক্ষা থুদিংমক্ত মকোক ওইবনি। ঐখোয় অনি উম্নদবসি মতমদুদগী চহি কয়ামুক শুরম্নপনি? চাওরাক্ত চহি ২০ রোম ওইরম্ব য়ারে। মতমদুদ মিনাদি য়াম্ন পিকহৌরি। অদুবু মহাক ফাওব লৈশাবী ফারে। পুন্সিসি কয়াদ হোংলব!

— তামো চা থকসি।

চা-গ্লাসতু টেবলদ থম্নদুন ঐগী ৱাখল্লগী পরিং মিনান চাইখাইরকই। ঐন মঙোন্দ ওনসিন্দু হংই,

— নংদি করি তম্মি?
— হন্দক এমঃ এঃ ফাইনেল থাদোইনি।
— করি সবজেক্তনো? '
— ফিজিক্সনি। খংদ্রেদ তামো, ময়াদ মৈ হৌরব ঐখোয় তামো ফাওবদ থবক ফংব ঙমদ্রে। এমঃ এঃ পাস তৌরগ ঐখোয়বু চন্নখিগদরা?

— চন্নব চন্নদবগী ৱাসি মাপ্প থমসি মিনা, লাইরিক তম্ব হায়বসিদি পুন্সিদ তঙায়ফদবনি। থোইন ৱারুন্, সরকারগী থবক ঙাক্ত থবক নত্তেদ, তৌব য়াব থবক কয়াম তাদুন লৈরি। নত্তেনে নখোয় তামোদুবু করি তৌরিবগে? অমুক্তংদি উন্ননিংবনি।

— খংদে ঐখোয় তামোগী থবকসি; পংচৎত চৎলি। নোংমত য়ুমদ নিংথি নুংঙাইন লৈতে। নিংব কায়খ্রমালে। এমঃ বিঃ বিঃ এসঃ কী, ইঞ্জিনিয়ারগী এন্ত্রান্স পরিক্ষা য়াওরুই, পিনিংঙাই পৈশা লৈতবন খম্বিরকত্রে। ইন্টরভিয়ু কয়াদ মকোক ওইব কয়াসু য়াওই হায় অদুবু হৈকৎ-লৈকৎ তমলুদব; ৱানোম শেল লৈতবন করম্ব থবকনো মহাক্ল ফংগদৌরিব? লাইরবগী মিং লিস্টত য়াওদে। ওসিগী চাওখৎলব মালেমসিদ মাহব খুন্নাই'মগী মংলান্দ পুন্সি কয়ামদি কেমদুন খামুথক্ত মাংলিবনি। ঐখোয় তামোন হন্দকমুক য়ুমদ হল্লকপদ ঐ নিংশিংজগে, উন্নদব য়াদে হায়দুন।

— ইমাদি ?

— কৈথেল কাখি। ইমান কৈথেলদ লুকমাই পান্নসিন ঐখোয় অনি লাইরিক তমহল্লকইবনি, ইমুংগী অপিল্ল অপাশিং মেন্নরিবনি।

— ববাদি ?

ববাগী ৱা পললুব মিকুপত মিনাগী থমোই নৌথোরকই, মিৎলু অনিদ ঈহৌরকই। খুল্লকই,

— লৈখিদ্রে।

— অদুগ ঐঙোন্দ খংহল্লকখিদব করিগীনো ? ফরে ফরে. হৌখিব পুম্নমক হৌখরে। কয়াম কুইরে লৈখিদব ?

— কুইরে, ফিরোই নকশিল্লক্লে। ঐখোয় ববা লৈখিদবদগী অৱাবগী পোৎলুম খুদিংমক তামোগী মকোক্ত তারে। লৈতব ময়ামসি উরুবদ ঐখোয় তামোসি ঙাওরবনি। চাফম থকফম খংদে, পোথাফম লৈতে, মতৌ য়েংব ঙমদেদ। ঐখোয় তামোসি ৱারবনি। চাদু ইংখ্রনি তামো পাইবিরো।

চা থক্ক থক্ক ঐন ৱাখল তৌই মিনান হায়রিবসি অচুম্বনি। হৌজিক্কী মতমসিদদি লাইরব হায়বসি কম্ব ঙমদব অচৌব লাইনা ওইরে। খুন্নাইসিদ লৈরিব থেম্বব, থৌদোক-ৱাথোক, হাৎন শুনব পুম্নমকসি অয়াম্বন চাথুং ফিথুংদব, লাইরব ঙাক্তগী থোরকপগুম্ব উরি। মসিন্ন মীওইবগী থৌনা, লিংজেল অমসুং মোরেলবু য়ৌন শোকহল্লি। লৈবাক্কী লুচিংবশিংন মখোয়গী মতুংইন্ন থোংলোইশিংবু লাম্ন লমজিংই অদুগ ইরৈবাক ইজাতিবু নমথাক তৌদুন লৈখা তানা মাংহল্লি, লাচৈনা অচৌব থোরক্কবগী মরু হুনজিল্লি। মতমসিগী মীওই খুদিংমক্কী

ব্রাখলগী পরিং কায়খিবদগী শুদন চাব, ব্রাদন হিংব, নমথাক তৌব, ক্সাংলুপ মশেল য়েংখিনব, হাৎন শুনবগী লৈতাদ্রব তায়বংপাল অম শাগৎলকই। মিনান মরক হৎলকই,

— তামো করিনো অদুক লুন খন্নীরিবদুবু ?

ঐন খুম্মী,

— করিসু খন্দেদ। নখোয় তামোদু অদুক্তং উ-নিংবগী ব্রানি। হৌজিকপু মহাক কদাইদ লৈবগে? মহাক্ত তৌরিবদু করি থবকনো ? কোইচৎ চৎপনদি ওইব খক য়ারোই। মিনা, মহাক করিনো'ম তৌবদি ফনি খল্লি। নুংভাইতবদগী নিশাকাদি শিজিন্দেকো ?

— মদুমক্তি থাজদে। মহাক্ত হায়বদি, অা — অরুনাচলগী চীংলক্ত উ য়াম্ব, উ চিংব, অমসুং উ খায়বগী থবক তৌই হায়। ঠিকাদার অচৌব'মন শিন্নীব ওইরমাল্লে। অদুনদুম হেন্ন ফরে তামো। খাইদদি থবক অমত্ত ফংদ্রবনিন শিদনব চীং মান্দ উমং ব্রামংদ থব্রাই য়োগ্ন নত্তনদি করি উপায় তৌরি ?

— পৈশানু খজিক খজিক থারকপ ওল্লিবরো ?

— ওম্মী তামো। ঠিকাদার অচৌবদু মরুক য়াম্ন ফমাল্লে। হৌখিব চহিদ লুপা লিশিং য়াখ্র পিরবই। অদুন মুম মচাশি শাহৌবনি। কুমশি চহিদি নেংজ্র মদ মোংফাওবদি চোৎলরোই। য়ামখ্রে মহাক্ত পিরকহ্রসি, মচিৎ, মচিৎ— মওা পিরক, তরা পিরক। নত্রবদি ঐখোয় হিংবগী ব্রা লৈতে।

নুমিৎতুদগী হৌন ঐহাক মিনাখোয়গী য়ুম্মদু মরুক মরক্ত চৎনিংবগী ঈথিল লাকখি। মমাংঙৈদ ডেলহিদ লাইরিক

তম্নীঙৈ, ট্রেনিং তৌরিঙৈদদি পোক্লফম লমদমগী ব্রাখল মিরুপ অমত্ত লাকখিদে। চহি কয়ামরুম'ম মীরৈবাক্ত থবক তৌরক্লে, থবক্ল নমহৎখিদুন ইমুং মনুং, মরি মতা নিংশিংখিদে। ইথাহেক থাজদন অনৌ অনৌব ব্রাখল কয়া ঈরোইনরক্লে। মসিমক পুন্সি হায়বদু ওইরমাল্লে।

নোংমসু কোইথোকল্লুই। মহাক্লী কাদ ফম্নদুন হংন্নুই,

— ববাগী ফিরোই কয়াম ব্রাৎলিবগে?

— লমতাগী হুমনি পানবদনি তামো। ঐখোয়গীদি কনাসু লৈজদে, তামো শোইদন য়াওবীগদবনি। ঐখোয় তামোসু ফিরোই নংনব থোরক্লনি হায়।

— য়াওগনি, ঐ শোইদন য়াওগনি মিনা। ঐ ববাগী লমন য়াম্ন তোল্লিবনি। ঐগী পোষ্টিং সিদ'সুম তাদ্বনিন ইমুংগী থৌদোক খুদিংমক সিদগীদি চিৎথদন য়াওব ঙম্নগনি।

— নত্তে, তামোন তৌরিব থবকসিবু করি থবকনো? ঐদি ঙসি ফাওব খংজদ্রি।

— অদুবুরো, মীন খব্রাইদগী নুংশিদব থবক, খব্রাইদগী প্লাম্নদব ডিপার্টমেন্টনি।

— অদুবু ঐখোয়দি নুংশি।

ঐন মিনাগী মাইথোংদ মিৎয়েং থম্নদুম হংখি,

— তশেংন নুংশিবরা?

মিনান পাওখুম পিখিদে, লুকথদুন লৈখি। শোইফম চাদ অমুক্তং শোইখিব ব্রাহৈশিংদুগী মতেং লৌদুন ঐন মহাক্লী থুমোইব্লু খুদুম চনশিনখি।

ওসি ববাগী ফিরোই নুমিৎনি। ঐহাক য়াওব ওমখিদ্রে, ৱাশক ওাকখিদ্রে। মিনান করি খল্লমগনি? ৱারৌরমগনি। অদুবু মসি তওাইফদব থবক অমননি।

মথঙ্গী অয়ুক্ত মহাক ঐগী ওফিসত লাকখি। মাইথোং লুরুক্লন হংখি,

— এসঃ পিঃ শাহেব, ঐগী ইবুংদুবু করিগীদমক ফাবীবনো?

— মিনা, ঐগী মরুপত্তু সর্কারসিন পান্ন মীশক্লি। মহাক লৈবাকসিগী আইন্ন থিংবা লালহৌবশিংগী লুচিংবা অমনি। ঐন মাবু ফারে। নাম্থোকত্তুন চেন্নব হোৎনবদ খুৎলাই শিজিন্নখি, মদু তওাইফদবনি। হৌজিক হৌজিক ডিপার্টমেন্টকী চেকশিন মিৎয়েং মখাদ থম্মি।

ৱাহৈশিংসি তাবদ মিনাগী মিৎলু অনি থন্ন ঈহৌরকখি। পিরাংন মতুম মতুম শিন্থখি, ঐগী থমোইবু য়ৌন শোকহনখি।

ইমুংদুগী অরোম্ন এলবুম'মদ ঐন লালহৌবগী লুচিংবদুবু শকখংখি। মতম কুইরে ঐখোয়্নন মহাকপু শেন্নরকপ। ববাগী কুমওন ফিরোই য়াওব লাকপদ সর্কারগী লানমী ময়াম্ন উপশিন্দুন ফাবনি। নুমিৎ ৭ নি চুপ্প মখল মখা কয়াগী ইন্টরোগেসন তৌবদ করিগুম্ব মরি মখোং অমত্ত হায়দোকউ য়াখিদে। শিব কিদব মরিলদু উবদ ডিপার্টমেন্টকী মীওই খুদিংমক ওক্লখি। ৭ নি সুবগী অহিংদ অনম কম্ব মীওই খরন ফুবম চাদ ফুখিমাল্লে, ঐগী মরুপত্তু খুদক্ত শিখি। ঐ, অশিবদু পুদুন মিনাগী মাংদ করম্ন লেপলুগনি? ঐগী থমোইসি পোথাফম খংখিদে। ৱাখলদ মংলাক্লখি লৈজব থৌনা খুদিংমক পুথোকত্তুন অরোইবদ মহাক্কী নাক্ত চৎখি।

অশিব হকচাংদ্রু উবদ ইমুংদুদ লৈরম্ম মীওই থুনিংমক হৌন হৌন কপ্লরকখি। অরোম্ম পাওনিলখোল খল্লিক কংলব নহাওইব খুরদি মপাললথোক্ল শাওরকই, অখাব মিংথোং থম্মাই। মিনাখোয়গী ইমাদি পাও তানদ খুদক্ত হায়খি, কম্ম হোইকমখি। অদুবু ঐগী মিনাদি কপখিদে। মহৌশাগী ওইব শকফম ইকায় কায়দন কৌরকখি,

— লেংশিম্নীরকউ তামো।

মহাক্কী মতৌদুদ ঐ ঙকখি। মনাক্ত চংশিন্দুন ঐন হায়খি,

— মিনা, ঐ লানখ্রে, নং ঐবু ৱারৌনু। নুমিৎতুদ নংগী মিৎতগী তাখিব পিদুন ঐগী থমোইবু য়ৌন শোকহনখি।

ঐগী মিনাম ক্লরি'মত নাচুংদন কংলব মিমোক'ম নোক্লগ থুম্মকখি,

— ঐ কমাবুসু ৱারৌজদে এসঃ পিঃ সাহেব। ঐগী নুংশিজরব ইবুংদুম লমজিংদুন মংরবাক্কীদমক মথম্মাই কৎথোক্লব মীওই কয়ান চীং-মান, উমং-ৱামংদ চাদ-থক্ত, তুমদ-হিপ্তন লেহ্লিব পুন্সি মরেলদু খলল্লুবদ থুদক্ত ঐগী থমোই মহি চেনখি, থিংব ঙমখিদে। মফম মতম চাদ শিন্থখিব পিরাংদুগীদমক নচলবু ঙাকপিগনি।

মহাক্কী ৱাহেশিংদু অওক্কী মতিক ইংম তপ্ল হায়রকখি, অদুবু তাক্লব থুদক্ত ঐগী থমোইগী শরুক তম্মাই'মদি কিন্থখিবওম থংব্রা হাশিল্লকখি।

সন্ধ্যাগী লৈচিল

ঐখোয় ইমুংদি নুংঙাইরবপোৎনি, ইমানে তামোনে ঐনে ঐখোয়গী অহুমখক্তনি। ইমান কৈথেলদ লুকমাই পাল্লি। থংবীরমগনি হে-য়োম্বী, ইবেচা। ইমান য়োন্দব উহৈ লৈত্রে; মতম-মতমগী অওম্ব য়েংদুন কোম্মা, চমপ্রা, কিহোম, শেম.... মখল মখলনি। পোৎমাংদ চীংমুক য়াংন পৈদুন য়োল্লি।

হৌজিক্তি কয়াদ নুংঙাইরব! হন্দক [illegible] মিং এঙ্গৌ পত্রিকা থাখিরগী অহাংব মতমসিদ কৈনাইগী অওং [illegible] লাইরিক তমী। ফিজিক্স, কেমিস্ট্রি, বায়োলোজি, মেথমেটিক্স অমসুং ইংলিস সবজেক্ত [illegible] অমবই। হৌজিক্তি [illegible] তাঁথো [illegible] য়াম্ম থোক্কে। ঐগী হন্দক [illegible] [illegible] [illegible] তৌরমনি। ইমাদসু তামোন মতেং য়াম্ম পীরে। অদুম ওইনমক তামোসু ঐসু হৃটি ফংদ্রবদি লাইরিক মধা তমথব ওয়গী য়া লৈতে।

ইমান কৈথেল হেক কাখিবদ ঐখোয় অনিত য়ুমদ লৈহৌই।
ঐন অঙাং ওইরিঙৈদ ইমা কৌদুন তোইন তোইন কল্লী, ঐখোয়
তামোন মনিং তম্ন লাইরিক পাবদু য়াহন্দে। তামোন ঐবু নমদ
পোখৎতুন খুপাক্ক পোপ-পোপ খাদুন থেল্লী।

— কপকন্নু বেম কপকনু, ইমা লাক্লনি।

ঐগী নিংঙাইদ পোথাফম খংদ্রব তামোন নোংমদোল থক্ত
থোক্লিব থাজদ খুদোল্লী থিন্দুন,

— য়েংউ তু থা—থা-থা থাবুংতোন, নচা মোরাম্বী পৌবীগে,
হৈবোং চরোং অমত্ত থাদবিরকউনে থাবুংতোন।

মহাক্কী ঈশৈদ ঐগী থমোই ইংথখি। ঐন হংখি

— তামো, হৈবোং চরোং থাদরক্কদরা?

— থাদরক্কনি।

— কনান?

— থান।

ঐন থাজখি হৈবোং চরোং থাদরক্কনি, অদুবু কদাই হৈবোং
চরোংদি? ঐন থাজবু ব্বারৌখি, শাওনিংখি, অমুক খুম্ন
শুম্নরোইদব ব্বাকৎ কয়া থাঙ্গৎখি।

ঐ পুংকক চাওরে, লাইরিক তম্ন চৎলে। লৈকাইগী
স্কুলদু তম্ন তামোন মহাক্কী গাড়ি চীকোকপীদুদ ঐবু পুদুন হেক
হেক থিম্নী। অদুগী হৌন ঐহাক ব্রুটি ফংলকই। ব্রুটি
ফংব্রদগীদি ঐহাক অচৌব সহরগী স্কুলদ মিং চম্ন ফংলে।
স্কুলদুদ ঐগী থরাইদগী চাম্নব মরুপত্তি সনানি। সনাগী
অশেংবা-মিং, রাজকুমারি শকহেনসনা কৌই।

স্কুলদ-ঐ হেক তব খুদিংগী সনান কৌরকই,

— বেবেম, ঐ নংবু ঙাইরম্মিবনি।

ঐখোয় অনি ফম্মিম্নে, চৎমিম্নে, চামিম্নে। পুল্সিগী নুংঙাইরব ৱারী কয়া শাম্মিম্নে। লনচগী মতম য়ৌরকপদ মহাক্ন ঐবু হেক্ত থিরকই। কয়ারক হম্ন লোৎচরবনি অদুবু য়্যাব কৌব লৈখিদে। মহাক্কী অহাও অথুম ময়ামদুগী মরকতুদ ঐগী তনগংদুগ হৱাই থোংবদুগ পুথোকত্নুন চামিম্নব ইকায়জখি, য়াম্ন হঙ্গোইজখি। য়ুমদ হন্নক্লগ ঐন ঐখোয় তামোদ তমল্লুবদ তামোন হায়রকখি,

— বেম, নং মখোয়গ তিম্নরুগনু। মখোয়ন পিব অহাও অথুম চারুনু।

— করিগীনো তামো ? মহাক্তি ঐগী য়াম্ন চান্নবী মরুপনি।

ঐগী লাইবক্ত য়াম্ন নুংশিন অমুক্তং চুপ্পীরগ তামোন হায়রকই,

— য়েঙোই বেম, ঐখোয়দি লাইরবনি। মরেক মহাও পক্তন হিংব তমগদবনি।

ঐখোয় তামোগী অপাম্নদু ইনবদ মহাক্ন ঐঙোন্দ কয়াদ শাওখিব, কয়াদ ৱারৌখিব। অথিংব অদুমক ঐখোয় তামোননি থংলক্লবদ মহাক্ন ঐঙোন্দ হায়খি,

— বেম, নখোয় তামোদ ঙমউ — ঐন য়াম্ন শাওরকই হায়দুন। মহাক মবুক য়াম্ন ফত্তব মীনি।

ৱাহৈশিংসিন মখোয় অনিগী শৈহৌ ঈশৈ ওইখিমাল্লে। ঐদি কাওব ইঙম ঙমদবনি। পুল্সিগী ঈচেলসিংসু অঙকপনি — ফৈদোক্ক ফৈজিনগ, খোইদ্রিং খোইদ্রাংঙি, চুম্ন থক চৎলু হায়ব য়াদে। শেমজিন্নীদ্রব কুদ্রক কদ্রাকপ লঙ্গৌদ চৎলুবদ মচিন তুম্ন তিংথৎদ নেৎলুবগী হুদি পুল্সি চুম্ন কাদুন লৈ, শিদ্রিক্কাওব কোকউ য়াদে। মসিরা পুল্সিগী মহাও হায়বদু ?

ঐখোয় তামোদু ঐঙোন্দদি কয়াদ ফগ্নব। ঐখু কোইপু পুদুন চৎলি, গুমাং লিসা য়েংহল্লি, কা-চোংবী, পোৎয়োম্বী শান্নহল্লি, উরাওবী য়্লাওহল্লি। ঐখোয় তামোগী উ-দি শাংগ্রপোৎনি। রোমাখোয়গী বোকুল মখোংদ শান্নবদ থংই, ঐখোয় তামোন গুলি মখোং ওইগ্রবদি থোইবিনিংঙাই লৈত্রে।

নোংম কোনুং লমপাক্ত ঐখোয় শান্নব চৎলুই। রোমা, রেখা, কোম্নীরৈ, সচি, মতৌলেবী .... গুরে ময়াম হৌদুন চৎপনি। মখল গুন শান্নে, মশান্নশিংদু কয়াদ নুংঙাইগ্রব! কোনুংদ লৈব রাণীশিং, অঙম্বশিং, ফম্নাইব ফম্নাইবী চিৎথদ্রে — লোইন য়েংই। ইমাসিন অচাপোৎ ময়াম'ম ঐখোয়দ পিজরদুন হায়রকই।

— বে-বেম, হয়েংসু লাকউকো। ইচাশিং শান্নবসি য়েংবদ কয়াদ নুংঙাইগ্রব! ইমাদি পেন্ন কৌব লৈতে। য়েংঙোই বে-বেম কোনুংসিদ শকহেনসনাগীদি শান্নমিন্নব কনাসু লৈজদে। নখোয় খর-খর কোইথোরকউকো।

সনান শান্নব লোইরগ হৌজং ফাওব থিন্দোরকই। ঐখোয় ময়াম প্লারী শান্নবদ সনান হায়রকই,

— কোনুংদ লৈবসি নুংঙাইখিদ্রে।

ঐনবু হংলুই,

— কোনুংদব অরা অনা, নিংব প্রুধ্রাববকাসু লৈবরূন?

— নুংঙাইখিদ্রপোৎনিদু বেম, নুমিৎচুপ্গী অক্ন-অপুম্বরদন। ঐদি মিকুপ মত লৈজনিংদে।

ঐন থনখি, অরাং অপা লৈত্রব, নুংঙাইব, পুম্নমক্তা তুংনজম ওইব কোনুংনি। মহাক্ত নিংথৌগী অমত্ত ঙাইজরবী মচানুপী রাজকুমারী, শকহেনসনা। অদুগ কোনুংদ লৈনিংদব। ঐ ভকদন থম থেংখি।

হৌজিক্তি ঐ ক্লাস মাইন তয়ে। রাজকুমারী, ঐগী চানবী অদুমক ওইরি। হংলকই,

— বে-বেম, নখোয় তামোদু কমদৌরি ? মহাক কোনুংদ লাকখিদব থা ফাগদৌরে। হোরেন্দি লাক্তব য়াদে খর তম্নীয়ু।

ঐনবু কাগী তৌরকই,

— লাইরিক তাকপদু ঐসু খর য়াওজগে ?

মহাক্ত থমোই য়ৌন মিৎচীন য়েংশিন্নকই অদুদগী য়োমোন নোক্কদুন খুম্নকই,

— য়ারোই ইবেম্মা, নুমিৎচুপ্প খুমদ লৈরিকবদুদি খরীদ্রে, ঐখোয়দ ওহাক লাকপসিদ য়েংশিন্নীরক্কনু।

ঐন অমুকসু হন্ন মখা তাশিল্লি,

— ঐন হায়বদি ফোংদোকপ য়াদব অনৌব পড়াক লৌথরব জাৎলা ?

ঐগোন্দ সন্নান মিৎচান্নন য়েংলকই; ঐগী ইতৌ ভবদ থমোইম থমোইবু মশক থংলবগুম হেন্ন চীং-লেম খুম্নকই,

— খরদি লৌথরে। পড়াবু কানব তাকপ ইগুম ওমদেদ, নখুংদো তাক্‌প ইহে হেতেনে। লাইরিক্ত পংফ মফজবনি।

অদুদগী ঐগোন্দ খুনিংন থিন্নকই।

— ৈ বে-বেম নংগে কিগ্রে ঐদি হায়রু ...লুকা, কাগী তৌবনি।

মবুক্ত লৈব রা ঐ জোইন শংই। মহা ... কাগী তৌথিন্নি,

— সনাইবেম্মা, কোনুংদ লৈবসি ঐনদুম হেন্ন কি... মতোমতনিকো, ভাওদ ভাওহন্নীপনু ঐ করিসু হায়জরোইয়ে।

ঐখোয় তামোন কোনুংদ মহাকপু লাইরিক তাকপ চৎতবগী মরমসু মদুমক্লনি। ঐন চিংনরম্ব অদুমক অচুম্ব ওইরম্মে। কুইরে চৎখিদব। ঐন নোংম ঐখোয় তামোদ ফাগী তৌরুই,

— তামো শকহেনসনাসি ইনম্ম ওইরসিবা? অদু ওইরবদি ঐখোয় ইমুংসি মপা লৈতন নুংঙাইরনি।

ঐগী ব্রাদু তাবদ তামোন থমোই তিংথোক্ল হায়রকখি,

বেম, অরেম্বদ নুংথিলদ মং মঙ্গনু। ঐখোয় মীচম্ম নিংথৌগী মচানুপী রাজকুমারীগী মমিং পনফদে। য়েংউ থাজসে — ইংই, তপ্পী, ফ.জ, শুমহৎনিংঙাইনি অদুবু মথিক নেম্ব ঐখোয়গীদি নত্তে।

ঐদি ঐখোয় তামোগী ব্রাহৈশিংদুগী মনুংহুঞ্জিম্ব অর্থ মুম্ব খংলমদে, খনসু খঙ্কুখিদে। ঐগীদমক্ত ব্রাজরক্লব মহাক্কী ম্লাইফব লাইবক অম লেপ্পব চুম্বত পুক্লিংদ লৈব ব্রাদু ফোংদোকলুবনি।

নোংম লাইমাংগী ঋাংজেবুং অচৌবদ লৈকায় লৈশাবীশিংগী শুমাং লিলা য়েংলুনব স্কুল কারকপদ শকহেনসনান কম্ব হায়বদগী ঐ মাবু হৌব চৎলুই। লিলাগী মিথিৎসু ফগ্রব, মহৌশাগী হেমলেত শাবদুন হিরো শাই হায়। পাও তাবদ ঐসু য়েংনিংবন ব্রো-ব্রো খোৎপনি। হিরোইন শাবীদুগী এক্তিং উবদ সিনেমান কৈদৌরুনি। মশক উবদ পাথং মচাশিংদি পুমঙাও ঙাওনবনি। মহাকতুবু নিপানি হায়ব কনা'মতন থাজনদে।

শঙ্গাই মাঙোল অচৌবদ ফম্ব মথে ফমহল্লব মতুংদ ইমাসিন তাকপিরক্লই,

— ইবেম্মা, সনাদি নখোয়দৌন পংচৎ চৎপ মীচম প্রজাগী মতৌ তম্ব, য়াদে। মীওই খুদিংমক্ক চাকচা ফিদা তিম্নব য়াদে। মখোয়গী হৌন লোনচৎ তোঙাল্লি। মহাক লৈবাকসিগী নিংথৌগী মচানুপী রাজকুমারিনি। সনানবু লিলা য়েংনিংই হায়বরনে বে-বেম ?

— অহোই ইমাসি, শকহেনসনান অশাই হায়রম্মদুদ হৌব লাকচবনি।

ঐগী রাদু তাবদ ইমাসিন খোঞ্জেল হৌন কৌরকই, — কনা লৈ —? শুবেদার, ইপু হঞবদ হায়রু — মশুনুপীন লিলা য়েংলিংঙি হায়রি। লিলাসি সিদ অমুক তৌইলল্লু।

— ঐজ্ঞা।

শকহেনসনান ঐগী খুৎ পাইরদুন থমোই শোক্ল হায়রকই,

— বে-বেম নখোয় তামোদি ?

— লিলা মফমদ লৈহৌই।

— নংদি সিদ'সুম য়েংলসি, করি হায়বগে ?

— রারৌরনু সনাইবেম্মা, আদসুম য়েংজরুরগে।

সনাদু রা ঙাংখিদ্রে। নিংব কাম্নরক্লবদুদ শাওনিংলক্লমাম্লে থমোই চারু হায়রকই,

— নিংথৌগী মচানুপী রাজকুমারী ওইন পোক্লদবগী শরুক ঐদি মনিংতম পাইজব থাজপাংকী য়ুরান ওইন পোকচগে।

হোজংদ লেম্মন শকহেনসনাদু চিংন য়েংদুন অদুমক লৈহৌরে। ঐন কাংজেবুং য়োরকপদ লিলাগী পুং ঈশে খিম্ন লাওব হৌখরে। ঐবু উবদ তামোন নাক্ত চংশিল্লকই,

— কৈদৌরে, লিলা য়েংলরোইদরা ? — সন্ন্যাগী লৈচিল ।

— য়েংলরোই তামো ।

— করিগীনো ?

— কোনুংগী লিলান অসিদগী হেন্ন নুংঙাই ।

ঐখোয় তামোদু তুমিন্ন লৈখি, মথা তারকখিদে। ঐন অমুকসু হায়,

— থা থা থাবুংতোন হৈবোং চরোং অমত্ত —

হৈবোং চরোংদু অদুমক থাদরকখিদ্রে, মরা তামো ?

মরি লৈনদব রাহং মচাসিগী পাওখুম পিরকখিদে; ঐঙোন্দ চুমদ্রিং অমুত্তং য়েংলকখি।

হু পুব লিন্ন চিকপগুম মশাদু পংথরকখি অদুদগী মাইথোংদু খংমক মকশিনকখি। ঐগী রাখল আশা পুম্নমক অশেংব সন্ন্যাগী লৈচিলনি।

মম্ শিল্লক্লে

নুমিদাংৱাইরম্মসিদ

অমম্ব অহিংসিদ ৱাখলগী লমদাং কয়াদ পনথুংফম ওইদুন, থমোইনুংদ ক্লুজিন্নকপ পোথাফম থংদ্রব থৌদোকশিংনা য়ের থেংনদুন ইশাসি তান য়াওদ কুইন কুইম থংথবগুম তৌই। থৌদোক ৱাথোকশিংদু ৱারেংফম থংদ্রে অদুবু ৱাখলদদি মমি শামি তাদুন লৈরি।

'[illegible] ইমা — [illegible]', [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংথিন [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], অয়ো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পোথানবরা? থাজ তরা নাওপুন [illegible] [illegible] পলেম মহাকপু তাংনৌ য়েন নিংশিংজরকমাজে, থোজেনদুনরু হম হম লমাংনরব ঐবু মকাইবগুম তৌই।

মরক মরক্ত মপাং কায়নরবী লমগী চেক্লাশিংন কায়দোংফম খংদ লাক্ল লাক্ল খোংলকপ খোঙ্গাংন থমোইবু চিংদুন পুখি — অথেংব অহিংদুগী মহাও হাপ্পি, অদুগ তৌফম খংদ্রব ঈপাক'মদ ঐবু লংথদুন থম্মীরম্মে।

— সুনিল … সুনিল … য়োংগী মচাদু কদাইদ চৎখরে ?

— ইবেমপোক ঐ সিদ লৈজরে।

— নংবু ঐন কৌবসি তাদরো ? কয়াদি কুইরে ঐন কৌরিবসি। ঐবু খর থাংডরাও, ইবেল মপালদ থোক্লে।

— ইবেমপোক নুমিৎ তারে, ফমুংদ অদুমক পোথাবিরো।

— ওস্তোকইদ, ঐদি নোং ভাল্লবোই নিংলুরে। ফমুংসে মৈমুক শারে, মোনপাকসি কম্বনা — য়াংলেনসি নাবদ খাংব ভমদরে। হ্বারেদকো ঐসে, কয়াম কুইন অসুম্ন হিংখিগনি ? প্রভু, ননাইবু লৌশিন্নিরো, হেম্ন পাপ লংশিনহন্নিরগনু। কদাই সুনিল, মচন করিমত্ত উব ফংদরে, মৈদু খর চুখৎলু।

ঐন মৈ চুখৎলে, পোদোন্নদু মখোং মথক্ত থাদথলে।

— মৈ সিদ লৈরে ইবেমপোক।

— কদাই ঐদি ভদেনা — ?

ইবেমপোক্কী হাওথাংনরব খুৎশাদুন মারকই। মুশি মুশি চাক্লিব অয়ৌব মভাল ফুদোকতুন কাদুগী অমম্ন মপুং ফান [illegible] ভম[illegible] [illegible] [illegible] ইদুশি। [illegible]না পুখোকতুন [illegible]ইদ [illegible] [illegible] [illegible] অমম [illegible]দু [illegible]ওন অমম্নদ [illegible] তি[illegible]। ইবেমপোক [illegible]কই।

— করিনো হৌজিক তাখিবদো ?

— থাওমৈনি ইবেমপোক, মুৎথ্রমালে। ফুঙ্গাদ ঐ চুখৎচরুগে। ঐন মৈ চুখৎনব অমম্বদ পোদোল থিরি। ইবেমপোক্ক অমুক পম্বব তৌদন মথা তারকই,

— চুখৎলুরনুদ, ইশুসিদি পংম্মা ব্বারে। ইবেল থংলে, মঙালগী চম্নগদব অমুক লৈত্রে।

ব্বাহৈশিংসিনি ঐগী থমোইদ হৌজিক ফাওব হু কান ম্মুরিবসি।

উচিন নাচিম্ন পোদোলদু থিব ফংজরে। ফুঙ্গা মনাক্ত চংদুন ব্বান কাম্নগ মৈদু চুখৎলব মতুংদ খংলকখি, থাও য়াওদ্রব মপুক হাম্পব পোদোলদুন শাংথন মঙাল পিব ভম্বগী মতম লোইখ্রে। ইবেমপোক্কী য়ারক্ত তারে, ঐন হোৎনজরুব অপুম্ব অরেম্বদ তারগদরা পুক্লিংদ চিংনরক্লে।

ইকুই কুইদন ইবেমপোক্কী মনা য়োৌন য়ৈশিল্লকখি, উব ভম্বগী পাঙ্গল মাংজখি, খংব ভম্ব জ্ঞানগী শক্তি মপোকতুমগী ওইন লোইশিনখি। মতমদুদবু করম্ম নুংশিব, করম্ম ফজব শক্তমগী চম্নফম লৈরিবগে? চানিং থক্লিংব পোকত্রব, মহাও খংদ্রব, মনম, ফাওদ্রব মতমদুদ ইবেমপোক্কী করম্ম খোইদাব লৈরমগনি? ব্বাথলন তত্তন হংই, করম্ম খোইদাব লৈরমগনি? হৌজিক্ত পুক্লিংন পাওথুম পিরকই — 'লৈ, খোইদাব অমত্তং লৈ, মদুদি তাম্নবও শেম্ম মপুগী মথুয়া থম্বাল য়োৌনব অমত্ত ভাইরুব লম্বী, মহাক্কী কোলোই মিংলেন্দুত্তং তানিংই, শোম্নিংই।'

পুক্লিংদ ইথক ইরাং হৌরিজৈ, অপাম নুংশি কম্নক মিহৌ লৈরিজৈ, নুংঙাই ইপাক্ত তাওদুন হরাও মিনোক তম্নিজৈদ পুন্সি খোংজেলদি ব্বাইশিল্লথরে, চৎকাম্ন লম্বীদি খিহৌদ্রে, চৎত্মদি ম্মুরোই। অসি থম্ন পুক্লিংগী অপাম্বদি তাংলৌ য়েংন থত্তুরুদে, হংজরুই— চানিং থক্লিংব পোকত্রব মতমদুদ,

— ইবেমপোক, করি চাসিংগে, করি থকসিংগে ?
অমত্তংদি তাকপিয়ু নওদে ।

লানফমদুদসু ঐহাক মাইথিখি । মতমদুদগী হৌন ইবেমপোক্কী পুন্সি মরাই চাইথবহৌখি — থমোই শোইথিখি, পুক্নিং হুত্থখি, ৱাখল পিকথখি … । হায়জব তাবিদব, নোঙবদ মৈংবিদব, মনিংতম্বগী কাহেন্না লিচৎন পিকলিব অঙাংগী মতৌগুম লমহেন্না হৌরকখি ।

ঐন থবক চৎলমদাই খুদিং হংলকখি,

— নং কদাইদনো ? থাপ্প চৎথোক্কনু । নুমিৎ তাদ্রিঙেদ, হল্লকউকো । ৱাহৈ খরসিন ঐগী থমোইবু পুন্দুন থমখি, নাম্থোকপ ঙমখিদে ।

— নহাক অহল-লমনগী সেবা মতোল লোম্ন তৌরকউ ।

মসিন করি অর্থনো ? অর্থ খংজদ্রবসু, মহাক্কী অশীর্বাদ ৱাহৈশিংসিগী বন্দিনি ঐদি । স্কুল কলেজগী লাইরিক তমকপদ কবি কয়াগী পাওরৌ থেংনরকখি — 'বসন্ত লাক্লবদি নিংথম থান কয়াম তাম্ন লৈরমগনি, নুংঙাইব লাক্লবদি অৱাব মতম কুইরবনি, অমুক ওইরবদি নুমিদাংৱাইরম অমুক থুংলরনি ।'

'অৱা নুংঙাইগী পুন্সিন য়াচংলকপদ, নুমিদাংৱাইরম কৌরৌবগী মশেক মঙালন নোংচুপথংব চীংয়াদ সমা [illegible] নোংমদোল অঁতিংয়াবু থিনগাইরকপদ থমোইগী [illegible] [illegible] [illegible] থোক্লবদি, মহাক অদো [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] নুংশিবগী [illegible] [illegible] মত্তাবু [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং অশেংবা নুংঙাইবদু [illegible] [illegible] ।'

পুন্সিগী শৈহৌগি গোলোইগ কয়াম থেম্বগে হায়বদুদি দশ নিকাশিংদি মাজোংনন খংবা ঙম্মী ।

হৌজিক্তি ইবেমপোক্কী হকচাং কয়াৎ খুদিং মন্নে। পদ্রাক পদ্রাকপ, মকু মকুরব উনশাশিং, খোইরু তারব অঙৌব শম্নাং পুম্নমকতু উরুবদ নোংম ইবেমপোক্ক হাম্লখি,

— অহঃ ফজরম্বনিদ পাম্বোমসে। শাংগ্রব শময়ামসি পুমঙৌ হেক ঙৌরেদো! খুবোমসে —।

মপি চদুম চদুম শিন্থখি। কপখি হিক্ক-হিক্ক। উরুবদ ইবেমপোক্কী মঙৌদু নিংঙমখিদে থমোইসে। লাকখি ব্রাখলদ ব্রাইং কয়া — করিগীদমক কনাগীদমক ইবেম্ন কপ্লিবনো? কোংঙমদ ব্রাইহ খরদু ফোংদোকত্রবসু পুক্রিংন লাকশিন্দুন মনুংহত্তিন্ন অর্থদু উব ঙমখি। ঐন ফাগীদুম তৌরুই,

— ইবেমপোক করিগী কপ্লিবনো? নামৈরাকপম ইপুনে, ঐখোয় ইপুনে, থোকচোম ইপুনে কুমশি লাই হরাওবদ ইবুধৌগী মাংদ জগোই খুৎথেক কৎকনি হায়রি। ইবেমপোক ম্নাওরোইদরো?

— নপাই মকোক! ঐদি করম্ন চৎকনি? খজিক কুইন লেপ্প ফাওব ঙমদ্রে।

— অদুওইরগ ঐন পোদুন পুদ্লুঙাইদন।

— য়োংগী মচাসাদ, নংবু ঐ খোব ঙমগদরো?

— ঙমগনি।

ইবেমপোক্ক থিক-থিক নোক্কদুন মথা তারকই,

— পুক্তিম্নু ইঙসিদি। অমুবু হঙগা, ব্রাকেই — ব। ঙাক্তিসি মুমিদাংব্রাইরমঙীগ ইমব, মম শিক্কে। ইখোংসে তেম্লেদ, অসিব্রাই ফাওব চৎকদব কিরে।

মতুম, জাপাম্নব য়োং—৩৫

ইবেমপোকতু অসুম অসুম শোনজিল্লকখি নোইনন নোংম নোংমগী লম হেন্ন, হায়ব ইন্দব, চোংলম চাদব হেনগৎলকখি। মদুসু, হৌজিক্ত খংলকই; পুন্সিগী মথেল অমনি। ঐখোয় ইপুন চে-থাংই অদুবু মহাক্কী হৈনবীদুদি থাদোকউ খক য়াদে। মদু উরগ ইপুন কপ্প কপ্প হায়,

— ইবেচাওবী নংন তৌরিবসিবু করিনো ? নং ঐ ফাওব মশক খংজিল্লকত্রব !

পোপ-তুন নারক্লব কান্দদি ইবেমপোক্কী হৈনবীদুন পুম্নমক্কী অন্নাব ওইরে। ঐখোয়ন হায়জব তাগুম্ব ইবেমপোক তাবিব লৈখিদ্রে।

নোংমদি ইবেমপোকতু ওইনদুন চাক চাও হায়ব ময়াদ্রে। তম্বাক্ত পমদুন চাক ইন্দ্রবদি চাররোই হায়ন নিংভাই তৌরক্লে। চহি ৮০ শুরবী ইবেমপোক্লি, কনান পমদুন চাক ইনগনি ? তশেংন অভাংত অভাংগুমলে। করি করিগুম্বদ অসিগুম্ব চোংলগ চাদব অহল ওইরকপগী কায়রব চৎন লোনচৎন থমোই কয়াবু নৌথোকহল্লি, অহোইনব মৈচাক হাপ্পি।

পুন্সিগী মম.শিল্লক্লব নুমিদাংব্রাইরমসিদ মখোক লোইরব মহাক অদুবু মতম্বাক্ত পম্নগ, মথাদ চেৎন কোন্দুন ইপুন পুন্সি চেংজেল পিখি। থাইনগী লৈরাং অমম্বী মল্ল-মল্ল লৈনুংশি হায়বদুনি।

— চাওনে ইবেচাওবী, খদাংদু নোম্মু — তোইন শাইয়ু থবন্দনব।

অদুবু ইবেমপোক্কি খদাং নোমদুন শাইব ওম্নগী পাক্কল ফাওব লৈরমদ্রে। ইপুন ইনখিব চখোম খুদিংদ মিৎকী পি য়াওখি, থমোইনুংগী অশেংব নুংশি ব্রাকং কয়া য়াওখি।

ঈাকৎশিংদু তাবিব লৈতন ইবেমপোক্ক ইথাংেক থাজদন তায়বঙপাল থাদোকতুন চৎখি। পুন্সি.গী অরোইব মিকুপতুদ চান্নব মহাক্কী মথানুংদ তায়বংপাল থাদোক্কে অসি খন্ন ইবেন্ন ওইনরম্বরা ? মব্বা মপুরোইবগী মাং থান চেচেৰ ঙমজখ্রবী য়ুমবুরেম্বীদুগী অনিংবদুবু অশেংৰ স্বর্গগী লছ্মীরা ? হে ! নুংশিব, নংগী তৎন থানব লৈত্রৰ লেংদ্রব মরিদুবু কয়া য়াম্ন শাংবগে ? লাংওন অসিত নত্তন মপোক লাংঙন খুদিংদ লেপ্প ধন্ন লৈত্তন শাংদোকপিব য়ারোইদরা ?

নুমিৎত্তুগী মঙ্গারকপদ ঐগী মিংত ইবেমপোকতু উরকই। মহাক্কী থক. থক. নিক্লব ব্রাওথাংনরব খুৎশাশিংন ঐগী কোক্ত থমদুন হায়রকপগুমই,

— 'পুন্সিয়ু নহাক পুন্সিয়ু।'

ঐন হন্দুন য়েংলুই, শন্দুক্তগী চুমদ্রিং কারিব মৈখুদু নোংমদোস্ন পক্ক ব্রাংখরি অদুদগী তপ্প তপ্প শন্দোকতুন মালংদ তিনখরি। ইপুন মপি তৈথোক তৈথোক্ক হায়রকই,

— কৌইহৈদে য়েংল্লুনুনে নংবো।

ঐন খনখি, করিগীনো ? অদুক নুংশিরবী ইবেমপোকতু হন্ন ক্কাওব য়েংব য়াদ্রব ! অশিব কৌব লাইন তৎন থানব য়াদ্রব মরিদু মিকুপসিদ লৈথৎখ্রব ! নত্তে ... নত্তে ... ইপুন ইবেমপোকপু, ইস্থোকখিব লৈতে, ইস্থোকখিব লৈতে ! শন্দুক্তগী থোক্লকপ মৈশা পুম ঐগী থমোইনুংদ চংলকপগুম ওমচাক [illegible]।

* [illegible] — '[illegible]' [illegible] ১৯৮৮ জুলাই [illegible]

য়াওশংনি য়াওশং

য়াওশংগী নুমিৎ ৫নি ছুতি থ্বাবসিদ পুন্সিগী ওইব করিমো থবক অমত্তংদি তৌহৌব ফনি খল্লি। য়াওশংনি য়াওশং চহিগী ওইব অনৌব য়েন্নিং হুম্ন মতম, পাখং লৈশাশিংগী থমোই ঈথক ইরাং হৌন থা। ব্রাকচীংগী উনলেনগুম ফমজিনখ্রব ঐগী থমোইসি পুন্সিগী ফিদম্নফম ওইরুব লম্বীদ খোং থাংজিল্লগে অম্নুক ঈথক ইরাংগী ঈপাক্ত লুপতুন মতম মাংহল্লরোই লেপ্লবনি।

অচিকপ অরোম্ব কা থিরকপদ ডুকান মনুংদ তারকই। নুমিৎ থরনিসিদ ফজ-ফজরব কবিতা, ব্রারীমচা নত্রগ উপন্যাসকী পন্দুপ অমত্তদি ইহৌরম্নগ থম্ন লাক্রে। লম্বীদ হিংচাব মায় মমাইদ নিম., অবের, উৎ-ব্রাই তৈশিম্ন মচু [illegible] কয়াদ মশক লোৎলব মীওই কয়া চৎলি। লাওরি,

— দোং .... দোং ... পৈশা, পিম্নু, হোরিবোল্লা হে হোরি।

য়াওশংনি য়াওশং, ঐখোই নাম্ন থেংব লাক্লিয়ে।

— ইবুংঙোখোই, লুপা ৫ কৎচগে।
খুত্তগী পৈশাদু তাপ লৌরদুন,
—ওঝা, নুংঙাইরো মথং চহিদগী কয়োরপতি ওইরো।

থোং লোনশিল্লে অমুক হন্ন নাক্ক থেংলব মীওইশিংন য়েৎলদনব। মৈ ঙাম্ন থানগৎলে, চে-কলম টেবল মথক্ত থমদুন শেম শাব লোইরে।

হৌখিব থা ৪/৫ সি লৈই অম ফাওব চিংব ঙমখিদে। ইমুংগী অপিল অপা মেন্নব হোৎনবদ কোকসি শাখিবন সাহিত্য অমসুং চেতনাগী মফম কোকসিদ লৈখিদে। পুন্সিসি শেৎপ, চাব, অমসুং হিংনবগী লানফমদ মাইথিদুন ইনিংতন্ন হায়বদু শুকফং হেক ফংদন শিব তারবোরে। থাগী থরদং ফংজরকপ খুৎশুমন্দু খৌনাও নাবমখৈ ঙাংদুন তাঞ্জবনি অদুবু খুৎত ইতুং তুংদে, করি পাপ য়াওগ্রবনো খংদ্রে। চহি ৫ ওঝা ওইব, লুপা তিশিং মঙা তোন্ন; চহি ১০ ওঝা ওইব, লুপা লিশিং তরা তোন্ন হায়বসি শিনফমসিদ লৈব মীওইশিংগী মহৌশা ওইরমাল্লে। ইশাগী চহি য়েংলুরবদি, চহিদ অহুমক পুরিদুন থোকপ ফলদু মীগী শেন্দোন ওইরম্মে।

লৈকাইগী পোৎয়েং চায়েং, শোরাৎ, লুহোংব, দেব কর্ম্ম চত্তব য়াদে, মরমদি ঐখোয় ওঝানি। কুমসি চহিগী লুহোংবসি য়ামসু য়ামগ্রে, চৎপ ঙমখিদবসু কোঙাইনি অদুবু মশিং থিব ঙমদ্রে। হোংসু হোংগ্রে মতমগী নহারোলশিংসে, চহি চুপ্প হেক হোংই। লাই চেপ্প; লাই হৌগৎপ; থবান লাংবনগী ব্রা লৈত্রে। শা-ঙাত ঙাইহৌরে ঋতুগী পরিবর্তন য়েংলিব। ঐখোয়

মীওইবদি অহোংবসি লৈত্রে, চাওখৎলিব হায়বদু ওইরমায়ে ।

থোং লোম্বদু উবদ মচিন কম্ব· অঙাংশিংন লাওরম্মী,

— থ্যোং হাংউ, থোং হাংউ । অম্লুকসু থোং লোল্লি, নুংথিলসু লোল্লি, পৈশান পাইরিব মসিগী ডুকান্দারসি ওস্থোক্ল লিকশ্রে ।

ৱাহৈশিংদু তাবদ অঙাংনেদে পুক্লিং হঙ্গানরকই । ঐস্ম ডুকান মনুংদৈ লাওরুই,

— হো ইবুংঙো, হয়েং অম্লুক লাকও ।

মপাবু চহি হম্ব অঙাং অমন হেম্ন কন্ন লাওশিল্লম্মী,

— লিকশললু লিকশলল্ । খিত্তং লিকপ খিত্তং কান্নব, য়াম্ন লিকপ য়াম্ন কান্নবনি ।

পুক্লিংদ খল্লি, মতমগী অঙাংশিংসিদি ঙাংনব য়াম্ন ৱাদৌরি । অদুবু মৈতৈ লৈবাকসিদি হরাও কুমৈদ ঈরাক্লদুন শিরগদবনি । য়াওশংগী মরম চাদবশিংদ চাদিং তৌব লৈবাক্লী ওইন মংজবনি । হরাও কুমৈদ থৱাই কৎথোক্লব শুনিংদব ইরৈপাক মচাশিংন শেৎত-চাদন হিংব য়ারবদি শুদন লৈবদ করি কায়বগে ? শুনিংদব মথোয়ন মহেল্লে অহাওব চানিংব, ফজব শেৎনিংব । ৱাহত কোল্লাব্ল জোব পামখৎনরকই, ডিগনিতি ওফ লেবর মাংশিল্লকই । ৱাখলেশিংসিদগী মথা তারকই, হোইদ ঙর অদুমক লিকশিল্লগে ।

অদুবু নুপামচা নুপীমচাশিংন পুম্নাং লাংদুন চৎপদু উরুবদ পুক্লিংদ করিনোমদি ফাওবঙম তৌই ।

লাইরিক ইরিবুনি, করি ওইরবনি অসি খম চল্লাংনব থমোইবু ৱাথব অরাইব নত্তে । নেনা তাদব ফিরেপ লৈতব মতমদ

ইরু থোৎলুব খুদিংমরু মশক থোকপ ইঙম ঙম্মদে। ইনিংবগী ঈথিলদি তোঙ্গৈন মরাকই অদুবু অম্মুক তুম্ব খুদে নুংথিল কংব ঙাইঙমদব মতমসিদ অনৌব ব্বাথল খুদিংমক মফম মতম চাদন ফমজিল্লকপগুম তৌরকই।

মতম শাংন ফমজিল্লকপাদ ইশাসি চোকথরকই। য়ুমদগী পিজ্বকপ কাংশোই থোংবগী দম্ লোইশিল্লক্রমালে। পুক্রিংসি মতম কুইন ফাজিন্দুন থম্ব ঙম্মক্তে, মনিং তম্মকই।

ইথং হেক খংহৌদন মহৌশা নহা ওইরিঙৈদ পুখ্রি অচৌব ময়াগী লম্বীদ চুশিনখিব ঈশে অমন নাকোংদ থেংলরে। ঈশেদুদ থম্মোইসি পুমলপ ল্লুপশিনখি। থোং হাংদোকতুন য়েংথোকখিবদ উরকই — 'পুংকক্‌ চাওরব অঙাং খুৎপু'ম জগোই শারি, ঈশে শক্লি। মনাক নক্ল শরুক য়ারিব অহল্লোন কাংবু'ম য়ুমদ লৈব ঙমদ্রদুন ব্বাওরি ব্বাওরি পাঙ্কব নিশাগ ঈরোইনন নুংঙাইব ফোংদোক্লি, পৈশা থারি। লম্বী চৎপ'মদ ঐন হংলুই,

— ইবুংঙো, অসিদ করি তৌরিবগে?

— হো—ওঝা, জগোই ঈশেনে। থোরকও য়েংলুসি।

লম্বী লমথাংদ থৌরি তিংদুন নুংশা মরুক্ত নাক্ল থেংলুবদুগী হেম্ব শেন্দোং ফংলব অঙাংশিংদুন মথল মথলগী জগোই ঈশে থথং মথং তকথরক্লে। মথোয় মরি অঙাম শিন্দোক-শিজিন তৌদুন জগোই শাই, এক্তিং তৌই। জগোইদু ফজে, ঈশেশিংদু নুংশি।

পোথাকম থিরকপ মীওই খুদিংমক মক্কমদুদ পৈশিল্লক্লে। ওজ্বোকসু হৈরে, মতমগী অঙাংশিংসে ইকায়ব খংদে, মমাই ওজ্বোক্ল কনম্রে। ঐসু ওহাক ফমদুন পোথাক্লই।

করম্ন নুপীমচানো ঐগী থমোইবু পুন্নাং লাংহন্নী, তবোব তবোব, অমুব শন্নাংদু মাইথোংদ ত্থাই ত্থাই, ইংন তপ্ন মোং হাদ লৈমাইদ পিক্রব মখোং মচাদুন তান্দ নেৎলদুন — "তুমহি মেরী মন্দির, তুমহি মেরী পুজা, তুমহি দেবতাহো তুমহি দেবতাহো .... " শক্লকই। ইংলব নিংথমথাগী অয়ুক'মদ পব্লিক থিয়েটরদ ঐন চুমাং কারব খুৎশাশিংদু চেৎন খংপাই পাইশিললুবদ খংপ্রেক খংন মিপাইরদুন তথক তথক য়েংখিবী কনাগুম্বী'মবু খংনিং নিংশিংহল্লি।

ঈশৈদুন ঐগী থমোই মহি চেলহনখি, মশামক্ল শকঙ্গগুম উরকই, রেকোর্ড প্লেয়ারনি হায়ব কাওথোকল্লুই। চংশিন্দুন ৫ চৎপী ভাক্ত লুপা ৩০ থাদোক্লে। মহাক মঙাইরি ঐগী ফুরিৎখাওদগী থমোইশেংন পৈশা লৌব ঙমখিবসি। ঐগী ইতৌদু উবদ মাইকৈ মরিদ তিল্লিব মীয়ামদুন হৌন হৌন নোকতুন খুবাক খুরকই। মখোন্নদুদ ঐগী থমোইসি খজিত্তং নিকখি, তয়াং তশোইখি।

নাকন্দ য়েংথোকলুবদ কনানো'ম উখি। মতম কুইনগী তুংদ ঙসি খক্ত উবনি। মহাক উবদ থমোইসি মথুম-মরাং হৌরকই। মিৎচিন খজিত্তং য়েংলম্মু! অদুদগী মীরক্ত লৈশিনখি। মহাক্কী মচা অতোপ্পী বেবেমনি, মমা খোকতুন হৈজিল্লি।

ঐন ঐগী থমোইবু তপ্ন ফাথে— " য়াওশংনি য়াওশং, চহিগী অনৌব য়েন্নিং হুম্ন মতম।"

ঈগী মচু

—টেকসি, কলিঙ্গ রোড; মদ্রাজ চুম্বেন্তি; পটিল বাবুগী য়ুমদ চৎলু ।

ড্রাইভরদু অহম্নি, চহি ৫৪/৫৫ রোম সুরম্ব য়ারে । কুচু মুই, মথিক নেম্মী । মমিৎ অনিদু ময়ামদগী হেম্ম তোংই । মকোক্তি পোক্ল পুমঙৌ ঙৌরে । ইংলিস মতেক মতেক ঙাংই । গাড়ী থৌন থৌন মরক মরক্ত নুংঙাই নুংঙাইরব য়াহং কয়া লাকই । মশাগী চহি ১৭ তগী টেকসি থৌরকপনি হায়। মদ্রাজ সহরদ মহাক্ল থংদব লৈতে । খোংচৎতুদ টেকসি ড্রাইভরদুন অনিসুব ঐগী মরুপনি । চাওরাক্ল পুং ৫ রোম চংলনি; ভেলোর সহরদগী মদ্রাজ য়ৌরকপনি । আড়ীদু নুংশিৎকী মমাং [illegible] থোই, ট্রেন চৎন চৎন [illegible] তৌই।

কাংথদ লিন চংব, ইম্মুংদ অমাব লৈব, খুজিলদ তুম য়ুব ফত্তব মীগ য়েংথিনব ... পূন্সিদ পোথাফম লৈব হৌনদে । য়াখলদ পোথাফম ফংদ্রব মহাক অদো. মিন হকচাংগী তুং ইনবগুম খুদোংথিব, অবাবন মিকুপ খুদিং খোংলৌদুন লৈরবনি ।

ঐগী পুন্সিংসু মদুমক্কি। কুইরে, নুংঙাইবগী মমি তারক্তব। ইমুং মনুং অপুম্বা ভানাবগী অনাব ঙাক্ত। খংদ্রে য়ুমগী মত্রাদু করম্ব পুংফমদ হুনখ্রবনো! মাইবীদ চৎতুন শেল হুললুই, পাঞ্জিদ কয়ারক কুঠি য়েংলুই, ফত্তবগী ফত্তব ঙাক্ত। তিনমু ফত্তব লাইমু ফত্তবন য়ুমসিদ তোংদুন লৈরে, চবান, থাদোকউ — থয়োম লাকথোকউ। নুমিৎ য়ুংনকপদ শন্থোংদ লিন, ওইন থেংনবনি। খুমন্নি, হায়জ নোঙবদি য়ামখ্রে অদুবু য়োৌব ইঙম ঙমদ্রি। অহৈব মাইব অমত্তং কৌদুন থৌ তৌহললু, য়েংলহিং থাদোকহললু। লাইনিংথৌসি লৈতাদ্রে, নে-তান ভমুক্তং খুরুমউ, নম্রবদি ব্রাদৌখ্রি—।

দশা ওন্থোক্ল পাংখিদ্রে - মৈরম য়েরুব, শন্থোং কালহুত্তু ফম্ম উচীদ, অন্তর দশাশি রাহুন উপ্লি। যোগীনি থজিন্দ লৈবন থবাক নুংঙাইতে, খেবনচিংব তৌগনি। চহি ১৫ শনিন য়েংলকপনি, লোইগদব ৫ ব্রাৎলি। পাংখিদ্রে, প্রভু রামচন্দ্রন চহি ১৪ বোন্দ চৎখিব ভশাদুমক লৈ। অদুবু উকলদি ফৈ, থব্রানমিচাক য়াম্ম শেংন লৈ, শিরো হায়বমক্তি থোক্তে। ছাবদ ঐ তু চুংই।

অদ্রোগী মাইবদু কৌদুন থৌ তৌই, য়েংলহিং থাদোকই, লাইনিংথৌ খুরুমই। ঙরাংত গোপালদেবদ ক্ষির কৎলুই। শনিদেব লেংশিন্দ্রুন য়োৌখিব থাংজ নুমিৎতু শুম্যাংদ লা তাখ্রি। অনাবদি ফব লৈতে। থমোইসি অমম্বন অসুম অসুম কুপশিন্নকই।

[illegible] [illegible] [illegible] মা[illegible]ই, অদুনাগী [illegible] অমসুং মেমেচাপী [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] থ্রাংতে

মথাদ অম পোমদ্রে। ডাক্তর অচৌবদুন মংুক্ত মতুম লে হায়দুন ওপরেসন তৌরকসু তৌগ্রবনি। ইচাগী ফিবম চাদব মতৌদু উবদ মমান মপি চদুম চদুম শিহ্নরি। থমোই কম শাদুন ঐন অংই,

—করিগী কম্লিমনো? নংন অদুম তৌরবদি অভাংসিন করি থনগনি?

(থিংব য়াদে হেন্নদুম কপখৎলকই,)

—ইমাগী ইবেম্মা; নংন তৌরিবসি করিনো? করিনো নংন তৌরিবসিবো? নতৌ য়েংব ওমদ্রে, ইমাগী থমোইসি চাক্লে .... থমোইসি চাক্লে .. ।

খোজেলদুন থেংনুবদ নুংঙাইন তুমখুল তাঞ্জরম্মী, মেমেচা মিকপ থোরক্লে। হংলকই,

—ইমা, ঐবু ওপরেসন তৌখিগদরা?

য়াহংসিগী পাওখুম মমান থৌনাফম পিব ওমখিদে, মমাই লৈথোকতুন কপ্পগ অদুমক লৈখি। মেমেচান মমাগী মাইথোংদ মিৎয়েং থমদুন,

—ববানদি তৌনি হায়রম্মী। অদুবু ইমা, ঐ য়ামদ্ব কিক্লে, ঐ য়াম্ন য়ারে। ঐ ওপরেসন তৌব পামদ্রে ইমা। ওপরেসন তৌগদবগী শরুক চুম্ন নারগ শিজখিবন হেন্ন ফরে।

অদুদগী মেমেচাগী মশা থক থক নিক্লকই, ময়া য়েংগোল কারকই, ফক ফক চিক্লকই। ভ্যান মাংশিল্লকই, মখোং মখুক ফান-পুম্নব ওমজে, নৈথেকতুন য়াংঙেন চিঙ্খকই। হোস্টপিটাল অপুম পুম্নাং য়াংনরকই। মুখন মচাবু চেংখোং কোনশিল্লি, পাজল থেক্ক ফাথব লাক্লে। লাক্ক লাক্কন মমিতগী মপি চদুম চদুম শিহ্নরি। থমোই শোক্ক হায়রকই,

—ইমাগী ইবেম্মা, ইচা ওপরেসন তৌররোই, ওপরেসন তৌররোই।

ঐ ওাম থাংখি, তৌরকৈ থংখিদে। নহান মখৈ বা-লাং ভাংজরবী তুমিন লৈমগী মমাদু বা ভাইজকে, মথবাই য়োম পাজুদন নোংশা অমোমওম মাংদ চোংথোকতুম লেপকে, মচাগীদমক শিংনবচে। ঐ থংই, মচাগী য়াইফনবগীদমক মমাওইবীশিংগী হেন্ন চাওব খোঁদাং লৈ। মমা মচাগী অফিংব মতুং ইন্ন ওপরেসন তৌদবগী খোংচৎনুদ অমুক থুংলরে। অমবম লোংম বোংমগী তকশিনকখি, মেংওংপ ওমশিনকত্রে। চৌজিক করি তৌব তাব ? বাখলসিদ কোক ভাওখি।

খন্নব য়াব খন্নরব মতুংদ মীরবাকসিদ লায়েংব লাকখিবনি। অহিং কয়া তুম্নকত্রে। পৈশা তুমলে, মাংব য়াব মতম মাংলে, অদুগীসু মথক্ত বাব য়াব বারে, অদুগ অরেম্বদ লাই.য়:দন হয়্ন ! বাখলদ, চম্ম থক চম্ম থক চুরুত মতেক অমসুং মৈখেৎ মরুন কাদু পুমচাই চাইরে। অহিংগী শরুক তখাই'ম চৌখরে, চৌজিক ফাওব তুমিংব পোকত্রি। মমান মচাগী মমাক্ত উইরুম উইরুম মিৎশেল থাংলি, মহাকসু তুম মচেৎ চাবা মচেৎ মকাদা ওজা মতৌ মেংব ওমত্রে।

ওহাজী তুংদ মহৌশাওম অথাবপগী লাওরকই — 'অল্লাহু অকবর' ...। খোজেলদুদ পুক্নিংসি থুক লাওই। তায়বও মীওইদ নোংভামে য়াহৌরো মপুগী শিঙ্খা পাংলরো — হায়রিমাখে। পুক্নিংদ থম্নি, থৌজাল হৈব মপুন ইচাবু কুবিসনু। মহাক্তি পুম্নমক থংব উবনি। ঐন তাইবও মপুবু 'খুরুমজদুনি মপুরা মরাজদগী ইচাগী মচাই নিজখি।

তেলোর হোস্টপিটালগী নোংপোক থংব মইক্তদ রাংচাওরব চীংজাও'ম লৈ। চীংজাওদুগী মরুমদ ক্রোরৌনু এরাক রোংতুন পোথারুরব মতুংদ মালেমসিগী অরা অনা কোকথোককিরমগে

মতাগুম মশেক মঙাক্ষ ফুদোম্রকই। কেক্ষাম চেনতজগী চৌকিদার হৌগৎলকই, শৈনুংদগী ঊশিং চিংগুবনব ইকিন্দু ওৎখংলকই, ময়ামগী তুম থুগাইরকই। মকুম খুদিং শিৎপ য়াম্ব হৌরকই, মচিন শেংব শেংদব হোটেল বোইদুন থোংবাদ দং দং থিল্লকই,

—বাবু চাই।

থোং হাংদোকত্তুন চা লৌই। মশকতু উবদ মেমেচা মমাদি হক্ষোইবগুম তৌখিমাল্লে। হায়খি,

—মাইদ, মচিন শেংদন লোম্ব চানি। তুম্বচবরা?

ঐন খুমখি,

—চিন শেংদন লোম্ব চা, চিন শেংদন থকপন হেয়্ব হাওবনি।

করিগী ফাগীমো তাঙাসুদ তৌখিবদো। মেমেচা মমাদি মদু তাবদ ও-ক. ও-ক. মেক্লিন তম্ব চেনশিনখি। খুৎ অমত্তোম তিন চুমখি, মপুক থয়দুম ওনিংব খঙখি। ঐহাক তেইদান চাদু থকপ তঙখিদে।

ইস্কাল মহুক থাদোকত্তুন লমদম তাম চৎপগী থোংচৎতুন অহাম্বনি। মতমদু ঐদি মপামগী মীওইশিংগী মরমদ মকু হক্ক থংলমদে। অদুমওইনমক থমোই মশক থংদব, মপুক লুব মথোম্বশিংদুগী মোৎলিব খুমোৎশিংদু উরবদ, করম্ব থোইদারকনি। রেল গাড়িদ আকপদু অদু মতাই, অদুব উরদবা মচিন শেংব শেংদব—বাবু চাই. বাবু কফি। কম হাওবা অচাম্বোই ওইদুনসু মশকতু উবদ থবক্কি, মুশিন, মুশিন, লুব মুখুশিংদুগী মতৌশিংদু উবদ চনিং ফুকথোক্লকই। অমনি অমুক চুপ, অমম্ব অমুক থক শেংন চায়দব গ্লাসশিংদু উরবদ তিগী অমাইপ নুংশান শাবনে. খোঞেলন মাবা... [illegible]

মওং মতৌ লুজাদবদু উরুবদ মেমেচা মমাদি য়ুমদগী মরদং চেজরকপদু ফাওব হন্দোক্লে হন্দোক্লে তৌম লাকখিবনি।

মাংদ তারিব খবরদুগী হেডিংদ ইরি— 'ব্লার ওফ ব্লেক'। খঁরদং পাথদুন য়েংলুই — অফ্রিকাদ লৈব নেগ্রো ইচিল ইনাওশিংগী ব্রাথোক্লি। নামেবিয়াগী নেগ্রোশিংগ অঙৌব জাতিগ কুম্ন খুৎ থোক্লরে। মশাগী অধিকার তাম্বদ থরাই পামুব লৈত্রব অমুব জাৎকী মীওই লিশিং লিশিংবু শাঙা হাৎপগুম অঙৌব জাতিন হাৎখরে। পুক্লিংদ অঙৌব জাতিবু ব্রারৌরকই। তাজাদুমক্তদ থোংজিন্দ লেপ্পব্রিবীদুন লাওরকই,

— মাইয়া —

উম্, চাক্লিবীদুনি। খোঞ্জেলদু তাবদ অমুব জাতিবু হেন্ন তুরাচরকই। থমোই অমগী ব্রা থমোই অমম খংদবগী ব্রারা? খংদে, অনিংব'ম য়াওম থোংদু লোনশিনখি। অচুম্বনি লমচৎ নাইজরীশিংবু, য়াম্ন তুরাচ, মিৎসিদ উজনিংদে। পুক্লিংদ ব্রারৌবদু অমুক হন্থব ঙমখিদে। মেলবেগী কুলিশিংন মরমচাদ লৌখিব পৈশা, টেক্সি ড্রাইভরশিংগী নমথাক, ব্রাঙাং হৈব কাংবুশিংন ফমফম মুম্নবদ মমিৎ'নি চোংথোক্ল শিংনরকখিব,... ঈ কাদুন লাকখিবনি।

ওসি মেমেচাগী ওপেরেসন তোগদব নুমিৎনি। মমাদগীসু ঐঙোন্বগীসু ঈ বোইক্ল অয়য়ম লৌগ্রবনি। পুংজা কয়া থিয়েটরদ লৈরুবদু মতুংদ অশিন ওইন, অইখী গাড্রীদ মখুতুনু পুথোরকখি। তৌরিব মতৌদু মমাদি হৃম্ন ফাওব য়েংজবা ঙমখিদে। অনাবুগী হকচাংদ কাপ্পিশিন্দ ইগী, নোটেল পাইদুনু শেম্নব্রিবী নর্সদুন হায়রমী।

— মিজ তো ইন্দ সি-অভ্যাতন্দ।

ক্লাস চংহন্নুন ডাক্তর অচৌবদু উংরুই। মরোল তাবদ চেক্স নিংরুইখি।

—পেসেন্ট ইজ সেরিয়স। ব্রি নিউ মোর ব্লড। সি ইজ টু ব্রিক।

ব্লড বেহক্তসু ঈ ফংদ্রে; করম তৌনি! কদাইদগী কনাদগী ঈ লৌরগনি? মীরৈবাকসিদ খংন চাহব অমত্তসু লৈতে। ঐগী মথা মৈ হৌন শাখি। মজীং নিংখাইরকত্তুন কোকথক্ত নম্বুরকপগুম থোকখ্রে। চেম্বদ হুমাংন পুমচোৎ চোৎলে। লাইওনস ক্লব, আর্মি হেড ক্বাটরদ ঈ নিকুর্বনি, ফংদ্রে। বিঃ এসঃ এক্কী কমানডেণ্ট উংরুরে, অরেম্ব তারে। ইমা লৈপাক থাদোকত্তুন ভেলোর তাম্ন ইচাবু লায়েংনব পুরকপনি, মশান য়ানিংদ য়ানিংদ ওপরেসন তৌরে, ঈ ফংদদুন শিব তারব! ইখোংন খোংন ইচাগী মোংফম খিব লাক্রব! ব্রাখলসিদ ঐগী থমোই মচেৎ মচেৎ থোক্ল কায়রক্লে।

শারব নুংশাগী চৈনা ঐঙোন্দ ফাওখিদে, ইশাসি পুমপং পংথখি। ইকায় অকি য়াওদ মিৎলু থুম্ম ঈহৌরক্লে। ঐ, ঐ খোঞ্জেল থোক্ল হিক হিক কপখি। অহাম্ব ওইন নুমিৎত্তুদ ঐগী কম্নব থমোইগী চেকপল মহি চেম্নব নুংশি পিরাংন নমথায়খি, ঐগী অখাংকম্বগী নাপল থুবেকখি।

—ডাক্তর, ইচাগী থবাই করীম্নু। ঐঙোন্দগী অৱাৎপ ঈদু লৌবিয়ু।

অকুপন য়াবিরকক্লে। ইচাগী হিংনবগী অশা মমি শাম্লে। ঐগী নিংব কাম্নুথরক্লে। মথা ক্লান হোৎনরম্ব, মখাতান চেললুবগী কাহব লৈত্রে থম্ম হোস্টপিটালগী মমাংদ লৈব লৈকোলগী উপাল মথাদ ফমদুন ইতোমত হিক হিক কপখি, অরোইব মতমদু ওাইখি।

শোক্লব থমোইদগী থোরকপ ৱাকৎ কয়া ইমা লৈপাকলোমদ ওল্লদুন তায়বও মপুদ থাঙ্গৎখি। অরোইব মতমদু লাক্লবদ মীওইবন কনাগী মফমদ চংজফম থোকপগে? মদু ঐ মিকুপদুদত খংখি। ৱাখলদ নুংঙাংখিদবদগী ইনাক্ত চংলকতুন লোয়রিব নিপাদু ফাওব উখিদে। মশম খোইরু তাব, কুচু মুশিন মুব, নিপাদুগী থমোইদ নিংব কাম্নরব ঐগী ইতৌদুন করিগুম্ব'ম ফাওহনখিমাদে। মদুমক্তি ঐ খংহৌদ্রে, নক্লু চংশিল্লকতুন ঐঙোন্দ হংলকখি,

– ব্রডর, হেব য়ু এনি প্রোব্লেম? মে আই হেল্প. য়ু?

ইচাগী হকচাংদ বোটলদগী ঈদু মরি মরি চংশিনখরি। শিরুরব ইচাগী চিন্নান্দগী নাহে খোজেল তারক্লি, মমাগী আশাগী মঙাল তপ্প তপ্প ফুদোরক্লি। ঐখোয় অনিগী মিৎয়েং ইচাগী মাইথোংদ হোংব লেত্র থমলুরি। করিগুম্বদসু ঈগী বোটলদ লাংতক্লন য়েংলুরি। ঈগী অঙাংব মচু মরক্ত ঐন উরকই—অমুব নিপাদু। নিপাদুন হায়রকই,

—ব্রডর, হেব য়ু এনি প্রোব্লেম? মে আই হেল্প য়ু?

—হোই, মদু অদোমগী থৌজালগী মখাদ লেরে।

ঐগী নাইতোম পোকচবী ইচাগী থব্রাই কম্নব ঈ ফংদ্রে।

—চৎসি, ঐ নংগী অব্রাবদু খংদে।

অহাম্ন ওইন ইচাগী শিংলিদ অমুব নিপাদুগী ঈ চংব হৌদ্রে। ইচাগী শিংলিগী মপাঙ্গল মতম অমুবু কুইবসি নিপাদুগী ঈতবু ঙাইদুন লৈরম্বগুম থোকদ্রে।

নিপাদুন চৎলমদাইদ হায়রকই,

– ইশ্বরন মাবু থৌজাম্বিসনু।

ঐহাক নুংঙাইবগী মপাল নাইখিদে, ঙহাক মংলান্দ তাওদুন লৈখি অদুদগী থৌজাল হৈরব নিপাদুগী মখুৎতু চেৎন পাইশিন্দুন হায়জখি,

— ঈশ্বরন অদোমবু থাবিরকতুন ইচাগী থবাই কম্বিরে। ঙাইবীখো মরুপ, ঐদি পুন্সিদ অমুক শিংব ঙম্নরোইদব লমন তোনশিন্দুন অদুমক লৈহৌব তারে। কায়নরমদাই মিকুপসিদ ঐগী হুদোলসে লৎনদন লৌশিম্বিয়ু। মসিমক মমলনি খম্বিগনু, পাইশিম্বিয়ু। য়ুমদ হনখিনবগী খুচ ওইবীয়ু।

— মরুপ, ঐ কনাঙম্বদ ঈ য়োঙ্গদে। য়োনগে হায়ন থনখিবসু লৈজখিদে। অঙাং অসিগী থবাই কম্বব হোৎনজরুবদ ঐন ঈগী মমল নৌরুব থোক্রবদি দান তৌবগী করি অর্থ থোক্রিবগে? পৈশাদু ফুরিৎখাউদ হাপচিম্বিয়ু, অবাৎ অপা চিদাক লৈনব থমজিম্বিয়ু। য়াম্ন থুন ফগৎলকতুন য়ুমদ হনখিব ঙম্ব ঈশ্বরন পিনবিসনু।

— চুমই, ইচাসে শোইদন হিংলগনি, মপাঙ্গল শোইদন কনখৎলক্লগনি। অদুগ য়ুমসু শোইদন য়ৌরগনি। মরমদি অদোমঙম্ব নিপামগী ঈন হকচাং মনুংদ চংথ্রহদ করম্ব লাইনান খোংলৌব ঙমগনি। অদুবু ঐন হায়জব অমত্তংদি য়াবীয়ু, মমলগী ব্রাফম নত্তে। ঈগী মমলবু অরেপ্প লৈব্বরা? মহাকসে ঐতগী ইচা নত্তে, অদোমগীসু নচানি। মরমদি ঐ খংলে, মখোয় অনি হৌখিব মপোক্কী করিগুম্ব মরি খরদি শোইদন লৈনরমগনি। অদুমক্কু মমমাংদ, তাঙ্গসিদ থেংনয়রিবনি। ফরে মরুপ, ইচাসিন নাম্ব করব, মশা কল্লব মতুংদ অহাম্ব ওইন থুংলগদব মমমদুগ অদোমগী শঙ্গাইদনি। অশিবগুম য়তাদুন লৈরিব ইচাসিদ অদোমবু শক তাকচব ঙম্বগী খুদোং চাবদু পীবিররোইদ্রা? মহাকপু চাক চরা'ম ফাওব কৌদুন পিজররোইদ্রা?

মতুম, তাশিক্কব লোংলুক্ত

—ৱাই নোট ? তঙাইফদন ইচাবু পুখিরক্লদবনি ।

—অদুওইরবদি লেংখিবদ মসি পায়শিন্নিখো। ঐন ৱাশকতুন হায়জরিবসিনি, নচাসিবু পুদুন ঐহাক শোইদন তদোমগী শন্নাইদ থুংলরগদবনি। ঐন হায়জবসিদ য়াবিদ্রবদি নচাসিবু অদোম্ম উন্নবিনিংদ্রে হায়ন খঞ্জগনি।

—ও মাই গোড।

—চান্নিদুন পায়শিন্নিয়ু ।

অমুব নিপাদুন ঐবু য়েংলগ অঙৌব ময়া চরোংদু উৎলদুন নোল্লকই। অদুদগী লুপা ১০০০/- গী মপুলদুদগী লুপা ১০/- দং শৎতুন লৌরিগ মথা তারকই,

—মরুপ, মসিন খুদোলপোৎ অম ইচাগীদমক লৈদুন থমজরমগনি। অদোম ইচাসি পুদুন শোইদনমক লাকপিয়ু। ঐ ঙাইদুন লৈজরম্নগে।

শন্নোম গ্লাস অমত্তং থক্লগ চৎখি। লুপা ১০/- খক পুখি। মঙোন্দগী লৌহৌব ঈন ইচাগী হকচাংদ মরি মরি চংখরি। অদুদগী অমুব শত্তুমদু ঈগী বোটলদগী তপ্প তপ্প মাংখরে, অদুবু হৌজিক ফাওব ঈগী মচুদুদি খেন্নব লৈতন মহৌশাগুম অদুমক ঙাংলি।

মদ্রাজ ট্রিবস্তি, কলিজ রোড, হাউস নম্বর নাইন – য়ৌরে বাবু। মশি মতিল কাবুগী য়ুমনি। টৈম্নিদগী তপ্প ক্লমথদুন মেমেচা, মেমেচাগী মমা ঐগ লোইনন অনৌব মহাক্লী মপাগী য়ুমদ চংলকি।

(গৌবাল রাইটরস' এসোশিয়েশনগী 'নুংলক্তগী হৌরকপ লৈ' জুলাই ১৯৮৮ দ কোংত্রব)

সেক্রবা মচুগী জর্সি

বিশ্ববিদ্যালয়দগী হাইদোরকপদ. হোজং ময়া নক্ল মনজুনরব ঈন কুপ্প শং মচা অম লৈ। শংদুদ ভরা পিদুন লৈব ওইরমালে, মশাসু. ব্লাখলসু কোহিলং কারব নিপা অমন ঐবু উব মিকুপ খুদিংদ য়াম্ম তরাম তরাম কৌই। নুমিৎ খুদিং বিশ্ববিদ্যালয়দগী [illegible]কপদ উকুগী শিড়ি মথক্ত কমম ঐবু ভাইদুন লৈরমই। উবদ [illegible] কৌরকই,

—মেম্মা, ক্লাস লোইরবরা ?

মহাক উবদ হংগোইরপ তৌই। মস্তৌদুন [illegible] শাওগংহল্লি। খুমিংদ খুমিংদ খুমই,

—[illegible]।

-হৌজিক কদাইদনো ?

—[illegible] হনপে নাক্রবনি।

—চৎলো চৎলো। নুমিৎ তাপ্লিংডদ য়ুম য়োনব চৎকুকো।

অহান্নদদি মশক উবদ পুক্লিংদ কি-ভুক্কচব পোক্লংম্মি। খুললুই—মরমচাদন ঐভোন্দ হেম্ন নুংশি চাওব উৎপিরিবসিবু করিগীনো? অদুবু, তোইশিল্লক্কব মতুংদদি থোইন চিংনব লৈরকত্রে। পুক্লিংদদি অসুম মথল্লি বিশ্ববিদ্যালয়দ তম্মিবী শকথংদবী লৈশাবী অমবু মরম চাদন অসুক্কী মতিক লুন তৌরিবসি করিগীনো? মসিগী মরম'ম শোইদনমক থমোইগী য়ুথল মরুমদ লোৎতুন থম্মমগনি। চিংননিংঙাইনি। মহাক্কী মওং মতৌদুন মীথোই মাহেন তারিবী ঐগী মরুপ মপাং কয়ান মহাকপু শকথংব হৌরক্রে। নুমিৎ খুদিং ঙাইদুন লৈরম্মী, ঙসিশু ঙাইদুন লৈরম্মী।

থাপতক্ক মহাক উবদ ব্রাঙাং হৈবী লৈমন নাশোল্ল ওইন হায়রকই,

—সনা, অমম্ন নিপাসে নংবু ঙাইদুন লৈরে।

অশেংবনি, মল্লব মাইথোং, মুজদব মওং মতৌনি। মকোক মরু ইফা-ফা, মকোই মরাং ইচোম চোম, মওং তাদন শেৎলি চারিব ফিজোলদুমক্ক থোগৎচদ্রব মহাক অদুন ইমাম্বী ময়াম মমাংদ কৌরক্কনি খললুবদ মিপাইজরব ঐগী থমোইনি। লৈমগী ব্রাঙাংদু তাবদ মহাক্কী মতৌদুগ চুনমনখ্রদুন ঐখোয় অপুম্ন হৌন খংনোক নোকখি। ঐখোয় ময়ামগী মিনোকতুগী অর্থ মহাক মাংজোনন থংলমাম্লে, ঐখোয়দ মিৎচিন হাইফেৎ য়েংলম্মী অদুদগী শিড়িদগী কুমথরগ তপ্ন তপ্ন মাগী ফাদ অদুমক চংখরে। অমুক হম্ন কৌরমদরে।

মহাক্কী অনৌব অহোংবদুন ঐখোয় পুম্নমক্কী থক্কোইদ করিনো'ম ফাওহল্লি। নুমিৎতুদগী মহাক্কী মশক অমুক হম্ন উব ফংখিদ্রে।

নোংম, ইথাহেক থাজদন নুংথিল্ল পোবোবত মহাক ঐগী য়ুমদ লাকখি। কালেনগী নুংশা মঙালন মিৎত্র য়েংত্তুম থিম্নগুম য়াক্ল শাই। লু-তোং অপুম্ব অশাব ঈশিংদ ফুংপগুম ওল্লাং ওনশাওই।

করম হায়ন ঐগী য়ুম থিরকইবনো খম্বদ মমই। মরমদি ঐন মঙোন্দ ইশাগী শক তাকত্তুন মরি মথোং হায়খিব লৈতে। শারব কালেন নুংশাদুদ মহাক্লী মরিন তক্রব, থরেক কারব গেরুঝা মচুগী শামতু জর্সিদু থাদোকপ লৈতে। মমাই মমিৎ তাদুমক কোহিলং কারি। মচু থোবক্রব মতৌদু পুরদুন মহাক ঐগী মাংদ লেপ্লরে। অঙকপনি, ইমুং মনুং ইবুং ইপব্রাশিংগী মমাংদ ইকায়রবন খম থেংখি। ঐহাক উবদ করিমত্ত নাচুংলুব লৈতন মহাক্ল কৌরকখি,

—মেম্মা, নংগী য়ুম থিবদ কয়া ব্রাস্ত্রে। ননাক্ত অমুক্ত লাক্লে খম্বসি কয়াদি কুইরে। ঙসিদি ঐহাক্লী নিংব থুংলে।

শেরেং খিবগুম মরি মরি ঙাংথরকই। ব্রাখল ফুম্বংনন ঐন হায়রে,

— ফিদাদ লেংশিম্বীয়ু।

— ফিদাদ ফম্ম ফম্ম মথা তারকই,

— পরিক্ষাদি কমদৌরে ?

— পরিক্ষা তৌদ্রি। হৌজিকপু করি হায়বিনিংব লৈবগে ?

— থোইদোকপ লৈতে, চুম উম্বব লাকপনি। ঈশিং গ্লাস অমত্তংদি পিথক্লেরা ?

— ফনি।

ঈশিং পুথোকত্তুন মথুৎত পিরে। ঐগী মাইথোংদ মিৎত্রোং থম থম্ম ঈশিং থকখি। ঐগী হৈনিংদব ইতৌদু উবদ মপুক্লিংদ

কয়িবু খল্লবনো খংদে মহাক্কী ম্নিৎম্নু অনিদ খংহৌদন ঈহৌরকখি। অদুদগী মাইথোংদু তগ্ন অদুমক ল্লৈথোকখ্রে। অমুক লৈশিল্লকখিদ্রে।

ঙহাক লৈরব মতুংদ অহাংব মালংদ মিৎয়েং থম্নদুন হায়রকই,

—ঐগী জর্সিসি য়াম্ন মল্লে। নং অমত্তং লোম্নীগেরা ?

—পরিক্ষা য়াম্ন নকশিল্লক্লে, হৌজিক্তি ঙমগদব মান্দে।

—অদুওইরবদি লাইরিক কম্ন পারো। পরিক্ষা লোইরব কান্দ অমত্তংদি লোম্নীম্নু। নং লৈনব পৈশা থম্নমগে।

—পশোদু থম্নীরমগনু ঐ কোম্ন লৌজগে।

ঐগী ব্বাদু তাবদ শাংন অমুক্তং য়েংলকই অদুদগী তগ্ন মখা তারকই,

—মেম্মা, হৌজিক্তি ঐহাক তোইন লাকপ ঙমগদব মান্দ্রে। পৈশাসি অদুমক লৈহৌরসনু। নংগী পরিক্ষা লোইরব মতুংদ নোংম তানচাব য়েংলগ নংন লোম্নীব জর্সিদু ল্লোব ওইন লাক্লগে।

অদুদগী পুক্লিং খজিক হন্থনু,

—মেম্মা, খুদোংচাদ্রব মতমদ অহিং অমত্ত ওইরবস্নু ঐগী য়ারেকফম পিব্রিম্নোইদরা ?

চম্ন ম্নুমদ লৈজবী, নিংজোল ওইবী অমন রাখংম্নু করি পাওখুম পিরুগনি। খমোইসি চিংগ্নিং ম্নাওই, ল্লিংজোল পিং-পিং চোংই।

ঐগী ইতৌদু উবদ মখা তারকখিদ্রে। মহাক ফমফমদগী ম্নীমহল্লুন তগ্ন তগ্ন অদুমক চংখরে। ম্নদিং খ্রাস তমত্তং

থকখি, নোট্ট মপুল অম থম্মমই। খংই, ঐ তশেংন খংই—ঐগী হৈনিংদব ইতৌদুন মহাক মতম খজিক্ত শাংথন ফমদুন লৈজব ফাওব ঙমখিদে। চৎলগদাইদ চিংন অমুক্তং য়েংলমই, থমোইদু করিনো'ম তৌন পুঙমদ্রব পোল্লুম'ম পূদুন চৎখিব মাল্লি।

মতম কুইরবগী মতুংদ মহাক্ত পানজব গেরুব্রা মচুগী জর্সিনু লোন্ন লোইরে। অদুবু মহাক্তি জর্সিদু নৌব অমুক হয় লাকখিদরে।

নোংম বিশ্ববিদ্যালয়দ (প্রমান পত্র) সর্টিফিকেত নৌব চৎলুই। মহৌশাগী চাংবী মরূপ'ম কোক হেক থেংনরুরে। মহাক্ত ঐঙোন্দ ব্রারি শাংন তৌরদুই।

—সনা, নহাক্কী অমন্ন নবুংদু নহারোল লাংহৌব য়াওদনি। মশক লোৎনব হোৎনবদ শমোন কয়া পুরব, খুদাইসিদ পুনাং চারব মীওইনি। মাবু সর্কারন ফাগদবগী কন্ন থিরিবনি। মহাকপু চংন নম্রগ শিন পুরকপ ঙম্ব মীওইদ লুপা লিশিং য়াংখ্র মনা পিনি হায়ন লাওথোকখ্রবনি।

খংদেদ সনা, মীওইবগী লাইবক হায়বসিগু ওন্থোক্ত তমখিখ্রে। মহাকত্তু মমা মপা নৌন কাইনখি, মচল অমখক্ত লৈজবনি। মহাক্কী হায়নবু মচেদুন লোইরে। মতম কুইন অরোম্ব খুৎলাই শিজিংবগী ট্রেনিং নৌনব চীনাদ লৈরিঙেদ মচল নুপীদু মফম খংদ মাংজখি। থোরক্কব মতুংদ মচলদুবু কন্ন থিজরমই। মচগী খোল্লুল লিব ফংদ্রব নিংব কায়রব নিপানি।

অদুবু সনা, মহাক অসিন নংবু হেক উব খ্রদিংদ মাংজখ্রবী মচলদুমক্তি হায়ন খঙখি। মচংদুগ নংগ শক্তা-চদা চপ মাংমাল্লে। মহাক্কী মচলদুন লোম্বীরম্ব গেরুব্রা মচুগী

জর্সিদু মতমচুপ্নদ মহাক্ত থাদোকপ লৈতে। মহাকতু হৌখিপ্ন চহিদ সহরগী চীদাইদ মায়োক্নব খুৎ থোক্নব লানফম অমদ য়াওখ্রবরা চিংনরি।

য়ুমদ হল্লক্নব মতুংদ, চিক্ন ইথংত রিডিং রুমদ ফমদুন পোথারিঙৈদ মকশিল্লব মাইথোংদু মিৎসিদ উরকই, মহৌশাগুম অদুমক কোহিলং কারি। অদুদগী মহাক্কী জর্সিদু নিংশিংলকই।

খুনাং চারব অমম্ব ঐগী ইবুংদুবু ঐন ঙসিতমক মশক খংলি। মহাক্কী ব্রাখলদ পুক্লিংসি লৈতাফম খংলকত্রে।

জর্সি অমত্তং লোপ্নীনব, অহিং অমত্তংগী য়ারেকফম নিজরম্বনি মিৎলু পিরাং ঈহৌনন। পিক্লব থমোইসিন মহাকপু ইন্থোকখি। মহাকতুবু তায়বঙপালসি থাদোকতুন নিংঙাইদন চৎখ্রব জাৎলা? ঙসিগী শেংলব তাংলৌসিদ মহাক্ত পামজব গেরুব্রা মচুগী জর্সিসি কোন্দুন ঙাইজরিবী লমহেল্লবী মচল ঐবু নিংশিংবিরমখিগদরা?

হৌজিক্তি ঐগী থমোইসি মহাক্কী হাখলদ অসুম তাসুম লুমথরক্লে।

(মণিপুরী সহিত্য পরিষদ, মশা থৌবালগী 'মালেম লৈচন' কৌব লাইরিক্ত তাং ৪/২/৯৫ ইং দ ফোংখ্রব)

কুলি

নোংম ইথাহেক্ত থাজদন মী কুংলব ইম্ফাল সহরগী মীরক্ত ঐন ডিয়ুতি তৌরিঙদ কৌরকই,

—ভৈয়া।

খোঞ্জেলদুগ ঈরোইনন নঙ্গল্লোমদগী নিপা'মন কোল্লকই। কনানো? লৈশিন্দুন ঙক্ল য়েংলুই। হন্দক্ত নৌন থারকপ আই: পি: এস: অফিসারদুনি। ঙরাংত ইম্ফালদ থুংলবনি। মহাক উবদ হঙ্গোইরপ তৌন সেলুত পিশল্লি। সেলুত ওক্লক্তে, চেপথ চেপথ ঐবু য়েংদুন লৈ। করি অশোইব লৈরবনো, পুক্লিংদ লাংতক্লে। মাইথোংদ হরাও মথোই কাব উই। অদুদগী ঐগী খুৎ চেৎন পাইররে, অমুক থাদোকপ লৈখিদ্রে। হায়রকই,

- ঐবু নিংশিংখিরিবরা? অভিমন্যু সমল্। পরিক্ষা ফ্রেক পাস তৌবগ মনিপুরদ পোষ্টীং তানব হায়জরুবনি, য়াবিরক্লে।

ঐন নিংশিংব কম্ন লাক্লি। উখিবগুম তৌই, কদাইব্রাইদনো লাকসিন্ন ঙমগ্রে। মানদি ঐবু য়াম্ন মুন্ন খংবগুম তৌই, ঐ ব্রাখল থোকত্রে। মহাক্ল ঐবু নমদুন মাগী ক্লাটরদ পুদুন চৎলে।

কাদ চংদুন ফম্নব মতুংদ, অচা অথক ময়াম'ম মাংদ খিল্লরে। মান খংই, ঐ মু খজিক খজিক থকই। আসিগিরাদগী হুইস্কি বোটল অম লৌথোরক্লে, ভনাম্ন ফোরেনগী গ্লাসতুদ মখুৎমক্ল হৈরগ, বিয়ার অমসুং আইস ক্রিম; চাহব চাংদ য়ানশিন্দুন ঐঙোন্দ নানশিনকই। ঐগী ইকায় হঙোইব ইথৌ উবদ, চীং-লেম্ন হায়রকই,

—ঐবু ননাও অম ওইন শকখংবিব ঙমদ্রবদি, কুলি অম ওইন শকখংবিয়ু। কুলি, অদুঙৈগী পাটনাগী বিহারি কুলি।

ব্রাহৈশিংদুদ অয়াকপ মহাও য়াওই। ব্রাহৈশিংসিন ঐগী ব্রাখলগী ফিজং মরোল মরোল হায়দোকহনকই।

মতমদু ঐ অরোম্ন পাও পিব সর্কারগী ক্রিমিনেল ইনভেস্টিগেসন ডিপার্টমেণ্টা থবক তৌরে। নৌন হোবিলদার প্রমোসন ফংবনি। ভারতগী তোঙান তোঙাম্ন মফমশিংদ লৈব ট্রেনিং সেন্টরশিংদ চহিনী ওইন নৌন খন্ন সিপাইশিং থিন্দোক থিজিন তৌব ঐগী ইথৌ ওইরম্মী। মদুদগী ঐহাক ইজৎ মরাংকায়ন ফংজরম্মী। সর্কারগী লোইশং শানব করিগুম্নদসু বিহারদ হৈ-শিংলব কুলি থিব চৎলি। মদুদসু ইজৎ অমসুং পৈশা মরাংকায়ন ফংই। চাম্ন চৎপী মপুল মপুল খুত্ত পাই, হুকুম চাওন চাওন তৌই। হয়িংখোইশিংন রানিগী মতুং ইম্নগুম খুৎশুমন চাওন ফংব পাম্ন মীওইশিংন ঐগী ইতুং কোইন, ইম্নরম্মী

—হাই! কুলি, পোৎসি থাংঙরাও।

কুলি, মতৌ মান্দব নিপামচাদু চংশিল্লকই।

মকোক্ত ভিঃ আইঃ পিঃ এরিষ্টোক্রেত বেগ তহুম, মংত্তত অম, মরেংজুমদ এয়ার বেগ অনি য়াল্লি। নুমিৎত্তুগী পোৎয়ামদু কয়াদি লুমখ্রে, কুলি নিপামচাদু ময়াংনেন কোল্লি, মনিং তেকথোকত্তুন পুই। ঐন নাহনিতাল বোইরুবদগী লৈরকপ শালশিংদু ইমুং হয়গী য়াওরি। অঙাংশিংগী ফুরিৎ জাসি, ভুপী অমসুং মখল কয়াগী বেনারসকী শারি কয়ামমু য়াওরি।

মতম কুইন য়ুম থাদোকপ, লম শাংন কোইরুবদ পুক্রিং য়াখল হকচাং ইচোক চোকখরে, হেনিংদ্রে। চুনদ্রিং য়ুম য়োরগে খম্ম লাকগনি। তদুবু চমখাংদ রেল লম্বী বেরা তৌরম্নে। পাটনাদগী রেল বদলি তৌব তারে। ভারতকী রেলবেশিংদি নোংজু নুংশাগী মতমদদি মরিল হুম চুমদে। য়াকেব নুংশা মরকত্তুদ পোৎয়ামদু প্লেটফোর্মে অমদগী অমদ হোন্দোক্ন হোক্লিনগ, থাংদোক্ন থাংজিনগ তৌবদ পুক্রিংসি লৈতাদে, হাখন থোক্তে, থোইদৌ শাওগৎলি।

কুলি নিপামচাদুন লৈমাইদ পোৎচশিংদু থারদুন হায়রকই,

—বাবুজী, অসিদগীইদ পোথাবিরো। কলকতা চৎকদব রেলগাড়ি ওহাক্নী তুংদ থুংলরগনি।

নিপামচাদুগী মতৌদু উবদ নুংঙাই। হুমাং মরিক মরিক কারদন; মাইথোংদু তনৌ তনৌরি। য়াম্ম নোল্লুকই, য়াঙাং খুদিংদ ব্যবহারন য়োমই। নুংশি, য়াম্ম নুংশি। ঐমবু হংই,

—কয়া লৌনি?

—অদোম থোকপ খর হেক্ত পিবিয়ু।

পাওখুমদুদ থম্মোইসি মডোন্দ থংনক, নকশিনখিবগুম তৌই। মথোয়গুম নিপামচাশিংদি ঐখোয়গী য়ুমদদি শাক্নদুন লৈরিদ্র। ফুরিৎখাওদগী লুপা ১০ লৌথোকত্তুন মডোন্দ পিরে।

তরাচৎপীদুন মখুবাক্ত ভৌরোক ভৌন নোক্লবদু উবদ নিপামচাদুগী মাইথোং মকা লাম্নকই। অদুবু থংনব মিকুপ্ত মাইথোং খংমক, মকশিনখি। মনাক নক্ল লৈরম্ব কুলি অমন তরাচৎপীদু তনল্লাক লাকখি। মঙুৎ ওইন নিপামচাদুগী চরম পাইরদুন ম'শাং ফন্ন হংলকখি,

— নং কনানো? নংগী কুলি নম্বর কয়ানো?

হ্বাহংদুগী পাওখুম নিপামচাদুন থৌনাফন পিব ঙমখিদে। ঙহাক্কী তুংদ মশা থক থক নিক্ল, মপি চদুম চদুম শিন্থুন হায়জখি,

— ববা নারে, ইমাসু নারে। চানিংঙাই লৈত্রে, ঐখোয়'পুম্ব শিব তারে। অদুন পৈশা তাম্ব থোরকপনি। ঐবু ঙাকপিয়ু।

মহাক্কী হায়জব তাবিখিদে, নোঞ্জব উবিখিদে। খুৎপাক্ল, খুৎতুম্ন, কিন্ন মথক্ত লান্দাখি। খোংপাক্ল কয়ারক হম্ন কাওবিখি। নিপামচাদু নাস্থোকতুন চেংব অমুক অনিরক হোৎনখি অদুবু ঙমখিদে। ঈশিংদ তাক্লরব উচি মচাগুম তুকথপ্রব মহাক অদুবু মীয়াম মাংদ মরালসিদুন মখোয় কুলি ময়াম্ন খুঙোইনখি। ঘন, ঈরোই খোংবগুম লাও থোংখি, অদুবু মনাক্ত লৈরম্ব মীওই কনামত্তন মহাকপু হম্ন য়েংঙিখিদে। রেলবে পুলিসশিংন কুমে য়েংবগুম য়েংদুন নৈখি। উবদ ঐগী থমোই কায়খি, মখোয় ময়ামদুবু হ্বারৌখি। খাংব অমুক ঙম্নকত্রদুন চেনশিন্দুন — লাওরুই, খামদোকলুই।

— নখোয়্নন তৌরিবসি করিনো? পিক্লিব অঙাংসিদ অস্তুক শাথিন ফুবিব চুমদে। মহাক্কী মরাল করিনো?

মখোয় কুলি মরক্তগী অমন খোঙেল পৌন হায়রকই,

—বাবুজী, নিপামচাসিন ঐখোয় কুলিশিংগী নিয়ম থুগাইরে। মহাক্তি কুলি নত্তে। মফমসিদ কুলি নম্বর ফংদব মীওই

তমশুন পোৎ থাংব,পুব য়াদে। মদুগীদমক মহাকপু ফুবনি।
নিয়মসি থুগাইরব মহাক অদো ঐখোয় কুলিশিংবু শিংনবনি।

ঐন নিপামচাদুগী মীচংদ হায়খি,

– নখোয়না নিয়মখক্ত য়েংলে, নিয়ম থম্বগী অশেংব অর্থদুদি য়েংদ্রে। পোৎশিংসি নিপামচাসিন পুজগে হায়দুন পুব নত্তে, চুম্নত মতেং পাংলবনি। মীন মীগী মতেং পাংব য়াদব্রা? মসি করম্ব ধর্ম্মনো? অব্রা অনা তারবশিংদ মতেং পিব থিংলিব ধর্ম্মদু ধর্ম্ম নত্তে। ঐসু পুলিসনি, হিয়ুমীনিতি গ্রাউণ্ডদ ব্রা ভাংনসি। নখোয় খুদিংমক অমত্ত চৎখিনু। নখোয়না আইন থক্ত য়েংদুন ব্রা ভাংব য়ারোই, মীওইবগী মোরেল অমসুং স্পিরিচুয়েলসু য়েংগদবনি। ঐখোয় মীনি, মীওইবশিং নুংঙাইনব আইন শেম্বনি।

ঐগী ব্রাহ্মশিংদু খজিক কনখি। কমদৌন অদুয়োন থৌনা ফুদোকতুন ব্রা ভাংখিবনো ঐ থংহৌদ্রে।

ভহাক্কী ভুংদ মখোয় খুদিংমক অমমম্ত ওইন মফমদু থাদোকতুন চৎনখি। ঐগী থমোই'নুঙদ ফাওখিব ব্রাখল, লৈরিব অরোম্ব ব্রাশিংদু থংখিবরা থংখিদবরা ঐ হায়ব ঙমদ্রে। তাঞ্জাদুদ ঐগী মায়োক্ত লেপতুন শিংনরব কনাসু য়াওখিদে। ঐন খঞখি, থৌদোকতু ঐগী য়াম্ম চাওরব মায় পাকপ অমনি।

মখোয় খুদিংমক্ক চৎখ্রবদ মনাক্ত চংশিন্দুন য়েংলুই। নিপামচাদু লৈমাইদ উতুপ তাবগুম তাদুন লৈরি। শাখিন শোক্কে, হৌজিক ফাওব জ্ঞান তাদ্রি। চিম্বান অনি কায়রে, মনাতোন্দগী লেপ্তুন হাথরকপ ঈন মশা অপুম্ব পুমচোৎ চোৎলে। লৌব য়াব চেকশিন থৌরাং খর লৌখৎলব মতুংদ মহাক জ্ঞান লাকখি। পুক্রিংদ হংনিংব'ম য়াওন হংলুই,

—কুরিগীনো ইবুংঙো, কুলিদি নত্তন কুলি শারুকিবদি?

মমিৎ অনিদ্ ইরা চেন্নব নিপামচাদুন শুম্লকই,

—বাবুজী, ইমা ববা নাৱে, চানবসু নৈতে। নুমিৎ হুমনি সুৱে লৈতোন্দ করি'মতা থাদরক্তব। কোক হাম্ম শাগে। হুরান্নসু পামজদে, নিবসু পামজদে অদুন গোৎ থাংদুন শেল তান্নব থোকচরকপনি।

হ্রাহৈশিংসিন ঐগী থমোইবু খুদুম চন্‌নখি। মংাক লাইরবনি। হাংনব চাকথাও তমগী মক্লমদ ঋরম্ম ইংৱন অথোইবনো?

ঐন মখা তান হংখি,

—করি মিং কৌই?

—অভিমন্যু সামল্।

- কদাইদগীনো?

—পাটনাসিদ লৈবনি, বিহারিনি।

—লাইরিক তমদ্রবরা?

—তম্নি, ক্লাস আইত্ত।

ফুরিৎখাওদগী লুপা ১০০ লৌথোকতুন পিৱে। মচেৎ মচেৎ তান শেগাইরীরমব ফুরিৎতু য়েংব নুংঙাইখিদে, অনৌব ফুরিৎ'ম শুটকেসতগী লৌথোকতুন পিৱে। মদু উবদ মমিৎ অনিদগী মপি চদুম চদুম তান ঐঙোন্দ য়েংলকখি। ঐন থমোইসি শেংন মকোক্ত নাম্থবিরদুন হায়খি,

—ঐ নংগী থমোইবু মশক নিংথিন খংলে। আই ওনর ডিগনিতি ওফ লেবর। ইবুংঙো, নহাক ঐবু নয়াম্নগুম্ম খলল্লু। নং, নোংম নত্রগ নোংমদি অচৌব ওর্ফিসার অম শোইদ্রন ওইরগনি।

নিপামচাদুদ ঐগী মিং, লৈফম তাক্লম্বনি। হায়রম্বনি ম্নারব; চিরব মতম খুদিংমক্ত ঐঙোন্দ'চিঠি থারকউ।

থৌদোকতুগী মতুং কুইন ঐখোয় অনিগী মরি তৎনখিদে। অদুবু হৌখিব চহি খরগী মমাংদগী মহাক কদাইদ লৈখ্রবনো হায়ব ঙমখিদ্রে। ঐন চিঠি কয়া ইখিবনি অদুবু পাওখুম অমত্ত লাকখিদে। অদুদগী ঐখোয় অনি কায়নখ্রে। মহাক্নদি ৱাশকতুন হায়রকখিবনি, নোংম নম্রগ নোংম 'ঐগী নাক্ত শোইদন লাক্লনি'।

মতম কুইন ঐন ৱা ঙাংদন চময়দুন লৈবদু উবদ অনৌব শাফু পিদুন মহাক্ত অমুকসু হঙ্ন হায়রকই,

—কুলি, অদুঙৈগী পাটনাগী বিহারি কুলি। নিংশিংবিদ্রবরা ? অশেংবমক্তি, ৱাহৈশিংদুদ অয়াকপ মহাও য়াওই।

য়ুগী নিশা খজিক খজিক লাকই। মতমদুদ মহাক্ত হায়খিবশিংদো লোইন নিংশিংব ঙমদ্রে। ঐন মঙোন্দ পিরম্ব ফুরিৎতু ক্লাওব মপোপ্ কায়দ পুথোক্কতুন উৎখি। ঐবু কোন্দুন মহাক কপখি, য়াম কপখি। মনিপুরদ থুংলবগ অমম্ব ডাইরিদু ফাকতুন ময়াম্ব'মগী খোঙ্গুল লিরকপনি।

মহাক্কী মতৌদু উবদ, থাজনিংঙাই লৈত্রব স্বর্গদগী মঙাল'মন ফাওজিল্লকতুন থমোইনুংদ থম্ম ঙাল্লবগুম, ঐ নুংঙাইখি, মপাল নাইদ নুংঙাইখি। মাম্বি মহাক কুলিনি, চহি তরারোমগী মমাংদ থেংনখিব পাটনা রেলরে স্টেসনগী কুলিনি।

হিংচাবী

হিংচাবী লাকয়ে খুঙ পাইয়ু খুঙ পাইয়ু...

✲✲ ইবোক কুমারিদু শাওংগী ওয়খৈ লৈখিদরে। চে পায়দুন তান্নরকই—অঙাং ময়ামদু কাইদুন চেন্নি। মচিন মথা ক্রেরেং তুরেং চিংবমথৈ চেরুমী—লমশাই মচাশা, শিনেজন, মখোয়না শিঙ্গ্রো ....। চৎখ্রব মতুংদ অঙাং ময়ামদু দা দা লোকদুন সেক্টেরে—। তুহাক. জেরব মতুংদা বোমেদু মুমদ চংলক্রে। মুন চেক চেয়োকদ মশা. শাগৎলক্রে, জান মাংখিদুন, চোইরেল পায়রেল পংথাংদ তাংখৎলক্রে। মিয়াই চাওবী ময়ান হংলকই—

—করি চারুবগে নংবো? ইবুংঙো ....ইবুংঙো ... ...মিৎতু পাংউনে।

মশা শাগৎপদগী জান মাংলব বোবো মমিৎ মনা ঙৌরোক ঙৌন ওনখৎতুন—

—মী চাগে ......মী চাগে........ওজা চাগে........।

মচাগী মওংদু উবদ পাখংবীদু মুরী মনিং মমাং কোইচেন চেন্দুন কোইলাও লাওরক্লে—

—হো তাদ, হো খুড়া—অওাং করিনো'ম তৌখ্রে, করিনো'ম তৌখ্রে। ময়াম পুম্নমক হোৎচিন্নরক্লে। মথাগী ইপু ফেজাও কৌরুরে। ইপু ফেজাওন হৈরম-৭, লৈরম ৭, কবোক নাচন-৭ ওক্লানচিংব হাপলদুন খৌ তৌই—

'হ্লাই! হিংচাবী কোৎচবী, মীশা চাবী মীনু নম্বী নহনফমদ হল্লো নতেফমদ তেরো, য়েৎন লৈব পরে ওইন হল্লবনি ওইন লৈব পরে য়েৎন হল্লবনি, তাইরেম্ব পুংফাইন নাপুন নাশেৎন নাপীন শিংবীন নখাই নতাং লৌদ্রে তাংদ্রে উখোক য়াখোক শিদ-নাদ য়াইন হা-উং হা-য়েং হল্লো হৈ—ওরুগী য়াথংনি হৈ-ও ......হৈ-ও......।"

হিংচাবীদু অমুক হল্লকক্লে।



—মামি, হিংচাবীসে করম তৌই?

—ময়ান শিংজং শিংজং, মমিৎন, চক্ষু চক্ষুমুক লাওই। লম লমমুক শাংব খুজিলদো ঈন ওংশং ওংশং ওংই। মীগী জাৎসে থমী থেককুম গোক্ক গোক থেককুন চাই। শা, ভা, উচেক, মী মখোয়ম চানব জেই।

—মমাংগী ইবোক কুমারিদি মী চাদে—ময়াসু চৌদে, মমিৎসু লাওদে। করিগীনো মাবু উবদ হিংচাবী.......হিংচাবী...... হায়রিবদি! হিংচাবী উরবদি খুও হেক পাইবদ মীদু চাদেকো?

—চাদে, চাদে— হিংচাবীদো চংব লাকপ ওমদে।

—আমি, এদি আমি লৈত্রব কান্দ হিংচাবী লাক্লবদি খুউ হেক্ত পাইনি।

মচাগী নুংশিরব রাঙাং তাবদ পেনজরবী মমান মচাবু হন্ন হন্ন চুপ্নি, থুরাই তান নোকচে।

মুনায়ী, চহী কুনগী মৌ নহানি। মথোৎ কারকপগী ঈপোম্ম হকচাং কয়াৎ শুন লৈতেংলি। অদুবু লাইবক খিবদি নহা ওইন লুখ্রা ওইরে। মচানুপা বোবো পোকপ থা ফারকপদ মপুরোইব লৈখিদ্রে। লাইবক খীবী মুনায়ী মপাম হন্নকপ চহি ওন্নকলে। রান নংন লৈজবী মহাক্কী ফিবম উবদ নুংঙাইত্রে, লৈকাইগী মবুং মৌপরা ময়াম চংদুন হোৎনবদ ভাই এন্দ হার্ডনেস্টকী মখাদ পি ডবলিউ ডিপার্টমেণ্টকী ক্লার্ক মচা অম ওইজব ফংলে। মমা মচাদ চাজবনিন ফংজব থরদুন ইমুং মনুংগী য়ুম্বাল নুংঙাইরক্লে। য়ুম মচাদু হন্দক জিঙ্কন কুপখ্রে। অদুগী মতুংদ বার্ড-রুম, পক্কা লেত্রিন, ড্রোইং রুম শাব লোইখ্রে। অনৌব মখলগী সোফা, টেবল অমসুং অখোংবী উপু, মমি থোকপী যন্ত্র মখল কয়াগী মরক্ত বোবোগী শান্নপোৎশিং মফম চান চান থমই। পৈশা য়াম্ন থোকপ আই লৈব ডিপার্টমেণ্ট ওইরমাল্লে। মমাংগী গেট অদুস্থ কুইখিদ্রি য়োৎকী পানখিব। বোবোন য়োৎকী গেটতুদ তোংদুন ইতৎ ততুন মমান অফিস কুমলকপ ভাই। অফিস চৎলমদাই খুদিং মমান তহা তহা চাক ঈশিং চাব, ইমুংগী থবক ইনথাং চেম্নোম নোম্বদু উবদ মচানুপা বোবো নিংঙাই ততুন তৌই— চৎলমদাইদ মাস্থ চৎকনি হায়দুন ফিজি পাইদুন য়াম্নে। অমুক্কী পুং ৯-৩০ তারে, ইম্ফালগী সহর চেথাইবমথৈ সাইলেন খোংলকই, ও—। বোবোন শাওনিংব হায়বসি খোজেলসিন

মরোইরে।

তু হিংচাবীসে খোংলক্লে, মসিন হেক খোংলকপদ ঐখোয় মামিসে চৎখ্রদৌনি। মচাগী ব্রা, তাবদ মমান ওইদব লৌশিং, ব্রাওাং কয়া শিজিন্নদুন নাম্ভোক্লব লাক্লে।

—ঙসিদি হিংচাবীসে, ফুরিৎ লোন্থব কাণ্টান থিন্দুন হাত্তোক্লমগে। শিরবনিন হয়েংদি মরাইন খোংজররোই, ইচাসিদি নুংঙাইন বোবোক্ক লৈরমউ। মামি নংগী অচাপোৎ য়াম্ন লৈবীরক্লে।

—ঙরাং হাৎতোকন্নে হায়বদাই মামি, ঙসি অমুক কদায়দগী লাক্লিবা?

অদুবুরো ঙরাংগীদো অমুক হিঙ্গৎলকইব—সে, মামি থেংখ্রে।

—ঙসিদি শোইদন হাৎতোকঅমউকো মামি। মঙকতু পৎ থদৎলু হয়েং অমুক খোংলকত্নব, কো-মামি-কো।

—হোই......হোই.......নং মপাল থোক্লনুকো। বোবোক্লী নাক্ত ঐ হল্লকত্রিক্ষাওব লৈরমউ, ঙসিদি মামি ঙস্তা লাক্লে।

ঙাংন ঙাংন একাগাড়ি তোংদুন চৎখি। ব্রাখল মপুং ফাদ্রিব বোবোন চিংন য়েংহৌই। পিক্লিব অঙাংশিংদ মমাগী নুংশিবদগী অথোইব করি লৈরি? মমাগী তম্বাক্ত য়তারিব অওাংন কৈ লাকপ কিদে। মখোয়ন পামজবদি মমাগী নাক্ত নাওথি শাব, ওইনজব, কেজব—। মমা কয়াগী য়াক্লব মিচে, খাংঙমদব চৈক্ষু থওইরুব মচা কনা লৈপ্রবগে? বোবোগীসু অদুমঙাই। মমা হল্লক্লদব মাইকৈদ মিৎয়েং থমদুন কোনথোং মথক্ত অমুক ফম, অমুক তোং ঙাইদুন লৈবদু ঐন হল্লকপদ ইতৎ তত্তন উই।

—বোবো, নং কৈদৌরিবনো?

—মামি লাকপ ঙাইরিবনি অক্কল।

—সে, শঙ্গোম মিথাইসে চাও। চংঙো চংঙো মরাইন লাকচনি।

—অঙ্কল অয়ুক্ত খোংখিব হিংচাবীদু নং খুংবরা? মদু হেক খোংবদ ঐখোয় মামিদু হেক্ত চৎখি। মামিন অমুক হাৎলি অমুক হিঙ্গৎলি। হিংচাবীদু নং খরা অমুক্ত হাৎতোকপিন্নুব।

ঐহাক ভাবনা লাকশিন্দুন খংলে মদুদি অয়ুক্কী পুং ৯-৩০ দ খোংব সাইলেন্দু মহাক্র হিংচাবীন খোংবনি হায়ন লৌরে।

—করিগীনোনে বোবো?

—হিংচাবীদুন খোংদ্রবদি ঐখোয় মামিন ঐবু থাদোকত্তুন খক চৎলোই।

—ফরে ফরে বোবো, হিংচাবীদো ঐ হাৎপিগে। ঐননে থাংজমগী তা চাওবখোইদ হিংচাবী হাৎনব ববাক থাং অম শারি। মদু হেক লোইব নুমিৎত্তুদ ঐ হাৎকে, চংঙো চংঙো।

ওঙ্খোকপ অঙাংগী রাখলনি খন্ন খন্ন অদুম য়ুমদ হল্লক্রে।

* *

ওসিদি বোবোদু ফিবম হোংলয়ে—। মঙ্গুৎত লিক্লাং, মনমদ তৈন্দোং লোই। খোঙ্গাল ময়াদুদ হৌব লক্রু পান্থিদ কদম তৌরদুম তেনশিংদু অমমম, শঙ্খলগ জয় রাম .....জয় রাম... আইত্যাস তৌরমই। মদু উবদ ঐহাক ওঙ্খোক্র নোক্নিংব পোক্রে।

-বোবো, কৈদৌরিবমো নংবু?

—অঙ্কল ঐ শ্রীরাম ওইদোইনি।

—করিগী?

—শ্রীরামদি হিংচাবী হিংচাব লথা লথা হাৎপ ঙমই। মাগুম তেন কাম হৈরবদি ঐ শোইদন অখোংবী হিংচাবীদু হাৎপ ঙমি।

—উম শোইদন ঙমনি। সে চাও শঙোম মিথাইসে, খরা থুন চাওনব। য়েঙোই—বোবো, শ্রীরামদি লাইরিক হৈ, লমচৎ ফজ, মীনুংশি থংই অদুগ পুকচেলসু চাওই। মমা মপান হায়ব ইল্লি, মমা মপাবু মিৎন উব লাইনি খল্লি। নংসু শ্রীরামগুম হায়ব ইব, লমচৎ ফজব, মীবু নুংশিব অমসুং ইমা ইপাবু লাইনি খনগদবনি—মখোয়ন হায়ব ইনগদবনিকো?

—হোই অঙ্কল।

* মথংগী নুমিৎতুদি বোবোদু মাইথোং ইমক মকই, ওয়েক হৈনিংদব মওংনি। ঐ হেক উবদ মহাক হিক হিক কপলকুই। শঙোম মিথাইদু হরাওন মহৌশাগুম লৌদ্রে। মহাক্কী মওং উবদ ঐন হেন্ন নুংঙাইতরে।

—কৈদৌরে বোবো? করিগী কপলিবনো? কপকনু নংশিম নিপা মানখিদ্রে। অঙ্কলদ হায়মু কনান ইচাবু কুই।

মপি তৈথোক তৈথোক হিক হিক কপলদুনা,

—অঙ্কল, ঐখোয়না মামিদো ঙরাং হিংচাবী হাৎপ চৎখিবদগী হন্নকদ্রে। মহাক হিংচাবীন চাথোকলক্লগদবরা?

—চারমলোই ......চারমলোই......মরাইন লাকচনি ইচাসিংদি। অদুগী ওইরে নংন কপলিবদি?

—অদুওইরবদি অঙ্কল মহাক করিগী য়ুমদ হন্নকখিরিবনো? ঐবু নুংশিদবজাৎলা?

মাহে খরসি লোইরম লোইফাৎত্রিঙেদ ইমুংলোমদগী মাংখ্রে

মতুম, ভাগ্যিরথ য়োং—১০৩

খোঙেল'মন ঐগী থমোইবু খংচিং চিংশিনখি—কাংশি খিংবগুম লাওরকই—

'নমা হিংচাবীদু হল্লকলরোইনে। মল্লা নাইখ্রবনি—হিংচাবীনবু মচা নুংশিব খংবরো ? হাই—বোবো·· বোবো···।"

বোবো চংখরে।



ঐখোয়গী অল্লাংদ লৈব লমপাক মচাদু অঙাং ময়ামগী শান্নফমনি। নুমিৎ খুদিং লৈকাইগী অঙাং ময়াম লাকতুন মফমসিদ শান্নরে, নুংঙাইরে। অদুবু ঙসিদি ঙত্তান পুমলাং লাংনরকই, লাওনরকই—। মদু উবদ ঐসু চংশিন্দুন হেক য়েংলুরে—। পিকলিব অঙাং অনি ফুনবদগী লাংব ওইরম্লে। মরিল লৈখ্রব অঙাং ঙাক্তনি, শেৎতোক্কব য়াদে। ফু-চৈদুন নমদন থাইদোক্লে। মমা মমা চেপ্তোকনরকই, হংনরকই,

—করিগীনো ? করিগী খৎনরিবনো ?

অঙাং অমন মমা হেক উবদ হেন্ন হৌন কপলদুন হায়রকই,

—মান ময়ান চিকলিবনিনে।

—নংন করিগী ঐখোয় মামিবু হিংচাবীনি হায়রি ?

—আই ! চিকএনে সিদি। করিগীনো অসুক শাথিন সরু ফংনব চিকলিবদি ? ঈন পুংলুপ লুপ্লেদন সিদি !

রুহিনিদু মচাগী লেংজুমদগী চেম্থরকলিব অঙাংব ঈয়ামদু উবদ খংশাও শাওখ্রে, ক্ষাথব ঙমখিদরে, হায়নি হায়রোই খংখিদরে। বোবোবু খুৎপাক্ক অমুক অনিরক থাদোক্লে, অচুম অরান খংদ চৈরকই,

—নমাদু হিংচাবীনিন মচাসু হিংচাবনি। হিংচাবীদুন অসুম্ন চিকউ হায়রকপরা? কয়াদ শাখিন চিক্লিবনোসে। খুৎপাক্ল খুৎনম থাদুন ফুনৌদন! মাইদ- ঙক্লদৌরিব অঙাংনি।

ঙসাইমখৈ বোবোদু থৌনা ফন লৈরমই— কপলমদে। অদুবু, অয়োইবগী ব্রাহে খরসিদ খংহৌদন মিৎলু অনি পিরাংন থুমলকই। থমোই শোক্ল কপখৎলকই। মমা লৈজদব অঙাংশিংদি মমাগী ব্রা পম্ন য়াদে, পললুব খুদক্ত থগোই নৌথোকই—খাংঙমদে। অদুন ওইরমাল্লে বোবোদু কপত্নুন লৈগ্রে। ঙসিগী চিরব তাঙ্গাসিদ বোবোগী মামিন লৈরম থোক্লবদি অচৌব লাঙ্গাও অম থোক্লম য়াই। লাইবক খিননি, ঐখোয় পুম্নঃক নুংঙাইরব কুমে অম মাংজরবনি।

*

থংনব নুমিৎকি নুমিদাংব্রাইরমদ বোবোদু থোঙ্গালদ লৈব উরকই। মহাক ঐবু ঙাইরকপ কুইরবজাৎনি।

—হাই বোবো, ইচা উখিদব কুইরে। লাও লাও শঙ্গোম মিথাই চারলাও।

—অক্কল ঐ ব্রা অমত্তং হায়গে, য়াগদরা?

—হায়য়ুনে…হায়য়ুনে…ঐ শোইদন য়ানি। নংন হায়ববু ঐন করিগী য়ারোইদৌরিবা?

—অক্কল, নহাক্ল নহাল শাখিব হিংচাবী হাৎনব কবাক থাংদু লোইরবরা?

—করিগীনো বোবো? লোইদ্রিয়ে।

—অদুওইরবদি শাক্লরনু অক্কল, শাক্লরনু।

—করিগী?

বোবোদু মা ভাংলকখিদ্রে, হায়ফম খংদ্রে। মমাই লুকথদুন অদুমক লৈখ্রে—। পিক্রব মহাক্কী কোক মচাদুদ লাঞ্জাও অম থোক্লে হায়ব ঐ উরে। খংনিংলদুন তকশিল্লি,

—করিগীনো বোবো? অশেংবদু হায়য়ু, নম্রবদি অঙ্কেদি কবাক থাংদু লৌব চৎলনি।

ঐগী ৱাদু তাবদ বোবোদু পাখৎপন খম থেংখ্রে।

—নত্তে……নত্তে……অঙ্কল, হিংচাবী ওইরবসু নহাক ঐখোয় মামিবুদি হাৎপিগনু, ঐখোয় মামিবুদি হাৎপিগনু।

ঐগী খোংদ চেৎন বোল্লদুন হিক্রব থমোইন ভাংলকপ ৱাহৈশিংদুতাবদ ঐ থমোই পুব ওমদ্রে।

—বোবো … বোবো . নং করিগী চিংনরী? ঐন ৱাশকতুন হায়রিবসিনি, ঐ নখোয় মামিবু করিগুম্বদ হাৎলোই। সে শঙ্গোম মিথাইসে চাও।

—অঙ্কল, ঐ চাররোই।

বোবোদু ঐঙোন্দগী তপ্প লৈথোকতুন ইমুংলোমদ মমাই ওনখ্রে। চাওরেন কংব, পাঙ্গল হাপ্পব শঙ্গোম মিথাইদু ঐগী খুবাক্ত তাদুন অদুমক লৈরে। ঐন খল্লি, মসিগী মিথাইসে শোইদনমক হিংচাবীদুদ পিজগে। ঐ হিংচাবীদু খিব চৎলে।

(থৌবাল রাইটরস এসোসিএসনগী লাইব্রিক "তাইবঙগী মংলাম" দ ফোংখ্রব)

হন্দক্তি শোয়ররোই

This short story was written on the 8th July' 84 for AWA publication. This is not related to anybody who is deeply concerned with Love and desperated

ঐন ঐগী পুন্সিদ থবাইদগী ওকপসি থমোইম থমোইবু মশক খংদবসিনি। মীনদি অসুম্ব ভাংনৈ থমোই অমন থগ্নদু থমোই অমন হেক্ত খংই। থাজবদ ব্লাব, মশক উদব, তৌব ওম্ব শক্তি অমন থমোইদগী মপান, খোকখিদ্রুন থমোই'মদ য়ৌখি, মসিবু অচুম্বরনে? মসি ঐঙোন্দদি ওস্থোক্ল ঙক্ল খোকই।

ব্লাংতক্ তৌব চীংদোং মচাগী মথক্ত লৈব ঐগী মহেগী মন্দিরবু ঐন কাওব ইঙম, ওমজদে। উপাল, ব্লাপাল, হৈপাল, লৈপ্পালন ইকোম্ব কোয়শিন্থ মহোশা ল্লাইরেম্বীগী খ্রুৎশেমলক্ত মন্দিরসিন শেমপাক মথক্ত খিন্দুন লৈব অথেনপোৎকুম কায়দোংদুন হৈম্ন দূল্লিং ওমহংলি। ঐদি নুমিৎ মুদিং ওতক ওতক ফুল কাবগী নিশা লৈ। নোংমতং থজিক থেংনুবদ হৈক্ত হংনবই,

—করিগী থেংলকইবনো ?

ঐন ইকায়ন খুমই,

—লবুক্ত চৎলুরে।

—লৌ-কা শুবরনে ?

ঐন ভক. নোমই, মদু উবদ লরুনিংমাল্লে,

—মরম য়াম্ম মোকইপোৎনিন।

মহাক্ল লরুরকপসিদ ঐদি ইকায়বন শিজনিংব হায়বদু য়ৌরে। মথা তাহঞ্জনিংদে। মরমদি ঐ খন্থরুদে। লাইরব, অতোম্ব, রাখল থেম্ম কাংবুদি খরসু হেন্ন ইকায় থিগল্লি হায়ৰদুনি।

—ইবুংঙো মরম মোকপ, নংগ রা ভাংনগে ভাইরম্মিবনি।

ঐ শ্মাই লাওই, কোকচাওবী কাই, পুক্লিং শাংতক্লে।

—করি রানো সোনি ?

শাওরপ তৌন সোনিন হংলকখি,

—নহাল থাংজ নুমিত্ত ভস্তা চৎখিব করিগীনো ?

অচুম্মনি, থাংজ খুদিং ঐখোয় সোসিয়েল রাক্ তৌই। মন্দিরগী অকোয়ব্দ হৌরিব হৈরাং লৈরাং মখোং শেংই. ঈশিং চাই, অহাংব মফমশিংদ অনৌব কয়া'ম থাজিল্লি। কাগী অমোৎ অকায় শেংদোকই। মসিদ ঐখোয় অনি অকম্ম শরুক য়াই। সোনিন তপ্প তপ্প রাই শিৎলি—ঐন থুমোক্ত অমোৎপশিং হোন্দোকই। ঐখোয় অনি থবক্ত থরাই লুপশিল্লি। থংদে ঐসু মা য়াওদ্রবদি পুক্লিং লৈতাদে, পুমহাং হাংই।

থাংজ নুমিৎতু ঐহাক খোঙাওবী শাম্ননবগী ভস্তান চৎলে। ঐ য়াওদবদুদ মথম্মত হুন্দোক্লম্বগী রারৌরিব জাৎনি।

পুন্সি ঈ:চল হৌখিব খংহৌদে, ঐখোয় তানি ক্লাস টেন কারে। শিনি নানি খংদব মতমনি। ঐদি খর হেম্ব খনগল্লি, নুংশি চাওই, মসিমক ঐগী চাওরব ইরাললনি। ঐন সোনিবু চিরু কনা খংদ অশা তৌই, ইত্তিক ইপা চাই চাদে খহুরব খক লৈখি'দে। অঙাং ব্রাখলনি হায়সিরা, নন্নগ মতমগী ঈহৌননি খনস্নিরা, খংদে ফুইন হৌরকপ কুমগী নোংলে নুংশিৎকুম থিংব ইঙম ঙমখিদে।

হৌজিক্ত ঐগী পুক্লিংবু খোনজিন তাশিনবদ ঐন খংলক্কই, পুংলোনগী মতুং ইম্ন শাজব ঐগী থমোইগী জগোইনি। মদুবু ঐগী ইরাল্লা? নমজা নম্‌থক্লব য়াওদ্রব ঐগী অরোয়্ব ব্রাদুদি সোনিন খংবীব লৈখি'দে. ফোংঙমদ্রব মেচাক্তি নোংম নোংমগী হেনগৎলকই থাংদুন লৈব ঙমখিদে। মাগী মিৎয়েং, মাগী ব্রাঙাং লিচৎ শাজৎ ঈবদ ঐন ঐগী থমোইবু মরাল লৈরে হায়বদি পুন্সিগী ওইন হায়ব ঙম্লোই। মরমদি পুন্সিদ ঐগী মিৎন ঐঙোন্দ ফাওবদি মিনম্লোইদ্র খল্লি।

ঐ লৈফম খংদ্রে, চাফম থকফম খংদ্রে, পুমঙাও ঙাওরে। অশৈবশিংগী ব্রাদ - মনুংদ তিল চংলব উহেনি। পুন্সিগী অহান্ন ওইখিবন মতম'দুফাওবদ ফোংদোকপ ওম্নগী পাঙলদি মরৈক্তে। মরমদি ঐদি ইকায় খিগল্লি, থমোই পিকই, চিংন চাওই। মীন করি হায়খিনি খঙবতদ পাংথোক্ক চান্দে। ইথকথোংম্ন ব্রাঙাং কামজাও হুম্নশিংন- মুরেং কাথি, য়াচৌব, য়ারি চরোং…হায়ন অশেংব ব্রাহৈ কয়া শিজিন্নদুন লক্করকপদ ব্রারৌটাংব ঐগী থমোইসি কা-চহম্ন পিরকশিনখিবনি। অদুবু ঐগী খব্রাইদগী মাইবক ফরবদি ঐগী মিৎলৈ নারে খজল উগল্লব মরুপ'ম মৈজবদুনি। ঙাওন্দদি ঐগী ফোংদোক্লিংব ইনিং তমই। থাংঙম্লদুন নোংম্নদি মওোন্দ ফোংদোকল্লুরে। মহাক্ক কুমাদ

থৌনা ফন হায়রকখ্রে, মদু তাবদ ঐহাক স্বর্গ খুৎন লাম্ন ফংবগুম থোকখ্রে।

ওন্তোকপ হায়বদুনি, ফোংদোকলুব মিকুপদুদগী হৌন চিংনব, লাংতক্লবন পেপফম খংদন লান্দারকখি। অদুবু নুংঙাইব আশাগী ঈচেলদুদি যোংদোকলুব মিকুপত্তুদ অদুমক লোইখ্রব জাৎনি. ঐগী পংজরব থমোইসিন খংজদবগী ৱাতনি। কুমত্রুম. ৱাহংগী পাওখুম তাদুমক লাকখিদরে।

ঐগী মরুপকি মাংদ ঐ চাং তারে। ঐবু সোনিন মিরাইবিরে; য়াবীদে খললুবদ ইথম্নত পংইত ইকায়খ্নরে। ঐ মপাল থোকপ ঙমদ্রে, অদুন মহৌশাদগী হিনরক্লব নিচৎ পুন্নমক হোংদোক্লে। সোনি উাদনব চেন্নদ ইথৌদাং ওইরে।

লান্দ চেল্লব নক্রগ খুৎলাই পাইদৰ মীদ মহৌশাদগী খুৎলাই থানরক্তে, অদুবু ঐগী সোনিদি মদু খনখিদে। ঐগ উববমক্তদ,

—নং মদুমক খনবরা? নংসে ঐন থাজন তিন্নরুবনিকো! থুই—।

মতিন শিৎচিল্লকখি। 'ইনখৎলক্লিব নহা ওইরিবশিংগী মফমদ খৱাইদগী পোথাফম খংদৰ; থমোই চাকর্পাস, নুপীন য়াবীদবমুক থমোই চাকপ তায়বঙদ অম লৈত্রে।' কয়াদ ইকায়খ্রব! ঐ মাই থান্নৎপ ঙমখিদে, মরমদি মহাক্ল অদুম্ন তৌরক্লনি হায়বদি ঐদি মংদ ফাওব থাজরুদে। মদু উবদ ঐগী মরুপ মপাং কয়া'মদি সোনিবু ৱারৌখি। লমল খুম্নিংৰগী ৱাখলন মাংজিল থাদুন ঐবু 'পাংদব' হায়ন করেম্নখি। মরিল ম্লাওদে নিপা মান্দে হায়দুন মরাল শিদুন লক্লখি। মতমদুদ ঐহাক তায়বঙদ অমুক মথা তান হিংনিংখিদে। করিনুংগী ফোংদোকলুব! করিনুংগী নুংশিব মশক থংলুব!

থাজনিংঙাই লৈত্রব ৱাখল কয়া'মন য়ৈর থেংলদুন ঐঙোন্দ তম্নলাই ওইন মংগ্রেম হাগ্রেম্নররে।

পোলোইদ ঐন খনখি; ফুদিত্ত মাংজোং চোংব; য়ৈন কাংক্রম মফোলথোক পুন শংপাই নাতৎপ, নুপীন য়াবীদব মীৱাইথোক ফত্তব অসিমুক লাইবক্হিব নিপাওইবশিংগী মপোক্ত অম লৈরম্নরোই। অদুবু শিবমক্তি ঙমদবনিন নোংম নোংম কাওশিল্লক্লে, ইকায়বগী চাং হন্থরক্লে। অশুম্ন মা ঐগী পুন্সি ঈচেল খাইদোক্কখ্রে।

কুইরৰগী ভুংদ ঐন তাখি, সোনি লুহোংখ্রে। মদুদ ঐন থ্রখি, 'মহাক লাইবক ফবী ওইখ্রসনু।' মরমদি ঐ মাবু তাংনে নুংশি, মঙোন্দ লমন খুম্নিংবগী ৱাখল মরিক অম ফাওব ঐঙোন্দ লৈখিদে। মাগী নুংঙাই য়াইফব উরগ ঐন য়াম্ন পেওখি, অসি খন্ন ঐন ঈশ্বরগী মফমদ লৈশি লৈথোন্দুন কয়ারক হন্ন হায়জখি—'প্রভু নংন ঐগী সোনিবু চেকশিন্ন থম্বীয়ু। মঙোন্দ নুংঙাই য়াইফব পীনবিয়ু। মাগী অপেম্বন ঐগী অপেম্বনি, মাগী নুংঙাইবদু ঐগী নুংঙাইবনি।'

অদুবু তায়বঙসি তাইওন্নে, মীন নিংব ঙাক অচুম্ন ওইদে। মসিন ঐগী থমোইদ হায়ঙম পুঙমদব অৱাব পী।

নোংম, থাজনিংঙাই ওইদব থৌদোক অমদ সোনি লুখ্রা ওইখি। কয়াদ লাইবক খিখ্রব! মদুদ ঐগী সোনি কয়াম্ন ৱারমগনি। মহাক্কী ৱাখলদ ঐগী থমোইসি মচেৎ মচেৎ থোক্ক কায়খি, তৌফম খংখিদে। মহাক্কী অৱাবদু সরুক য়াজনিংখি অদুবু—, চুম্নত ঐন ৱাজবনি।

ঐগী ৱাজগল্লব থমোইসিগী চৎন লোনচৎ মহাক্ক ৱায়ৌখিনি, শাওখিনি, অসি খন্ন মতম খুদিং মহাক উবদ তাম্ন,

নাইথদুন ব্রা ভাংদন তুমিন্ন লৈখি। হৌজিক্তি কন্নিগুম্বদ থেংনম থোক্রবদি মহৌশাগী অরান্ন ব্রাখল'পুম্ন নমথরদুন তরাম তরামই। অদুবু মতমচুপ্পদ থাপতক লৈ, মরমদি লুখ্রা ওইবীশিংদি মহৌশাদগী ব্রারৌ চাওই হায়বসি ঐ থংই। অমরোমদ ঐ; মহাক্কী খোল্থি লোম ফোংনু কয়ারক চাষ্ট্রবনি, মদুগী চৈনা কাওদ্রি। অদুগ ঐখোয় অঙাং নম্রে, খর সেম্ম ভাংন শরুব অমম্লুং চৎনব ফে হায়বগী ব্রানি।

অদুবু নোংমদি তাঞ্জা ইচা চাদন মান হায়রকই,

—'ঐখোয়সু মীনি, মীগী পুন্সিংদ লৈব ব্রা লোইন থংব জাৎনি। ঐবু লুখ্রানি খন্ন অদুক হঙ্কন য়েংবীব চুমদে।'

কয়াদ চমখ্রুব ! কয়াদ লৌ লৈখ্রব ! হৌজিক ফাওব মা ঐবু ব্রারৌরি। পুন্সিদ মাগী মায়োক্তদদি নেংচরোই খন্ন চেঞ্জরব ঐনি। চুম্নতগী ব্রাজবতনি, ব্রাজবদুগীরা হন্ন খোল্থি চারিবসে? উম চুমই, হেন্ন নুংশিচাওবসি দোস লৈব জাৎনি। অদুমক্তদ সোনিদি মখা তানিংলি, মীয়াম মাংদ ঐবু খুঙ্গোইনিংবগুম তৌরি। মাগী মওং মতৌদু উবদ থমোইসিন মাবু ব্রারৌরকই; শাওনিংলকই। থাংদুন লৈব ওমকত্রদুন হায়খি,

—হোই সোনি, ঐ নংবু নুংশি। অদুবু ঐ নঙোন্দদি লানখিদ্রি খল্লি। ভাকপিগনি, হৈঞ্জিন্ন ঙাংব তারগদ্রা, নুংশিবসিবু পাম্না? মসিদ ঐগী করি ইরালনো?

ঐগী ব্রাদু তাবদ ঐঙোন্দ মহাক শংক্রিক য়েংলকই, ভহাক মিৎচাম্নে অদুবু ঐ মখা তাদ্রে। পুন্সিগী অহান্ন ওইন মুঙোন্দ শাওদ্রে, মদুদ মহাক্ক করি খল্লমগনি—মদুদি ঐ খংদ্রে।

মহাক্কী মমিৎ অনিদু ঐগ মিচান্নরুব মিকুপতুদদি খর ঙাংলগ তৌই, থংনব মিকুপত মিৎলু থুম্ন ঈরা চেল্লকই। মদু ম্নেংদুন ঐহাক লৈব ঙমখিদে, লৈথোকতুন অদুমক লাক্লে। মতম খরগী মতুংদ নোংম ঐন ঐগী মরুপত থৌদোকতু তমল্লুন্নে অদুদ মহাক্ক হায়রকই,

—নশিংখা পুথোকভুন নুংশিব তম্বীরম্লব! উম, হন্দক্তি শোয়ররোই।

অদুদগী ঐখোয় অনি নোকমিন্নে।

※ A.W.A. গী 'মীরকসিদ ঐখোয়' হায়ব লাইরিক তাং ১৮-১১-৮৪ ইংদ ফোংগ্লব।

মতুম, তাশিন্নব য়োং—১১৩

কোরৌ মশেক্নি নুমিদাংবাইরমগী

শজিবু থা পানথৎলকপগী অঙম অয়ুকনি খুঙ্গংদ লৈব মীওই খুদিংমক চাকঙন চাদুন লাইবুং কানরি। থা অম চুপ্প হয়াও মথোই কাক্করব ইবুধৌ ইবেনধৌ অনিগী মুক্কা লমজেন লোইদ্রি। মখোয় ময়ামদু উবদ ঙক্কদুন ঙরাং নুংথিল ঙক্কব থবক অমগী শেন্দোং য়েন্নরিব মক্কপ অনিগী মরক্ত অমন হংলকই,

—কদাইদনো চৎনরিবসি ?

—লাইবুংদনি।

—লাইবুংদবু করি ক্নমৈ লৈরিবগে ! হয়াওবদি নহান্ন লোইদ্রে।

—কোন্দুম নংসিদি ওহা মনুংদ লৈব হঙোইনি। লাইবুংদ ঙসি লম. মুক্কা লৈ হায়ব নং খংব্রা ?

— ঐদি খংদেনা—। অদুদি চৎলসি; য়েংলুসি তা-হেমো।

কোন্দুম মহৌশাদগী মুক্তা পামই। পাওবু তারবদি মাইল ৫/১০ খোংন চৎকনি, চরা হেন্দুন মুক্তা য়েংই। মুক্তা কাংজে শান্নরকপদ অঙাং ওইরিঙৈদগী হেমোগ কোন্দুমগ মখোয় অনিন নাক অমদ লেপস্থ্রবদি লাম্বা লৈত্রে। মপাঙ্গল মথৌনা লৈব; শওং শদা ফজব, মীরাইথোক ফব মখোয় অনি থমব্রাং খুঙ্গং অমদ গোকমিন্নব মচিল মনাওগুম হৌমিন্নরকখি, লৈবাক শরা শন্ন ফাওমিন্নরকই। খুঙ্গংগী অকোইবদ লৈব মীওই খুদিংমক্ক মখোয় অনিবু খংদব লৈরকত্রে।

মখোয় অনিন লাইবুংদ থুংলব মতমদদি মুক্তা হৌরয়ে। মীরক থাই-থাইদুন চংলক্লগ মখোয় অনি মাংদ ফম্নরে। মরোল অম অনি শান্নরকপদু উবদ কোন্দুমদু ফমদুন লৈব হৈনরকত্রে। মুক্তা য়াওনিংখিবন মখোং মখুৎ মরেং মরেং লেংব হৌরক্লে। লৈশিন্নক্লগ হেমোগী নাকোংদ শোল্লপন হায়রকই.

—তা-হেমো,

—কৈনো ?

—ঐ মুক্তা য়াওরুরগে ?

হেমোন শংত্রিক য়েংলকই অদুদগী থোঞ্জেল কম্ন চৈরকই,

—হামেং [illegible] ক্রমউ, য়েংদুম য়েংউ। হৈতি হৈত্তন করি কান্নব, [illegible] নখুৎ তের[illegible] অঙাং মত্রিক [illegible] চাদন মৈ কিদ শারুদন— ।

হেমোগী [illegible] [illegible]ংসিদ ওইরে কোন্দুমগী থমোই থিৎপসে। মীয়াম [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] কোন্দুমন পামখিদে। মথমোই প্রোক প্রোক চাক্ক মখুৎ মথা [illegible]তুন [illegible]ংই।

[illegible], [illegible] —১৯[illegible]

মহাক্ত খুল্লি, নহান অরাং লৈকাইদ মুক্রা শাম্নবদ মমাংদ মী ৫ নি নিংগোংদ থাদখিব । লিশমোক্কী অমেবদুন খুদোংদ, পোইরৌগী শাফবন চেপচিংদ, অদ্রোগী যত্রাদুন লোংখ্রৌদ শেৎথখিবনি । কোনুং মমাংদ শান্নব মুক্রা-কাংজৈদুদি ঐন কাংদ্রুম শেন্নরিঙেদ তৌবনি মতুং তাবদ নিপাদু কমদৌখি— ঐন লাক্লবদ মফি মাংবনি । পুম্নমকসি মা লোইন খংলিবনি ।

কোন্দুম থরাই য়াম্ন নুংঙাইতে, হেমোগী ব্রাতাদুদ । মুক্রা শিল্লিব ওঝাদুন মখুত্ত মৈতৈলং খুদ ৪/৫ পাইরদুন লাওরি— 'মুক্রা য়াওবিগদব ইচিল ইনাওশিং মাংদ থোকপিরক্লো । লৈবাক্কী কুম নুংঙাইনব ঐখোয় শিঙ্গে ।' মুক্রা পামজব লমদগী লাকপ মীওই কয়ান অশিল-অরাংশিংদগী খুদে লৌদুন কিশি শেৎলি । শেৎপ লোইরব কয়া'মন লৈমাইদ খু-লৈতান কুন্দুন লৈরি । মচুম তারব শামু লমশাগুম্ন শবানশিংদু উবদ মিৎফম হোংব য়াদে, পেম্ন খম্ন লৈনরকত্রে । খুনিং কাংখৎ কাংখৎতুন মীয়াম'পুম্ন য়েংনরকই । য়েংব লাকপ মীওই জিশিং লিশিংন লাইবুংদু খুরক হাংদ ক্রুক ক্রুক ইম্নরি ।

খুঙ্গংগী মুক্রা শিন্ন মেরা যত্রান মাংদ লেপ্পরব মতমদদি মখোয় অনি লোৎতুন লৈব য়াদ্রে । কৌরকই,

—হাইঃ কোন্দুম নংদি অদুদ কৈদৌরিবা ? আইঃ হেমোসু য়াওরিনে ! লাও লাও থোরকউ লাও ! নমান্নবশিংদি ফি শেৎপ লোইনম্ব্রে, নখোয় হৌজিক ফাওব কৈদৌরিবনো ?

কোন্দুমদি কৌরকপদু ঙাইরম্নগুমই, হেমোদ হুম্ন ফাওব য়েংলমদন কান-কান্দুন মীয়াম মাংদ থোরক্লে । হেমোন কমদুন লৈহৌবতু উবদ মেরা যত্রান হংলকই,

—নংদি কৈদৌরব হেমো ?

হেমোন পুক্লিং খজিক হদুন খুমকই,

—ওঝাবু, ঙসিদি ঐহাক হকচাংসি নুংঙাইত্রে। মুক্না য়াওজররোই, ব্বারৌবীব য়াদ্রে।

—ফরে ফরে ইবুংঙো; হকচাং ঙমদ্রবদি পোথারো।

কোন্দুমদি মফি মরোন শেৎপ হেক লোইবগ লম্বা ফংখ্রে। লাইবুংগী মফম মরিদ লম্বা লম্বা থাজিন্দুন মুক্না শায়ে। মীয়াম্ন ইকোয় কোয়শিন্দুন য়েংলি। মেক মাক লাওনদে। মুক্না কাংজদ হৈথোই শিংথোইরব ওঝাশিংন মফম খুদিং চেকশিন্ন শেম্নে।

ঙহাক্কী তুংদ অপাকপ নম্থী অম, মথুৎত চাম্ন চৎপী অম মনা ওইন পাইরদুন শিংনবগী লানফমদ মাই পাক্লব, পজেং ফিরাল থেৎলব কোন্দুম মকা লাম্ন চংলকই। য়েংলিব মীওই খুদিংমক্কী থমোইদ নুংঙাইবগী ঈনোত কারি। মরোল মরোল হৌর্খরি, মরোল মরোল চংলকই, শান্নবগী কুম্মৈ লেপ্ন খম্ন লৈতে।

মনাক নক্ক মাংদ কুনদুম লৈরিবি নিপা অমদি হৌজিক ফাওব লম্বা ফংদরি। মুক্না হৌরকপদৈ থিশি শেৎলবনি তদুবু মুক্না শিন্নরিব ওঝাশিংন লম্বা পিব ঙমদরে। মহাক উবদ মীয়াম মরক্তগী লাওনরকই,

—কাম্নিব নিপাদুগী লম্বা পিরো। লম্বা পিব ঙমদ্রবদি চংহনখরো।

নুমিৎতুগী লম মুক্না শান্নবদ লাইবুংদুদ খরাইদগী লিংব নিপানি। মশা-মই ব্লুং চাওই। মনমদু-ফোৌরামুক পাকই। চহি ২৪/২৫ গী পাঙ্গংনি। কুচু পাল্লি, মতৌ য়েংবদ নুংঙাই,

মিৎতাফম ওইব শবাম্নি। মহাক্কী ওঝা ওইরমাল্লে; মনাক নক্ল লৈরিব অহংদু মীয়াই চল্লে। ফোংন মেরা যত্রাদ চংশিন্দুন হায়রকই,

—অঙাংসে ওঝাবু, ঐখোয়গী যত্রানি। চহি ৭ মনম লৈবাক তারকত্রি। ব্রাংঙ্, ককচীং, থাঙ্গ, মোইরাং, নম্বোলনচিংব কোইরক্লিবনি। ননাইসি খাগী লমদি লোইশিল্লক্লবনি, য়ারগদি অথম্নব মীওইত থেংনহন্বীগু। ঐগী ব্রাসি হাংবিনুবো।

—ফনি ফনি।

অদুদগী মেরা যত্রান ওঝাদুদ লৈশিন্দুন হংলকই,

—ইবুংঙোসিগী মিংবু করি কৌবিবগে?

—ননাইসি কেংব কৌই ওঝাবু।

মেরা যত্রান কেংব উবদ মপুক্ত খল্লি, অঙাংসিদি মশকসু য়াওন কেংইদন! মাবু তম্বীব ওঝাদগী খুদোন অম তাথদে। মহাক্কী লম্বা পীব ঙমদবদুদ মপুক্লিংদ নুংঙাইজদে। খল্লি, মহাক মশান নহা ওইরিঙৈদ থেংনরম্নবদি খংদবনি।

খুদুপ ৭ ব্রাংব, মনম্ন ফৌরামুক পাকপ, চহি ৭ মনম লৈবাক তারকত্রিব, মৈতৈ সনা লৈপাকসিদ কাচিন কোয়া থুংন মুক্লাগীদমক অতম্নন শিংনদুন কোইরক্লিব নিপানি তাবদ চিংনরোইদব কনা লৈরি? মহাক্কী লম্বা পিব ঙমদন লৈহৌরনি খললুবদ মেরা যত্রাগী থমোই কায়খ্রে। মরক মরক্ত নাইতোম খিনগৎলকপ খোঞ্জেলশিংদ ভোইন তোইন য়াওরবই— 'লম্বা পিব ঙমদ্রবদি মফি হোংদোকহল্লো।' লমদগী লাকপ মীওইশিংগী মরক্তদি কেংববু লম্বা পানিংবগী ঈহল লৈব নিপা অমত্ত উব ফংলকত্রে। লাইবুংদুদ কেংব মাই পাক্লে, লানঙম ফিরাল থেৎখ্রে।

হৌজিক্তি কেংব মফি হোংদোকপ তারে। মহাকপু পুরকপ ওঝাদুন মপালথোক্ত নুংঙাইব উৎলদুন হংলকই,

—ওঝাবু, ননাইসি মফি হোংদোকহল্লসিরা ?

ব্রাহ্মন্দ মেরা মত্র মাইথোং লাংশিন্ন ঙহাক ব্রাখল তৌরকই। তাঞ্জাদুমক্তদ নোংপোক হারমদ ফমলগ মুক্লাগী কুমৈ য়েংদুন লৈরম্ব হেমোন মীয়াম মাংদ থোরকতুন লম্বাগীদমক খুরুম্নরে। মদু উবদ মেরা মত্রান মপী তানিং তানিং চেনশিল্লকতুন মহাকপু কোনখৎপিররে। থমোই শেংন মপাল নাইদ্রব বর কয়া মকোক্ত হৈথরক্লে।

মখুৎমক্ত মফি শেৎপিরদুন নাশোল ওইন হায়রকই,

—হেমো, চেকশিনল্লুকো ইবুংঙো। নিপাসি লৌ পংকুপ কুমমন্দব মান্দে। মদুবু শাদি কে। অচেংব য়েংউ ইবো। খিবাইদ হেক্ত থকনি, চিংলনু। শামৌঃ নিপা থোক্ত শাম্নৌ।

কায়নিং কায়নিং তৌক্তরব মীয়াম অদু অমুক চংশিল্লকতুন মাগী মাগী ফমফনদ নেনা ভান ফমথনখ্রে। মথোয় অনিতবু ঙাইদুন লৈরম্বগুম থোকখ্রে।

কেংবগ হেমোগ পুংখাই অমরোম চুপ্প মুক্লা শাম্নখি। তিল্লিব মীয়াম খুদিংমক নিৎকম হোংনখিদে, নেক মাক লাওনখিদে। 'মৈতৈ লৈবাক্ত, চন্দ্রকির্তি সনা হাক্তক্তগী ওসি মাওব শাম্নরকপ মুক্রাদ অসুক মজব, লৈবাকমচাতাব, মশাম্ন অমুক্তসু উথিদ্রি, মচুংদসু উগনি থাজদ্রে' হায়ন মেরা মত্রান মীয়াম মাংদ লাওখি।

মতম ঙহাক কুইন কোম্নরব মতুংদ হেমোগী লোংখ্রৌ ফাব ঙমহৌদবদগী চীংমাই নাপোম নিংখাইরকপগুম কেংব,

লৈমাইদ লোংন হাইথখি। মকোকতু খজিক খৈশিনখিবনরা; মিকুপ খর মহাক জ্ঞান মাংখি, নুংশাশোয় থিংখি। কেংবন জ্ঞান তারকপগ মহাক্কী ওঝাদুন মকোক্ত ঈশিং চাইদুন লৈরম্মী।

মাইথিখিব নুমিৎতুদ কেংবন ৱাশকখি—'মুক্তা কৌব বিদ্যা লমশি অসি পুন্সিদ অমুক হন্ন শাগ্নরোই।' নুমিৎতুদগী মহাক্কী শিনফম মপোকসিমগী ওইন হোংখিবনি।

হৌজিক্তি নহা ওইরিঙৈগী নুংঙাইরব মতমদু হৌখ্রে। নোংপোক থংব অতিয়াদ থোক্লম্ব কোরৌ অঙাম্ব, নোংচুপ থংব চীংয়াদ লৈথরক্লে। হৌখিব পুন্সিগী নুংঙাইরব থৌদোক কয়ান মাংদ মোমোন মোমোন নোক্লবদ মংগ্রেম হাপ্রেংবগুম থোক্লরে। মিৎ উশিল্লকত্রে, না পংশিল্লক্লে, পাঙল ময়েং তারক্লে। তাম্লবদগী মুশি মুশিব খোঞ্জেল'মন কৌরবপগম থমোইসি খজিক খজিক চেপথরক্লে, মশক উদব কনাগুম্ব'মগী মাইকৈরোমদ। লৈকাইগী থৌদোক ৱাথোক্ত চিৎথরকত্রে, দেব কর্ণদ মীমাং থোরক্লে। 'বন্দোমদনো চৎকদব লম্নীসিবু?' পুক্লিংদ ৱাখলন তত্তন হংলক্লে। শকখংদব মহাক'দুগী ৱাখলদ পুক্লিং থৱাই হকচাং নুপশিল্লক্লে।

মতম কুইনগী তুংদ ঙসি, হরি মন্দিরগী মন্নাইদগী থোরককতুন মথৱাং কোল্লব; মঙম শান্দ্রব অহল অমন, মাংগী লম্নীন তেল্লব তুংগী লম্নীন শাংহৌরব অহল অমগী মাংদ পান্ন থমদুন খুক্লমরে। লেঙ্গা ওইন তৌই, মুম্ন য়েংনৈ, অদুদগী ফম্নমলিব অহলদুন মঙৈ থক থক নিক্ল হংলকই,

—নহাক কনানো?

পান্ন লাল্লিব অহলদুন খুম্নকই,

—ঐ কেংবনি ।

অহল অদুন অমুকসু হংলকই,

—মরুপ, নংন তৌরিবসি করিনো ?

কেংবন হেন্ন মাইথোং মকা লাম্ম নোকদুন হায়রকই,

—মরুপ, নংসে ঐগী ভশেংব আদি গুরুনি । অদোমগ হাকথেংনরুবদগী চৎকদব অচুম্ব লম্বীদু যংজখিবনি । অদুন ঐন ভসি তায়বগু মপুগী কোললোই মিংলেন শক শোঞ্জল্লিব, ময়ামগী শেবা ফংজল্লিবসি নহাক্কী থৌজালননি । মপোকসিমগী ওইন ঐসে, অদোমগী শিংব ভমরোইদব লমল তোনশিল্লবনি ।

পুন্সিগী নুংঙ্গাংহাইরমসিদ লৈথখিগদব ভহাক্ত ভাইরব কোরৌগী মশেক হেংলদুন হেমোন খুম্নকই,

—কুইন লমাংনরুরেদ ঐদি । চৎসি চৎলো লম্বীদুদ, ঐসু নতুং ইল্লরুগে ।

মরুপ অনিদু তুরোই ভারোই পুম্ন নেপথৎমিহে, অদুদগী চেজেৎ কোম্ন । কদোমদগীনো ইখংহেক খংহৌদন কুমগী নোংন ঈহৌরক্লে, মিৎলু নাপোম পুমচোৎ চোৎলক্লে ।

লোইরব ।

97722/Ma

অইবগী ফোংথ্রব লাইরিকশিংঃ

- ※ তেংথাখোল (চৈরেং)।
- ※ রাশক্ (চৈরেং)। তাং ১/৬/৭৯ ইং।
- ※ নুংগী মুক্তি (উপন্যাস) তাং ১৬/৬/৮২ ইং।
- ※ পুর্নিমা (উপন্যাস) তাং ২/১২/৮৪ ইং পোইনু থাশুঃ থাংজ।
- ※ আশ্রমগী অকোইবদ (উপন্যাস) তাং৬/৬/৮৬ ইং লৈবাকপোকপা ২৮ শজিবু শিথব।
- ※ থাইদোকথ্রব-ঈচেল্ (উপন্যাস)। তাং ২৯/১০/৮৯ ইং নোংমাইজিং মেরা থাশু।